কবিগীদমক ওবাংগী নুমিৎ



ইজবা :

তেকচম রামেশ্বর সিংহ

" KARIGEE DAMAK OJAHGEE NUMIT "

A collection of Educational Data & Approaches

Written by :—

Tekcham Rameswar Singh

অহানবা ফোঙবা চহি : জানুয়ারি, ২০০৩ ।

কোপী মশিং : ৫০০ (চামঙা)।

ষাংখেমচা

...ary School Teach...

...ESTA) Manipur.

.NCHIPUR,

“ কচ্চবা ”

অমম্বা তাইবঙদা লমজিং লমতাকপীরম্বা
পাক্রবা মালেম ঈপাক্তা হিনাও শাবীরম্বা
ঈপা শক্রা নাউকোনবীরকপা,
ঐবু মী ওইনবা হোংনবীরম্বা,
লৈখিদ্রবা তাচৌগী নফমদা,
মীৎলু পীম্নাংগা লোয়নবা
পঙজরবা থম্মোয়না শেংনা কচ্চরী,
ননাওগী খুদোল “করিগীদমক ওঝাগী
নুমিৎ”
লৌশিনবীয়ুকো লংনবা লৈতনা—॥•॥

ৱাহৈ খরদং

মীওইবা অমা ওইনা ঐগীসু অপাম্বা কয়া অমা লৈ, অনিংবা কয়া কয়াসু লৈ, তৌহন্নিংবা, ওইহন্নিংবা কয়াগু লৈ। অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোক্লা, পামদবা কয়ানা ইকোয় কোয়শিল্লী। করম্না লুপা খোক্লা হিংগনী। অফা-অপুন, অকি-তুজুং, লৈত-লাইরা, ওরা-ওনা কয়ানা হকচাং অসি লুমথহল্লে। অদুবু ঐখোয়শে হিংবগী অর্থদংতদা লৈহনবা তাই। তৌগদবা ইথৌ তৌদুনা ইশাগী দাইত্ব লৈনা হিংজনিংবদগী, মপাম্নাইদ্রবা শিক্ষাগী লেমদা অশেংবা ওঝাগী গুণবু মতেক থরদং লৌখৎচদুনা মগুন লৈবা শিক্ষা (Quality Education)গী মচাক থরদংতবু ওইরবগু ফওহনবা ওমগদরা খঞ্জদুনা "ফরিগীদমক ওঝাগী মুমিং" হায়বা লাইরিক ইজবনী। পরিং নাইনা অসুম নৈনজবদা অকরুবা শোক তারিখনচিংবা য়ামনা লুরবা শোয়বা য়াদ্রবা ৱাহৈ ৱাতা, রেকোর্ডনচীংবা পঙ্গন্নীবা অয়াম্বা অরিবা লাইরীকশিংদগী লৌখৎচবনী। খুৎ পাইদুনা তাকপি তম্বীরকপা ওঝাশিংগী মমল য়াম্নবা পাউতাকশিংবু লৌখৎচদুনা লাইরিক অসি ইজবনী। ইশানা ওঝাগী শিনফমদা লৈরবা কান্দা শিক্ষাগী তঙাইফদবা কয়াবু দাইত্ব লৈনা মথৌ থওনা পাংথোকচনীংবদগী লাইরিক অসি পুথোকচবনী।

অশোয়বা, শোক তারিখ অমদি অরানবা কয়া শোয়দনা লৈরমগনি হায়বশি ইশানা য়াজৈ। খঙ-হৈরবা লাইরিক অসিবু নৈনবীরিবা পুন্নমক্লা চুমথোকপীদুনা লমজিং লমতাক পীবিয়রুবা হায়জরী। লোয়ননা লাইরিক অসিবু পাবীদুনা নৈনবীবদা ইরমদম অসিগীদমক্তা অফবা চাউথৎপা শান্তি লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মতেং ওইরে লৌজগে। শিক্ষাদি জাতিগী য়াংলেন শরুনি, অফবা শিক্ষানা অরুবা সমশ্যাশিং কোকহনশি। শোইখি লানখিবা পুমনমক ওাকপীয়ু ।।

অইবা

CONTENTS

ওঝাগী নুমিৎ : সেপ্তেম্বর ৫

ওজাগী নুমিৎ করিগীদমক ?

ওঝা ওইবা মী মশিং য়াম্মনবদগী তোইনা শিজিন্নবা, তোইনা উন্নবনা ওঝাগী মগুণ ইম্বরকপগুম উৎরবস্থ নুংগী অর্থদি মযেং তাদে। গুরু হায়বত্তুদি ইহান হান্না তম্বী-তাকপীবা, লমজিংবীবা ওঝাবু "আদি গুরু" হায়না কোক নোইন্ন ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, উকিল, জজ্জ পুন্নমক ওঝাগী পোৎথোক/পোৎলেমথাক ওাক্তনী। মীথোই মীহেন্নবা, ফাউবা মী পুন্নমক ওঝা-গুরুনা তাকপী-তম্বীবদগী য়াইফখিবা/য়াইফবীবা ওাক্তনী।

তম্লবা মীবুনা শিষ্য/ছাত্র; তম্বীরবা মী অত্তুবুনা গুরু/ওঝা/অধ্যাপক হায়না খঙনরীব, অনিমিগী মরী অত্তু নকশিন্নরবা কান্দা মতৌ য়ান্নে। তম্বী তাকপীবা ইয়াও য়াওদনা হৈবা থবকপু করিনো ? মতৌ তমত্তুনা হৈবা অত্তুস্থ তম্বা মখল অমনী। লাইরিক খক্তী হাস্থ নাডে। উংশুবা, লাইয়েকপা, প্রুং-য়ৈবা, চৈশৈ শকপা, বিষয় খুদংদা ওঝা-গুরুগী দক্ষকারদি অত্তুমক মরে। পরিক্ষা পাস তৌবা, উপাধি য়ামনা পায়বা, শেলমিংচৎ ফংবা অসিখক্তনা লাইরিক হৈবা নত্তে। নোল্লুকপা/নাপল তৌদবা, মমা-মপা, ওঝা গুরু, মথক্কথোংরশিংদা ব্যবহার কাহদবা অসি লাইরিক হৈরবী খুদমনি। নত্রবদি লাইরিক্তি হৈরগা লাইশু হঙদবা হায়বত্তু ওই।

মী থক্কী রা নত্তে, ঈশ্বরগীস্থ ওঝা নাই। ওঝাগী ফীদা অরাংব মফমদা লৈ। মহাক্কী জ্ঞান পুমনমক পীত্তুনা লমজিংবীরিবা মী খবাংগী মফমদা থুক্কমনিংদ্রবদি কনাদা থুক্কমগনী ? ছাত্রনা লৈপালনি, হৈপাল অত্তু মশা-মরেং ফন্দোক্তবা হোৎনরীবা অদুনা ওঝানী।

ওঝাগী জ্ঞান্না অপণ্ডববু তাংস্থে কনী, অরানববু কোকহবিগনী। পুরানগী য়ারীদা একলব্যনা লিরুং তেন কাপ্পা হৈনবা ধনুর বিদ্যা খরদং তমজগে হায়দুনা কৌরব-পাণ্ডব মচাশিংগী গুরু দ্রোনাচার্য্যদা হায়জরদা "ঐদি-শাগে জাং অতোনবা শুদ্রমচাশিংদদি তম্বীদে" হায়রকখি। তমনিংহগী ঈথিল্লা একলব্যনা ওঝাদুগী মুর্ত্তী মাণ্ডদা থিল্লগা মশাগী সাধন্না ধনু-বিদ্যা তমহৈ। লম্বা লৈতনা হৈখি। দ্রোনাচার্য্যদা গুরু দক্ষিনা কংখি। মসিনী ওঝা-গুরুগী মতিক মগুন। পাউতাক অসি ইল্লদুনা ওঝাগী নুমিত্তা হাত্রনা ওঝাদা লৈ-পরেং অমদি ফিরোল তমদুনা খুরুমজগদবা ওই। গুরুগী দক্ষিনা পীগনী। মদু খণ্ডনা সরকারগী মায়কৈদগী সেপ্তেম্বর ৫ বু "ওঝাগী নুমিৎ" হায়না পালন তৌদুনা ওঝাশিংবু ইকাইখুম্নরী।

করি মরমদগী সেপ্তেম্বর ৫ বু ওঝাগী নুমিৎ ওইহল্লি?

মহাত্মা গান্ধিনা অমোংপা ফত্ত-হৌদিবু শেংদোকপা পাম্বদগী মহাক্কী মপোক নুমিৎপু "জাতিগী লু-হেনবা নুমিৎ" (National Cleannes Day) ওক্টোবর ২ দা অদুগা পণ্ডিত নেহরুনা অঙাংশিংবু লুনচাম্না তৌরম্বদগী মাগী মপোক নুমিৎপু অঙাংগী নুমিৎ (Children Day) হায়না পালন তৌবগুম ডাঃ সর্বপল্লি রাধাকৃষ্ণগী যিদমানঙাই ওইবা ওঝা ১ ওইরম্বদগী মহাক্কী মপোক নুমিৎপু 'ওঝাগী নুমিৎ' (Teachers Day) হায়না ১৯৬২ ইং দগী হৌনা ওবজার্ব তৌদুনা চৎথরক্লি।

ওজাগী শিনফমদা থরায় হকচাং লুপ্পা সর্ব্বশ্রী ডাঃ রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ সেপ্তেম্বরগী তারিক ৫ বু 'ওজাগী নুমিৎ' ওইনা পালন তৌনবা ভারত সরকারনা ফিরেপ লৌখিবা অসি তচুম্বা রায়নি। ওজাগী শিনফমদা থবক তৌরিবা পুম্নমক্কী লেমজফম্নি। নেসনেলগী থাক্তা পালন তৌবা হৌরকখিবসি ১৯৬২ সেপ্তেম্বর ৫ দগী হৌরকপনা লিশাং-শিংনা চত্থরক্লি। নেসনেলগী থাক্তা নেসনেল কাউন্দেসন ফোর টিচরর্স রেলফিয়ার শেমদুনা সংস্থান অসিনা নেসনেলগী থাক্তা খ্বাইদগী হেন্না ফরবা ওজাশিংদা নেসনেল এরার্ড পীরি। লোয়নন্না ষ্টেটকী থাক্তনা ষ্টেট এরার্ড ফোর টিচর্স পীরি। শিত্রবা/দশা তারবা ওজাশিংদসু শেলগী তেংবাং পীরি। অকবা ওজা থন্দোকপা/খণ্ডোকপগী খুদোংচাবা অমসু ওজাগী চুমংনা পীরি। নেসনেল এরার্ডী অমদা এডভান্স ইক্রিমেণ্ট অনি অমাদ ষ্টেট এরার্ডী অমদা এডভান্স ইক্রিমেণ্ট অমা হাপতুনা তলব হেনগংনবগী খুদোংচাবসু লৈ। সেপ্তেম্বর ৫ না মীয়ামদা অকবা ওজা মশক ঙাকপথক্তা নত্তুনা 'অকবা ওজা লেম্না মাংদে' হায়বা তাকই। লোয়ননা নুমিৎ অসিনা ওজা ওইবশিংগী রাখল লৌশিং থৌনা, হৈনিংবা অমা অনৌ রিফ্রেস তৌহন্নবা পারা অমসু ওজাশিংদা পী।

সর্বশ্রীসর্ব্বপল্লি রাধাকৃষ্ণনগী শমলপগা ৱারী।

ভারতকী দর্শন শাস্ত্র মঙ্গংশিংনা থওলবা থওলবা তোমখিন ওইবা ভারত মাতাগী মপারী অসি ১৮৮৮ ইং সেপ্তেম্বর ৫ দা মদ্রাজ সহরগী অরাং নোংচুপ্ত মাইল ৪০ লাপনা লৈবা তিরুতানি কৌবা পীক্রবা

খুঙ্গংদা পোকখি। মপা মমাগী তানিশুবা মচানি, চহি ১২গী বয়স ফাওবা তিরুত্তান্দি অমসুং তিরুপতিদা আদি শিক্ষা দীক্ষা ফংলদুনা লৈরমই। স্কুল অমসুং কলেজগী থাক্তা শিক্ষাদি খৃষ্টান মিশনরি স্কুলদা ফংখি; খৃষ্টান ধর্ম প্রচারকশিংগী মায়োক্তা হিন্দু ধর্ম লৈনবা হৌখি। মহুদগী ফংলকপা ভারতীয় দর্শন শাস্ত্রগী ভূমিকা অদু এম, এ ফাওবা থাদোক্লমদে, দর্শন শাস্ত্র লৌদুনা ১৯১০ দা এম এ পাস তৌখি। অহানবদা মদ্রাজ প্রেসিডেন্সি কলেজদা দর্শন শাস্ত্রগী ওজা ওইরম্বদগী কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা বিষয় অসিগী ওজা ওই, ১৯২১ গী বানি। মহুগী মমাঙদা ১৯১৮ দা নৌনা লিংখৎপা মহিশুর ইউনিভর্সিটিদসু মহাক থবা ওজা ওইরমই। অন্ধ্র ইউনিভর্সিটি লিংবা অদু ১৯২৬ ইংদনি। ডাঃ রধাকৃষ্ণননা ইউনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলর ওইবদু ১৯৩১ দনি। ডঃ রাধাকৃষ্ণনগী চহী ৪৩ থক্তা শুরি। মতুং তারকপদা বেনারস হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়গী ভাইস চানসেলর ওই।

দর্শন শাস্ত্রগা মরী লৈনবা আর্টিকল খবর কাগজশিংদা ফোঙবা হৌবা অদু ডাক্তরজীগী চহি ২০ থক্তা ওয়রি। ১৯২৬ তা ওক্সফোর্ড মানচেষ্টর কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এলঃ পীঃ মেক্সদগী "পুন্সিদা হিন্দুগী মীৎয়েং" হায়বা বিষয়দা বা ঙাঙবিনবা বার্জোন ফংই। চহী অসিমক্তদা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়না বৃটিশ সাম্রাজ্যগী বিশ্ববিদ্যালয়শিংগী কংগ্রেসতা মীহুৎ ওইনা থাই। হার্বর্ড বিশ্ববিদ্যালয়দা চহি অসিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেশনল ফিলোসোফি কংগ্রেসতসু মীহুৎ ওইনা থাই; "আধুনিক সভ্যতাদা আধ্যাত্মিক য়াওদবা" হায়বা বিষয়দা বা ঙাঙই, ১৯২৯ দনা মানচেষ্টর কলেজদা "কম্পারেটিব রিলিজন" দা বা ঙাঙই। থোঙচং অদুদা লণ্ডনদা "পুন্সিদা ফিদম্মগদনা বিষয়" দা বা ঙাঙই। মহাক্তা লেকচর পীনিম্নবা মতমহুগী ফিলোসোফরশিংদি সমুয়েল, অলেকজেন্দর,

বত্রেন রশেল, মুারহেদ, ইংগ, এল বি সেক্সন, রবীন্দ্রহর্ট অসিনি। ইউরোপ্তা শেংকাইবমথৈ রাধাকৃষ্ণনবু মীয়াম্না থগুনবা মতম্। মহাক্কী লেকচর মথৈ ওক্সফোর্ডনা থোমজিন্দুনা ইষ্ট এন্দ বেষ্ট ইন রিলিজন কৌবা লাইরিক অমা ফোগই।

ওক্টোবর ১৯৫৪ ইংদা ইউনেসকোগী জেনেরেল কনফারেন্সগী ৮শুবা সেসন্দা স্পিচ পীবদগী অমুক্কা হেন্না পৃথিবীনা শকখঙনখি।

মা ভাংবা হৈবদা পৃথিবীদা তোমখিল ওইবা মীশক্তি। মহাক্কী স্পিচ অমমম্না থেসিস ওইবা য়াবা ওই। Honourary offer তৌরকপা ডাক্তরেট উপাধিশিং মশিং পারগদি শ্রীরাধাকৃষ্ণননা ফংবা ডাক্টরেট উপাধি মশিং ৩২ ওই। মহাক্কী অশেংবা ইজুকেসন কালি-ফিকেসন্না এম এ. ডি: এল! এল: ডি লিট, এফ বি এনি। রাধা-কৃষ্ণননা ইরম্বা লাইরিকশিং:—

(১) দি ফিলোসোফি ওফ রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর (২) ইন্দিয়ান ফিলোসোফি (৩) দি হিন্দু ভিয়ু ওফ লাইফ (৪) এন, আইদিয়েলিষ্ট (৫) ইষ্ট এন্দ বেষ্ট ইন রিলিজন (৬) দি ফিউচর ওফ সিভিলাইজেসন (৭) দি রিলিজন ব্রি নিড (৮) গৌতম দি বুদ্ধ (৯) ইষ্টর্ন রিলিজন এন্দ বেষ্টর্ন থোত (১০) ইজুকেসন, পোলিটিক্স এন্দ বার (১১) ভাগবত গীতা (১২) ধর্ম্মপদ (১৩) ওন নেহরু (১৪) দি দিসকোবরী ওফ ফেইদ (১৫) দি কনসেপ্ট ওফ মেন (১৬) মাই সর্ট্চ ফোর ট্রুথ (১৭) রিলিজন এন্দ সোসাইটি ১৮) দি প্রিন্সিপাল উপনিষদ (১৯) ফ্রিদম ওফ কলচর (২০) ফেলোসিপ ওফ দি স্পিট আসনাচবা অসিন। মহাক অসি the Great Thinker and Scholar নি হায়বা লাইরিকশিং অসিনা সাক্ষিনি।

নোংচুপকী দর্শনক অলদস হক্সলীনা রাধাকৃষ্ণনবু নোংপোক ১সুং

নোংচুপকী সংস্কৃতি অমিবু তাইশিন্নবা থোকখনি হায়। পণ্ডিত নেহরুনা রাধাকৃষ্ণনগী মতাংদা হায়খি :— "পুম্নমক্কী মথক্তা মহাক অসি অচৌবা ওজা অমনি, মহাক্না ঐখোয় তমচুনতা লাক্লি অমসুং তমখি-গদৌরি।" নোংচুপকী শক্তাইবা দর্শনিক হেগলনা রাধাকৃষ্ণনগী মুখানবগী মতাংদা হায়রমই :— "মীওইবনা অপাম্বা মুপী ফংলবা অমদি থবক ফংলবদি মহাক্কী পুক্নি অতু মহৈ য়ানগনি।"

দর্শনগী চেয়ারদা কিং জর্জ্জ ফাইভ প্রোফেসার ওইবা, ওক্সফোর্ড ইউনিভর্সিটিগী হিবর্ট লেকচরর ওইবা ভারত মচা অহানবনি। ১৯৫২ ইংদা রাষ্ট্র সংঘগী জেনেরেল কনফরেন্সকী সভাপতি ওইখি। ভারতকী বিশ্ববিদ্যালয়গী শিক্ষাবু য়েংশিন্নবা ইউনিভার্সিটি কমিশনগী সভাপতি ওইরম্মী। বেনারস বিশ্ববিদ্যালয়গী ভাইস চান্সেলর ওইরম্বদগী মোস্কো (রুশিয়া) দা রাজদূত (এমবেসেদর) ওইরুবদগী হল্লকপা মতম থরা ১৯৫২ ইংদা দিল্লি বিশ্ববিদ্যালয়দসু ভাইস চান্সেলর ওইরমই।

রাষ্ট্রপতি অমদি উপ-রাষ্ট্রপতি ওইনা রাধাকৃষ্ণন :

সর্ব্বপল্লি রাধাকৃষ্ণনবু ভারতকী ভাইস প্রেসিদেন্ট থনখিবাদা ১৯৫২ ইং মে থাদনি। চহি অসিগী সেপ্টেম্বর থাদগী ইউরোপ শিনথুংনা টুর তৌই থোকচৎ অসিদনি অক্সফোর্ড ইউনিভর্সিটীনা ভাগ্যবক্কীদা Doctor of Civil law হায়না Honourary Degree পীরক থবদো।

১৯৫৮ ইংদনা কানাডাদা চংলি, থোকচৎ অসিদা ইউনেসকোগী ৮ শুবা জেনেরেল কনফরেন্সকী সেসন্দা রা ডাংই, জুন ৭, ১৯৫৬ তা জেকোস্লোভকিয়া আগতা লৈবা চার্লস ইউনিভর্সিটীনা Honourary Coctorate Degree পী। জুন ১৮ দনা মোস্কো ইউনিভর্সিটিনা Honourary Professorship উপাধি পী। চহি অসিদা মহাক্কী মহৈ য়ানি শিংথ, মচানুপা সর্ব্বপল্লি গোপাল অমদি মচানুপী ৫ থমহৌই।

১৯৫৭ মে থাদা অনিরক শুবা উপরাষ্ট্রপতি ওইনা অমুক্তা য়েৎনবা লৈত্তনা থনখ। চঙ্‌সিগী সেপ্তেম্বর থাদা চয়োল ৩ থা লোংপোক এশিয়া টুর তৌই। থোঙচৎ অসিদা চীনা অমসুং হোংকোং য়েংলমই।

১৯৬২ মে থাদা কংগ্রেস পার্টিগী নোমীনি ওইনা প্রেসিডেন্টগী ইলেক্সন থেংনৈ। চাদা ৯৭'৯৮ ভোট ফংদুনা মায় পাকখি। মে ১৩ দগী চার্জ লৌদুনা ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাদকী মহুৎ শিনহৌই। এপ্রিল ১৯৬৭ ফাওবদা রাষ্ট্রপতিগী ফম পায়রমই। মহাক্কী মহুৎশিনহৌবা ডাঃ জাকির হুসেননা মে ৭, ১৯৬৭ তা কায়ন মিটিং দা বিদ্যায়গী মীফম ফমখি। মে ১৩ দগী দিল্লি থাদোকতুনা মদ্রাজগী গিরীজা, ৫০ এডেরার্ড ইলিওট রোর্ডতা মপা মপুগী থায়নগী জগাদা লৈখি। ১৯৫৬ ইংদা শাবা অরিবা মুমনি। ভারতী বিদ্যা ভবনা "ব্রহ্মন বিদ্যা ভাস্কর" হায়বা উপাধি পী। ১৯৭৫ ইংগী এপ্রেল ১৭ কী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২'৪৫ দা মিলাপোর পাব্লিক মোংফমদা পোংলোইখ। নুমিৎ ৭ নি চুপা লৈবাক্তা শোক প্রকাশ তৌখ। হোজাক সেপ্তেম্বর ৫ অসি সর্বপল্লি রাধাকৃষ্ণন থক্তগী মপোক নুমিৎ নাত্রে। ওজা ওইনা পুন্নকী মপোক কুমওন ওইরে হায়বা তাই।

❁❁❁❁❁

ওজাগী নুমিৎনা ওজাশিংদা পীবা শাফু।

নুমিৎ অসিনা ওজাশিংদা মশানা মশাবু নাপল তৌনংঙাই ওইবা, ওজাশিংনা মতৌদা পুক্নিং হেন্না চংনবা রাখল পোকহল্লি। হৌশামক্তা পোকচবা ইচাগুম মুংশিনা তম্বীগদবা ওই, চাবা কামেমথৈ হৈরোগী

মালি (Gardener) অমনা লৈ পাম্বীশিংবু হিংনবা, চাওনবা মীনা নেৎথংতনবা শেম্নগুন ওজানা অঙাংশিংবু য়েংশিনবিগনি। মতুংদগী হেন্দোকতুনা ওজা হায়বসিদি ছাত্রগী পুক্নিং শেম্বা ঙম্বা মী অমা ওইবা তাই। অদুবু ওজাগী মথৌদি মী শেম্বা খক্তা নত্তে, জাতি শেম্বা অমসুং ওইবা তারি। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা হায়রমই—'নহাক্না হাপচিল্লবাদি পাত্র মখুংদগী ক'রসু তাররোই (You cannot four out of a vessel except you have put into it)। অশোংবানি, ঙানদবা থাউমৈনা অতোপ্পা থাউমৈবু ঙানহনবা ঙম্লোই, মশানা হৈতনা মীওঙান্দা শেংনা তম্বীবা ঙম্বা হোৌনদে।

মওং তাবা স্কুল ওইহনবাদি হেড মাষ্টরগী খুত্তা লৈ (A good school is what a Headmaster is) চংদবা য়াদবা স্কুলগী মঙাক মরিলৈনবা অথোরিটিদা রিপোর্ট তৌবা, স্কুল তরু-তরুনা থম্বা, ওজাশিংগী Attendance অমসুং মখোয়গী মতম্বী অদুবু য়েংশিনবা, Assembly c ass ফজনা তৌবা, মরক-মরক্তা Staff meeting তৌদুনা ওজা মরক্তা অমদি কৈরোই-লৈকাইগা Co operation লেনবা, জাতিগী নুমিৎশিং পালন তৌবা, স্কুল ফন্দ Staff খুডনা শীজিন্নবা, স্কুল ফজহনবা য়াবা হৈ-লৈ, থাবা অসনাচিংবা অসি হেড মাষ্টর অমগী তত্তাইফদবা থৌদাংনি। মীওইবগী তকচাংদা কোক (brain) না তৌরিবা থৌ অদু ওজা মকোক (কোক) হেড মাষ্টরনা তৌগদবা ওই। ঘড়ীদা হায়রগনা Main spiing গী থৌ অদু স্কুলদা হেডমাষ্টরনা পুই।

স্কুল মাদর/মেট্রোন-না ছাত্র মচাশিং অতুদা হকচাং তনান-তনাম্না অরুবা কি শেং-ইম্নরুবা তাকপীগদবা ওই। চৌকিদারনা মতম চানা থোড হাংদোকপা, কা মনুং অমসুং মপান শিং-শেংদোকপা নুমিৎশিনা

মৌহৌনা নিংশিংলি। Single teacher School গী ওজা অদুনা All in all নি। চৌকিদারসু মহাক্নি, মাদরসু মহাক্নি, হেড মাষ্টর/Staff সু মহাক্নি। মহাক কাদবদা স্কুল অদু পুম্নমক মাংবা তাবনি, মদু থন্হবদুনা স্কুল কাবদুনা চৌকিদার অমা ওইবগী মথৌশিং তৌবা তাবনি।

মনিপুরদা লাইরিক তম্বা হৌবা

অশংবা-অহৈশিংগী মতম-তা মীতৈ পুয়া, পুরারী, পুহিকাপী অপুনবা লাইরিক মশিং ৩০০০ গী মথক্তা ওইগনি হায়রি। মীগা লাইগা শম্নরবগী পুগা য়ায়া য়াওরি। মীতৈগী হৌরকফম, চৎনবা, লাইনিং-লাইশোন, লৈবাক তাক্লোন, য়ায়েন-পথাপ-নচিংবা তাকপা লাইরিকশিং ওই। থোক্তুনা শোকলুবদা লাইকুবা ঙাক্তনি। খুদমগী মশক ওইনা মীতৈগী ইহান হানবা পুয়া "পাথংবা শক্কোনলোন," "পাথংবা লমজেন" মঙাং লাইনিংহনবা ইবনি হায়; মাসনা তাকপদি অহুমগী মঙাং, লুয়াং, খুমন, মোইরাং, অঙোম, খাবা-ঙানবা, শরাং-লৈশাংথেম শলাই ৭ কী লৈবাক ৭ পোক্লবগী মতমদা ইরম্বা হায়বশিনি। "নুমিৎ কাপ্পা" লাইরিক অমা মৈদিংগু লোয়ুম্বা (১০৭৪-১১১২) গী মদাইরেন নিংথৌজাম্বনা ইরম্বনি হায়। "লৈথক লৈখারোল" ইরেংবা নিংথৌগী মতমদা (৯৮৪ ১০৭৪) থারম থাদোইনা ইরম্ব। লৈশেমলোন/মৈহৌরোল পুয়ানি। "তুতংলোন" খোংঙাকুমখা মাইচৌনা ইরম্বনি হায়না কালাচাঁদ শাস্ত্রীনা ইরি। "হিজন হিরাউ" নাউথিংখোং

নিংথৌগী মতম (৬৬৩-৭৬৩) দা খৃ: ৭৫০ দা ইরম্বনি হায়না মুতুম য়ুংলোন-না পল্লি। "পান্থোইবী খোঙ্গুল" মৈদিংগু খোংতেকচা (৭৬৩-৭৭৩) গী মতমদা অকোইজম তোনবোই-না ইরম্লি। "চৈথারোল কুম্বাবা" (চহী+থাবা+লোল; কুম্ভ পাবা) ১৬/১৭শুবা শতব্দীদগী ইবা হৌখি। লাইরিক অতু মাংখিবনা ভাগ্যচন্দ্র সনাহাতক্তা খৃ: ১৭৮০ দা চিরোম শ্যামরামগা ওইনাম আনন্দরামগা অনীদা অমুক ইহন্দুনা চথরকপনি। "পুদিন" খাগেম্বা সনাহাতক্তা অপোইবচানা ইরম্লি। অতুক য়াম্বা পুযাশিংতুগী মরম লোইনমক ইদ্রংসু অইবা পুয়া ময়াম লৈরম্মী হায়বদো "পুয়া মৈথাবা"না শাক্ষ ওইরি; মতুনা ইবা য়াদবনা হৌজিক্কী স্কুল লিংদ্রিভেদসু লাইরিক ইবা হৈবা কোঙ্গায় অমা লৈরম্মী তাক্লি। কমদৌনা তমগা ইরকপনো তক্কা থোকই। ওজা গুরুগী মমদা তম্বা ওইবা তাই।

❋❋❋❋❋

স্কুল শিংখত্তুনা কাদুনা লাইরিক তম্বা হৌবা ঃ

অহানবা এল. পি (Lower Primary) লিংবা খৃ: ১৮৯৩-৯৪ অতুরাইদগীনি। চহীসদা সেকমাইদা এল: পি ১, মাওদা ১ লিংই; ইম্ফাল মন্নুংদনা ১৮৯৪-৯৫ দগীনি। অহানবা এল. পি মরক্তা পেটিগ্রু সাহেবনা ১৮৯৪ ইংদা লিংবা লোকলাউবুংগী পেটিগ্রু এল. পি স্কুল পনবা তাই। Mission School মরক্তনা পেটিগ্রু সাহেবনা হাংশাক ১৮৯৬-৯৭ দা উখ্রুলদা লিংবা স্কুল অতুনা অহানবনি।

অহানবা মুপীমচাগী স্কুল ইংশোক ১৮৯৯ দা লিংই। ক্লাস সিক্স ফাওবা উপ্র প্রাইমারী (ইউ, পি) দা তম্নরমই। ইংশোক ১৯১৬-১৭ তম্বাক্লা ইউ, পি ৩, ইংশোক ১৯২৯-৩০ দা চৌংদা ইউ, পি ২ লিংই। খরা মৈরগা ইউ, পি স্কুলবু এম, ই হায়না খঙথি। পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও থোকপদগী ইংশোক ১৯৪১ দগী ১৯৪৫ ইং ফাওবা স্কুল পুম্নমক থিংজিনখি। লান মতুংদগী স্কুল য়াম্না লিংখৎনরকখি। ইংশোক ১৯৪৭ দা প্রাইমারী স্কুল ২৭৮, জুনিয়র হায় স্কুল ১৩, হায় স্কুল ৬ অমসুং কোলেজ ১ পুনন্না স্কুল মশীং ২৯৮ শুখি।

ওল্লবৈ মতমদা ইংলিস তম্বা মাওই লৌনরমই। সাহেবশিংনা চংপা লম্বী ফাওবা চামথোক্লরম্বা মতমান। উইল কনবা ইকাইবা খঙদবা থব্রায় য়াওবা মী খক্তনা স্কুল কানরম্বা মতমান। অতুম্বু ঙৌবোং ইল্লগা খুদৈ শেংলগা চংনরমই হায়না অহানবা ডাক্তর গোবর্দ্ধনগী পুন্সি বারীদা ইরি।

১৯৫০ য়োবা কান্দা প্রাইমারী স্কুল ৪৫৫, মিডল স্কুল ৭১ হায় স্কুল ১১ পুন্না ৫৩৭ শুখ্রে।

ইংশোক ১৯৫৭ য়োবা কান্দদ গোভর্ণমেণ্ট হায় স্কুল ৬ এডেদ হায়স্কুল ২২ শুরে। টেরিটোরিয়ল কাউন্সিলগী মতমদা স্কুল মশীং হেনগৎলকখবদগী ইংশোক ১৯৬৩-৬৪ দাদ গোভর্ণমেণ্ট হায়স্কুল ৫৪ এডেদ ৬৫, গোভর্ণমেণ্ট এম, ই ১১৫, এডেদ ৩৭, গোভর্ণমেণ্ট প্রাইমারি ১৬০২, এডেদ ৩০৮ শুখি। মতম অসিদা হায়স্কুল খরা হায়ার সেকেন্দরী ওনখি।

শ্রী য়ংমাসো শৈজাগী জনতা পার্টীগী মন্ত্রি মন্দলগী মতমদা ১৯৭৮-৭৯ দা এডেদ হায়স্কুল ১০৭, জুনিয়র হায়স্কুল ৯২ প্রাইমারী স্কুল ৬৮৫, ১৯৮০ ইংদনা এডেদ কোলেজ খরা কাভপন তৌখি।

মণিপুরদা Mission School শী রোল য়াম্ম চাওই। ইংশোক ১৯৪৯ ফাওবদা American Baptist Missionary না প্রাইমারী ৫৯, North-East India Missionary না প্রাইমারী ২৩ চলাইরম্মী। মতম অমদা কাংপোকপী অসি চীংমী পুম্নমক্কী Cosmo-politan town ওইরিবদা কাংপোকপী এগা, ই স্কুলগী রোলয়ু চাওরমই। স্কুল অসি ইংশোক ১৯২৬ তা হিংবনি। চীংমী মরক্তা শরুকইনরিং— মেজর খতিং, আর, সুইস, রিশাং কৈশিং অমসুংচংবা স্কুলশিংদগী হোৌখিবা ওাক্লনি। মেজর খতিং কাংপোকপীদগী অহৌবা কটন কোলেজদা মথা তমখিবনি।

১৯৭৩-৭৪ ইং দগী এল-পী/প্রাইমারী স্কুল ৮০৪ (চুড়াচান্দপুর ১৬২ + উখ্রুল ১৫৬ + সদর হিলস ১৫৬ + তমেংলোং ১৫০ + চন্দেল ১৩০ + সেনাপতি ৭০) ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলগী মখাদা লৈখি।

মথং-মথং অপগ্রেদ তৌখিবনা অমনাংবা মশীং খরা চেম্লবনু হৌজিক্কী চাউরাকপা পোজিসন ঃ—

স্কুল	চহী	গোভঃ	এদেদ	অন-এদেদ	অপুনবা
প্রাইমারী স্কুল	১৯৯১	২১০৪	৪৩৭	৬৮৪	৩২২৫ (ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল স্কুল য়াওনা)
জুনিয়ার হায়স্কুল	১৯৯১	২৯৯	৮৫	৩০৩	৬৮৭
সেকেন্দরী স্কুল	১৯৯১	১৮২	৮২	২৩০	৩৯৪ (নৌনা অপগ্রেদ তৌখিবা হায়স্কুল ১৫ য়াওদনা)
হায়ার সেকেন্দরী স্কুল	"	২৭	×	×	২৭
	২০০০	৪৩	[illegible]	৩১	৭৪

(Assembly report July 2000)

Figures are encuding Navodaya Vidyalaya, Mission School, Public School, Central School etc.

কোলেজ ইজুকেসনগী মাংকৈদ: মনিপুরগী ইহান হানবা ডি, এম কোলেজ আগষ্ট ৬, ১৯৪৬ ইংদা লিংবনি। কোলেজংবম গোরো সিংহনা প্রিন্সিপালগী চার্জ পুরুনা হৌদোক্লবা জনষ্টোন স্কুল বিলডিংদা চখরমই। ধনমঞ্জুরী মহারানীনা লুপা ১০,০০০ পুথোকতুনা হৌজিক লৈরিবা বিলডিং অসি শাবদগী মহাক্কী মমিং লৌদুনা ধনমঞ্জুরী কোলেজ হায়না কৌখিবনি। অহানবদা কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়দা এফিলিয়েট (Affiliate) তৌরমই। ১৯৪৮ ইংদগী গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়দা পরিক্ষা পীখ্রে। ১৯১০ ইংদগী বি, এ থাবা হৌই। হৌজিক লৈরিবা বিলডিং অসি ১৯৪৮ ইংদা শাবা লোইবগা লোয়ননা চহিসিদগী গোভর্ণমেন্টনা লৌশিনখি। ১৯৮০ ইংদগী মনিপুর ইউনিভর্সিটিনা পরিক্ষা লৌবা হৌখি। ডি, এম গী ইহান হানবা রেগুলর প্রিন্সিপাল ডা: আর, থোমাস (থাসিমচা) নি অতুগা ভাইস প্রিন্সিপালনা শ্রী দ্বিজমনি দেব শর্মানি। শ্রীদ্বিজমনি দেব শর্মা First class Gold Medalist B. A. নি। ১৯৫০ ইং অতুরাইদা কোলেজসিগী ছাত্র মশী ২,৫০০ ওইদুনা ভারত্তা চাওরবা কোলেজশিংগী মনুংদা শীংখারম্লবা অমনি।

হৌজিক D. M. Arts and Commerce College হায়নরিবা, মতম অমদনা G. P. Women College হায়না খঙনরম্বা বিলডিং অসি শ্রীদ্বিজমনি দেব শর্মানা লুপা লাখ অমা পুথোকতুনা ইংশোক ১৯৬৫ দা শাবনি। মনাইবেম্মা ঘনপ্রিয়া দেবীগী মীংদা কৎপনি। মতুদগী G. P. Women College কৌখিবনি।

ইংশোক ১৯৭৩-৭৪ দা হৌখিক সেনট্রেল জেলগী মাকলদা লৈরিবা বিলডিং অসিদা হোংজিনখ্রবা তুংদা Arts and Commerce গী কোলেজ ওইখিবনি । ১৯৯৬ গী একাদেমিক সেসন্দগী D. M. College of Commerce হায়বা অমা ওপন তৌরে ।

ডি, এম, কলেজগী মতুংদা ১৯৫২ দা ইম্ফাল কলেজ, ১৯৫৮ দা মনিপুর কলেজ হুমিদাং কলেজ ওইনা লিঙখৎখি । ১৯৬৩ আগষ্ট ৫ দগী থৌবাল কলেজ লিঙখৎখি । চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল বিলডিংদা হুমিদাংবাইদা চখরমই । ১৯৬৩-৬৪ দা এডহোক গ্রান্ট, ১৯৬৯ দগী রেগুলর গ্রান্ট ইন-এইদ ফংখি । ১৯৭৭ ডিসেম্বর ১৬ তা কনভর্সন তৌদুনা গোভঃ কলেজ ওইখি । মোদর্ন কলেজ, ওরিয়েন্টেল কলেজ অমসুং মোইরাং কলেজসু ১৯৬৩ দা লিঙখৎলকখি, থৌবাল কলেজগা লেপ্পানি হায়বা য়াই । ১৯৬৪ দা চুড়াচান্দপুর কলেজ, ১৯৬৫ দা পেটিগ্রু কলেজ (উখ্রুল), ১৫৬৬ তা থা মনিপুর কলেজ (কক'চা), ১৯৬৭ তা সি, আই, কলেজ (বিষ্ণুপুর), ১৯৬৮ দা এল, শাস্তোই কলেজ (নম্বোল) মথং-মথং লিঙখৎলকখি । বাই, কে, কলেজ য়াংজিং) থরা তপথনা লাকখি । য়াংওইম কুমার সিংহনা মসু-মতম চাদনা প্লেন কায়বদা শিখিবদা, মহাকী ফংবা শেল অমু এহৌলোইশঙ অসিদা কংপদগী মহাকী মমিংদা য়াওইম কুমার কলেজ, বাই, কে, কলেজ হায়না থমখিবনি । নোংমৈকাপ্পম গোপাল কলেজ (এন, জি, কলেজ) সু তুপ্পপা লাকখি । কলেজ লৈতবা ডিষ্ট্রিক্টতা কলেজ থম্বা পান্দমদা চন্দেল কলেজ, তামেঙ্‌লোং কলেজ অমসুং তমেংলোং কলেজ লৈখি । হায়গী গ্রান্ট-ইন-এইদ কলেজ ৬, নোৌনা এইদ (Aid) পীবা জিরিবাম কলেজ, সেনা-গোজ্ঞ কলেজ ৭ নি । অরিবা ৬ অহুদি বিরমঙ্গল কলেজ (খঙ্গুম), লিবরেল কলেজ (লুবাংশংবম), ষ্টেন্দর কলেজ (কোংবা),

থম্বাল লৈরিক কলেজ (ওইনাম), ময়ায়লম্বী কলেজ (য়ুম্নাম হুইড্রোম) অমসুং ককচিং খুনৌ কলেজ অসিনি। রিকোগনাইজ কলেজ থাম্নগা রাজ্যগী অপুনবা কলেজ মশীং ৬২ শুরে (Manipur 15th August, 1997)।

(খ) স্কুল কোলেজ এডমিনিষ্ট্রেসন

ইংশোক ১৯৪৬ ফাওবদা তোঙান্নবা ইডুকেসন ডিপার্টমেন্ট লৈরমদে। দরবার মেম্বর অমনা ডিপার্টমেন্ট অসি পুরমই। ডি, আই অমগা Inspecting Pandit অনীগা Inspecting Staff ওই। ইংশোক ১৯৫১ অহুবাইদগী Advisory form of Government লৈবনা Education Administration সু Advisory Council না তৌই। ইংশোক ১৯৫৭ তগী Territorial Council লৈখিবদগী কাউন্সিলনা Control তৌরবসু Principal (Education) অমসুং মহাকপু তেংবাংবা Inspector of Schools হাপতুনা বিভাগ অসিগী থৌ পুই। জুলাই, ১৯৬৩ দগী T. C. Period লোইরবদা State Education Department লিংই। মতুংসিদগী স্কুল কলেজ পুম্নমক ডিরেক্টর অমথক্তনা Head of Department ওইনা Control তৌরম্লদগী ইংশোক ১৯৭০ অহুবাইদগী Director of Education (s) অমসুং Director of Education (U) হাম্লনা স্কুল অমসুং কলেজগী ডিরেক্টোরেট অনী থোক্না লৈরকখি।

ইংশোক ১৯৭২ জনুয়ারী ২১ দগী মনিপুরনা মপুংফাবা রাজ্য ওইবগা লোয়ননা Post Graduate Training (P.G.T.) কলেজ হাংই। ১৯৮০ ইংদগী Adult Education Department হাংই। চহী অসিদা Manipur University সু লিংই

হৌরকহৌদগী আসামদা নপচত্তুনা মেট্রিক থাময়বা অদু ইংশোক ১৯৭৩-৭৪ দগী তোকই ; চহীসিদগী Board of Secondary Education লিংই। অদুগা ১৯৯১ ইংদগী Council of Secondary Education লিংতুনা P.U.C. পরিক্ষা লৌবা হৌই। National Policy on Education, 1986 গী মতুংইন্না মনিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা Navodaya Vidyalaya অমমম লৈহনখি।

❋❋❋❋❋

লাইরিক হৈবগী চাং ঃ

১৯০১	১৯৪১	১৯৬১	১৯৭১	১৯৮১	১৯৯১
নুপা চাদা১	চাদা ১১.৪	৫৩.৪৯	৫৩.৭০	৬৪.১২	৭২.৯৮
নুপী মোরমদে	তিমক ওইরমী	১৮.৮৭	২২.৮৭	৩৪.৬১	৪৮.৬৪
0%	১১.৪%	৩৬.০৪	৩৮.৪৭	৪৯.৬১	৬০.৯৬

(Manipur Education Commission-Report 11,1992)

য়েংশিনবা :— স্কুল অমসুং কলেজ পুম্না পুরবা Education Director ওইরবা মীওইশিং।

1. S. B. Bahuguna from April, 1958 to Dec. 1961

2. Shivanath Jha Dec., 1962 to Dec., 1963
3. S N. Kaul August, 1964 to April, 1966
4 Nando Babu Sinha October, 1966 to Dec. 1969

ডাইরেক্টর অনি থোক্লবা মতুংদা স্কুল পুরম্বা/পুরিবা

5. L. Tomcha Singh from May, 1970 to
6. T. Ibotombi Singh Sep 1974 to June, 1980
7. E. Yaima Singh Sep 1980 to Dec. 1981
8. Th. Bira Singh April 1982 to 29 Feb. '96
9. Th. Shamuangou Singh March 1996 to June 2000
10. A. Shamuangou Singh June 2000 —

ইজুকেসনগী তোঙাল তোঙালবা ফিলডদা অহানবা

১। অহানবা স্কুল হেড মাষ্টর মিঃ ডব্লিউ. পেটিগ্রু সাহেব
২। অহানবা ডিপুটি ইন্সপেক্টর ওফ স্কুলস ওইবা মীতৈমচা তোম্বাবু
৩। ,, ডি. এম. কলেজ প্রিন্সিপাল আর. আর. থোমাস ৯-১২-৪৬
৪। ,, ডি এম. কলেজ প্রিন্সিপাল (মনিপুরী) দ্বিজমণি দেব শর্মা
৫। ,, ডিরেক্টর অফ ইজুকেসন এস. বি. বাগ্চুন
৬। ,, ,, (মৈতৈমচা) নন্দোবাবু সিনহা
৭। ,, মনিপুরী ইউনিভর্সিটি ভাইস চ্যান্সেলর ডা. টি. এইচ. রোখো (৯-২-৮০
৮। ,, (মনিপুরি) আই. এস. খাইদেম
৯। সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল ইউনিভর্সিটি ভাইস চ্যান্সেলর ডা. এম.পী
১০। অহানবা মেট্রিক পাস রাজকুমার ঝুমজাও সিংহ (১৯০৯-১০)

১১। অহানবা বি, এ, পাস (নুপা) শোগাইজম সমরেন্দ্র সিংহ

১২। ,, (নুপী) এম, কে, বিনোদিনী দেবী

১৩। ,, (মুসলিম) মুঃ কাজি রালিউল্লা

১৪। অহানবা বি, এসসি হৈক্রুজম নবকান্তা সিংহ

১৫। অহানবা এম, এ, পাস (নুপা) হিদংময়ুম দ্বিজমনি দেব শর্মা

১৬। অহানবা এম, এ, (নুপী) অরাম্বম সরোজনলিনী দেবী

১৭। অহানবা এম,এস,বি পাস (নুপা) লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ

১৮। ,, (নুপী) আর, কে, সনাজাওবী দেবী

১৯। অহানবা বি-ই (সিভিল) পাস য়াম্বেম তোম্বী সিংহ

২০। অহানবা এম,বি,এফ, আর, সি, এস পাস ড ঃ নন্দো বাবু রোয়

২১। মনিপুরগী অহানবা ডাক্তর ডাঃ গোবর্দ্ধন সিংহ (নিংথৌখোং)

ওলিৈ মতমদা মেত্রিক থাবা অমসুং পাস তৌবা মশীং :

মেত্রিক পরিক্ষা সেন্টর ইহান হানবা ওইনা ইম্ফালদা হাংতুনা

ইম্ফাল সেন্টরদা পুম্নমক পুল্লগা থাবা :

১৯৫৯ দা ইম্ফাল সেন্টরদা মী ১৮৭১ মেত্রিক থাই, ৭৪৬ পাস তৌখি।

১৯৬০	,,	২০৮৭	,,	৭৯৭	,,
১৯৬১	,,	১৭৬০	,,	১০.৬	,,
১৯৭২	,,	৩৬৫৮	,,	৮৮১	,,
১৯৬৩	,,	৪৩০৪	,,	—	

মনিপুর বোর্ডনা হাই, এস, এল, সি পরিক্ষা লৌবা হৌবা ১৯৭৩

ইংদগী হৌজিক ফাওবগী রেকোর্ড :

চহী	পরিক্ষা থাবা	পাস তৌবা	ফেল ওইবা	পাস তৌবা চাং
১৯৭৩	৯৮১৯	২৮৩১	৬৯৮৮	২৩.৪%
১৯৭৪	১০,৭৩৬	৩৭২৫	৭০১১	৩৪.৫৯%
১৯৭৫	১২৭০৩	৪২৫৯	৮৪৪৪	৩৩.৬%

১৯৭৬	১৪৯৬৯	৩২৩১	১১৭০৮	২১.৫%
১৯৭৭	১৩,৯৩৩	৫৯৫০	৯৯৮৩	২৪,৩৫%
১৯৭৮	১৪,৭৫৬	৪৭১৩	১০,০৪৩	৩১,৯৮%
১৯৭৯	১৬,৭৮৬	৫৮৯৩	১০,৮৯৩	৩২,৭২
১৯৮০	১৯,৭০৬	১১,১২০	৮৫৮৬	৫৪,৪৩%
১৯৮১	১৮,৮৭১	৮৪১১	১০,৪৬০	৪৪,৫৭%
১৯৮২	২৪,৩০৬	১১০৪১	১৩২৬৫	৪৫,৪২%
১৯৮৩	২৭,১৩৩	৯২২৪	১৭৯০৯	৩৩,৯৯%
১৯৮৪	২৮,৩২৫	৬৪১৩	২১,৯১২	২২ ৬৪%
১৯৮৫	৩৭৬৯৩	১১০৮১৭	১৫ ৮৭৬	৩১.০৫%
১৯৮৬	১১৫৩৯	৫০৩৮	৮৫০১	২৬ ১০%
১৯৮৭	১৯৪৮১	৬৯৯৯	১২.৪৮২	৩৫ ৯৩%
১৯৮৮	২৬০৫০	৮৪২২	১৭.৬২৮	৩২,৩৫%
১৯৮৯	৩১.৬৭৮	৮৪৩২	২৩.২৪৬	২৬ ৫৯%
১৯৯০	৩৬,৯০০	১০ ৯২৩	২৫.৯৭৭	২৯ ৬০ ’
১৯৯১	৪৯,৮৮৩	১৯,৪২৫	৩০,৪৫৮	৩৮ ৯৮ ’
১৯৯২	১৮.১২৯	৫৩৩৯	১২.৭৯০	২৯,৪৫ ’
১৯৯৩	৩২,৭৯৪	৭৬২৬	২৫,১৬৮	২৩,২৫ ’
১৯৯৪	৩৯০৪৪	৯২৫৯	২৯,৮০৫	২৩.৬১ ’
১৯৯৫	৪৭,০৫৫	১৫,৭৯০	৩১,২৬৫	৩৩,৫৩ ’
১৯৯৬	৪৬,০৭৬	১৩,৭৩৭	৩২,৩০৯	২৯,৮৭ ’
১৯৯৭	৪৬০৩০	১৭,৮৮৪	২৮,১৪৬	৩৮ ৮৭ ’
১৯৯৮	৪৩৪০০	২০,৯৯৮	২২,৪০২	৪৮,৫৭ ’
১৯৯৯	৪৫১১০	১৬৮৮৫	২৫,২২৫	৪০,০৯ ’

চহী ২৭ কী মপুংসিদা পরিক্ষা থাবা মশীং ৬,৯১,৮৭৫ পাস তৌবা ২,০১২,০৯৫ ; ফেল ওইবা ৪,৭৮,৫৮০ মার্ক ১০০ গী মপুংদা ৯৯ ফংবা য়াবরা ? বিমোল গুহানা বোর্দ কী সেক্রেটরী ওইরিঙৈদা বেঙ্গলী হায়স্কুলগী মহৈরোই অমনা অঙ্কদা ৯৯ ফংবদা গুহাতি য়ুনিবর্সিতগী মোত লৌখি । ১৯৯৭ ইংদসু কেন্দ্রিদেত অমমা অঙ্কদা ১০০ গী মরুংদা ৯৯ মার্ক ফংখি । ১৯৯৮ দনা লিতর ফ্রবারগী ১০ শুবা পোজিসন্দা লৈখিবা মহৈরোই অমনা অঙ্কদা ১০০ গী মপুংদা ৯৪ ফংখি । রেকোর্দ নি ।

মনিপুরগী হায়র সেকেন্দরি ৬

(জনষ্টোন, তম্ফাসনা থৌবাল, মোইরাং, উখ্রুল, তমেংলোং)

১ । জনষ্টোন স্কুল — জনষ্টোন সাহেব (১৮৭৭-১৮৮৬ কী পোলিটিকেল এজেন্ট) না ১৮৮৫ দা বৃটিশ রেসিডেনসী মপুংদা ইংলিস মিডল স্কুল ওইনা লিংখি । মিঃ উইংসনা অহানবা হেডমাষ্টর ওই । মীতৈ লৈবাক্তা ইংলিস তম্বা মাওই হায়নবদগী মহারজনা ঈংলিস তাবু য়ানিংলমদে । থঙ্গাল জেনেরেলদা সাহেবনা চঙজখি । জেনেরেল কৌবদো বৃটিসনসু য়ারগে, স্কুল অসি লিংবসু য়াবিয় হায়নহুনা স-াকোয়ুনা অয়াবা পীরবা কান্দা খ্বাইরঙন বজারদা (হৌজিকী ডিষ্ট্রিক হোসপিতালগী থাথংবা ফিয়োল্লবা মুপী কৈথেল) অসিদা কচ্চা বিলডিং অমা হোংদোকই । ক্লাস নাইন ফাওবা মথং মথং হাংলকপনা টেন হাংলমদাইদা মিঃ উইংসন লিংথ্রে মিঃ ফিলিপপোর্টসনা হেড মাষ্টর ওইরবা কান্দা

মপুং ফাবা হায়স্কুল ওইখি। মথংদা যামিনী সুন্দর গুহা (বাঙ্গালী) না হেড মাষ্টর ওইরবা তুংদা ১৯২১ দা কলিকতা ইউনিভর্সিটিগী মখাদা অহানবা মেট্রিক থাই।

হৌজিক লৈরিবা জোনষ্টোম স্কুলগী বিলডিং অসি ইংশোক ১৯৪৭ ডগী শাবা হৌরগা ১৯৪৯ ইংদা হোংজিনবনি। মচুগী মমাঙদা হৌজিক ডিষ্ট্রিক হোসপিটাল (মতমহৃদা Women Hospital কৌরম্বা) গী থাপ্‌ংবদা নুপী কৈথেল ওইরিবা মফম অসিদা লৈরমই। মনিপুরগী শক্লাইরবা লময়ানবা অহানবা ডাঃ শ্রীখোকচোম গোবর্দ্ধন (নিংথৌখোং), অনীশুবা ডাঃ শ্রীনিংথৌজম লৈরেন সিংহ (উকিল সিনোয়গী মপা) অমসুং শ্রীলমাবম কমল সিংহ (কাঞ্চিপুর) স্কুল অসিগী ছাত্রনি। শ্রীগোবর্দ্ধন ইংশোক ১৯১৪ দা ডিব্রুগড়গী Beery White Medical School দগী এল, এম, পি পাস তৌবগা চহী ৪৯ চুপ্পা সরকারগী থবক তৌরমই। ডাঃ লৈরেন-না চীংদা চংলু যাদবদগী লম্বাই ডাক্তর ওইরমই। ডাঃ কমল-না মশাগী চহী ৩৬ শুরদা ইংশোক ১৯১৪ গী ফেব্রুয়ারী ৬ তা নোঙ্গখি।

মৈত্রবাকী লময়ানবা ডাক্তর শ্রীগোবর্দ্ধনগী মপাবুংদো 'হাজারী' ফম পায়রমই। অতুনা মখোয়গী কাঙবুব হাজারীময়ুম হায়না খঙনরেই। মহাক ১৮৮৯ হিয়াঙ্গৈগী নোংম পানবদা নিংখৌখোংদা পোকই; ১৯৬৪ ফাইরেনগী ৭ নি পানবা শগোলশেন মুমিত্তা নোঙ্গখি। এম.এল, পি পাস তৌবগা ১৯১৪ দগী থবক তৌরকপনা চহী ৪৯ চুপ্পা শীংথানবা য়াবা শার্ভিস তৌরমই। শ্রীগোবর্দ্ধনগী ওমথংদা ডাঃ লৈরেন, ডাঃ কীর্ত্তি, ডাঃ ভৈগ্য, ডাঃ কমল অমদি ডাঃ তোনম্বা মীয়ামনা শীংথানৈ।

❋ মিঃ জনষ্টোন সাহেব ১৮৭১ ফেব্রুয়ারী ৯ দা পোকখি, ১৮৯০ জুন ১৩ দা শিখি।

২। তম্ফাম্না গার্ল্‌স হায়ার সেকেণ্ডরী স্কুল—

N. B. স্কুল অসিগী মপুংফাবা রেকোর্ড ফংদবনা মরম ওইদুনা মশাগী হৌরকখিবনচিংবগী ৱারীদি হাপচদরে।

৩। থৌবাল চাউয়াইমা হায়র সেকেন্দরী স্কুল—

থৌবাল মায়কৈদা অহানবা লাইরিক তম্না মীওইশিংগী মরক্তা ৱাইখোম নিমাইচান্দ লময়ানবনি। মাইকৈ অসোমদা লাইরিক তম্মকপা লময়ানবা খুদিংমক মাগী মন্থুং ইল্লকপা ভাক্তনি হায়নৈ। ১৯২৬-১৯২৮ অদুবাইগী ৱানি। জোনষ্টোন স্কুলনা উচ্চ প্রাইমারী স্কুল ওইরিবৈ স্কুল অসিথক্তা ভাইরিবৈ মতম্নি।

জোনষ্টোন স্কুল চন্দবদগী মোইরাংখোম উচ্চ প্রাইমারী, থাংমৈবন্দ উচ্চ প্রাইমারী কৌবা অতোপ্পা স্কুল অমী অমসু থোক্লে। থাগী ফি শিকি তামাম হুল্লি। ১৯২৯ ইং জুন থাদা শাথীরবা ঈশিং ঈচাও থোকখি। লৌৱাই-খুৱাইগী ছাত্র অয়াম্বা ইম্ফাল চৎলবা ৱা বা মতম্নি। থোবাল মায়কৈগী ছাত্রশিংনা থৌবালদা এম, ই অমত্তং লৈহনরবদি ইম্ফাল চৎলবগী অৱাবা কোকনবনিকো খল্লে। শ্রীনিমাইচান্দ মেত্রিক থাগদোরে। অথোকপনগী টি এইচ, লিক্লাই সিংহদি ক্লাস নাইন্দগী তোকখ্রে। '৩০ ইং আগষ্ট ১৭ নোংমাইজিং সুমিংতা থৌবালগী ওজা গুরু পুম্নমক্কী ওইবা মিটিং অমা তৌরে। থৌবাল স্কুলগী হেড পণ্ডিত কুঞ্জম সিংহনা সভাপতি ওই। লিটরেরী ক্লব লিংলগা মেম্বর ওইনবা মী খল্লে, মেম্বরশিংনা থাগী চান্দা থাইরগা শেন্দোই শান্দোকপা, শেলদুনা চাউরক্লা স্কুল লিংবা লেপনৈ। মাদুনা মরম ওইদুনা

১৯৩৯ এপ্রিল ২৩ খোঁবাল নিম্ন প্রাইমারী স্কুলশঙদা এম. ই. থাকী স্কুল অমা লিংবা হৌই। খরা লৈরগা অকোইজম রাম সিংহগী শক্তাইদা হোংই। ১৯৩৩ ইংদা খোঁবাল কেথেল মচুংদা লাংপোকলাকপম চাওরাইমা সিংহগী দুকান মনাক্তা হৈদো মপেশঙদা হোংদোকই। ১৯৪২ ইং মৈত্রবাক কাম্বা ফাওবদা মক্তম অসিদা স্কুল চথরমই।

এম. ই স্কুলসিগী অহানবা ওজাদি শ্রীনিমাইচান্দ সিংহ, শ্রীলিক্রাই, মতুংদা শ্রীকৃষ্ণ সিংহ অমসুং শ্রীগোকুলচান্দ সিংহ অসিনি। ১৯৩৫ ইংদগী শ্রীলিক্রাইদি থাওবোক এল. পী স্কুলগী ওজা ওইখরে। মতম অদুদা এম. ই স্কুলদা ওজা ওইবশিংদা পীরম্বদো লুপা ২/৩ থক্কংনি। মাহুত্তু ছাত্রশিংগী ফিস-ভগী নি। ওঝাশিংনা ফিশুফিজামবা পিবনি।

লিটরেরী ক্লাবতগী স্কুল হৌরকপা ফাওবদা মোইরাংথেম দুন্দম সিংহনা প্রেসিডেন্ট অমদি ঙাঙোম তোম্বা সিংহনা সেক্রেটরী ওইরকই। ১৯৩৩ ফাওবা মখোয় অনীনা পুই। ১৯৩৪-৩৫ দগী ঙাঙোম তোম্বা সিংহ অমদি রাইখোম থম্বো সিংহনা প্রেসিডেন্ট অমদি সেক্রেটরী ওই। মনিপুর ষ্টেট দরবারনা লৈবাকী শাসনগী চুপ্পি পায়রম্বা মতম্মি। ষ্টেট দরবারদা ফনা কম্বা হাঃজরনা ফাওরদা সরকারগী তেংবাং কৰি অমত্তা কংদ্রবদা স্কুল কমিটিগী প্রেসিডেন্টগী ফল অদু দরবার মেম্বর শ্রীসঙ্গেনবম নোদিয়াচান্দ সিংহনা (ফোরেষ্ট মেম্বর) পায়রম্লে। অদুগা ঙাঙোম তোম্বা সিংহনা সেক্রে ওই। শ্রীনোদিয়াচান্দ সিংহন ফোরেষ্ট্র রোয়েলটি কোকপীদুনা মতম অদুগী ডাক বঙ্গলো মমাঙদা হৌরম্বা তাইরেল পাম্বী অচৌবা অমা পীবিদুনা স্কুলগী ফাল-নুং চল্লে।

১৯৩৯ দগী ১৯৪১ লান মমাঙগী মতম থরা থৌবাল ডিসপেন্সরী ইন-চার্জ পুরম্বা কম্পাউন্দর মোইরাংথেম গৌরচান্দ সিংহনা সেক্রেটরীগী থৌ পুই। মতম অদুগী কমিটি মেম্বরসিংদি গুইরোংবম অতোয়াইবা সিংহ, অকোইজম রাম সিংহ, অকোইজম গুলাপ সিংহ, লাইথুরাম লোংলৈ (রাংজিং) থৌনাওজম কার্ত্তিক সিংহ, কোইজম বিজয় সিংহ, ফুরাইলাৎপম বীধু শর্ম্মা, থিঙুজম বিজয় সিংহ, য়াম্বম তোম্বী সিংহ, থোঙাম লিক্লাই (অথোকপম) অমসুং মনাও তোন সিংহ মখোয় ১১ অসিনি। মতম অসিবাইদগী লাংপোকলাকপম চাওয়াইমা সিংহনা শেলগী মতেং পাংবা হৌই।

১৯৪২ ইং মে ১০ অমদি ১৬ তা ইম্ফালদা বোম থাদবদগী লৈবাক কায়বগা লোয়ননা স্কুল থিংজিল্লে। ফনা কুইনা থিংই। মনিপুর পুম্নমকনি। ১৯৪৩ ইংদা হাংদোকপা ওম্বা স্কুলদি জোনষ্টোন স্কুলথকনি। হেড মাষ্টর কোঞ্জেংবম গৌরো সিংহনা অতাং থোমহুনা মাগী থাগেমপাল্লদা হাংবান। হাংবা শুমিত্তা মহৈরোই ১২০ থক ফংখি। ১৯৪৫ ইংদনা অফম্না ইংলিস থর লৈরগা উরিপোক্পা তোম্বীসন হায়স্কুল হাংখি। থৌবাল স্কুলনা হাংবদা ১৯৪৬-৪৭ কী সেসন্স অহুবাইদগীনি। লাল মনুংদা মিলিটরী শিংনা স্কুল মনুংদা লৈরম্বদগী শঙ ফাওবা থুদেকপীরম্লে স্কুল হাংবা চৎলূবদদি শঙ লৈরমহ্নহুনা ওক্রম গুলাপ সিংহগী শঙ্গাইদা চলাহবা হৌই। এল, পী, গী পাণ্ডিত শ্রীগোকুলচান্দ সিংহ অমসুং সৌভাম ইবুংঙোহল অনীনা স্কুল পুই। ১৯৪৫ ইং জনুয়ারী ৪ দগী নিংথৌজম কুলবিধু সিংহনা সেক্রেটরী ওই। লান মতুং স্কুল হাংবা মতমদা বাইথোম নিমাইচান্দ সিংহ অমদি শ্রীকৃষ্ণ অনীদি লাঞ্জেল্লবদগী হুল্লকত্রি। অহুনা কোনসম গুলাপ

সিংহবু হেড মাষ্টর হাপ্লে। খরা মৈরগা শ্রীনিমাইচান্দ সিংহগী য়ুমদা স্কুল হোংই। অদুগা অমুক শভা অহু নোং মুংশিংনা হুমদোকখিবদগী পোপুলর থিয়েটর হোলদা স্কুল হোংই। মহুদগীসু অমুক্কা থোবাল এল. পী. স্কুলদ হোংই। ক্লাস খরা অমসু মৈতাম্মেম কহাইনা কৎপা বালিকা স্কুলদসু চলাইরম্মী। তাং ১৬/৪/৪৫ ইং কমিটি মীতিংদা শ্রীকোন্সম গুলাপ সিংহবু মথং থনবা হেড মাষ্টর, অদুগা শ্রীনিমাইচান্দবুনা হেড মাষ্টর ওইহল্লে। শ্রীকৃষ্ণদি মতম অসিবাইদগী এঝা ওইবহু তোকখ্রে।

১৯৪৬, আগষ্ট থাদগী ষ্টেট গ্রান্ট থাদা লুপা ৫০/- ফংলে। হায়স্কুল ওন্নবা পব্লিক মিতিং তৌই। এস.ডি.সি শ্রীক্ষেত্রিময়ুম গোকুলচান্দ সিংহনা সভাপতি ওই। হায়স্কুল ওনবা মীয়াম ১ য়ারে। ১৯৪৮ ইংদগী ক্লাস সভেন হাংই। গৌহাতি ইউনিভরসিতিনসু রিকোগ্নাইজ তৌবীরে। চিফ-মিনিষ্টর মাখা শ্রীয়োত্রত্তনা স্কুল শঙ শানবা থোবাল তোমজিং চীং তেমখায়বদা অঙম্বা তেংবাঙ পিবীরে। শ্রীলাংপোক্লাকপম চাওয়াইমা সিংহনা লুপা লিশিং ২০ পুথোকপীহুনা স্কুলশঙ শাবীরে। কমিতিগী তাং ১২/৯/৪৮ ইংগী মিতিংনসু স্কুল অসি চাওয়াইমাগী মীংদা থমনবা রায়েপনরে। স্কুল শঙগী ডিজাইন অসি য়াম্বেম তোম্বীগী পাউতাক মজুংইমা শ্রীলাইশ্রম বীরেন অমশুং চন্দ্রহাস অনিনা য়েকতুনা পুথোকপনি। তিন ফংদবদগী ১৯৪৯ চহি অমা বিলডিং অহু নোংখাং চাইহুনা লৈকুরে। ১৯৫০ দা টিন ফংহুনা কুপশিল্লে। ১৯৫১ ইংদা হোংজিল্লে।

১৯৫২ ইংদা অহানবা বেটচ ওইনা ছাত্র ৯ মেট্রিক থাই। মোইনা পাস তৌই। স্টেট গ্রান্ট লুপা ১০০ জুলাই ১৯৫২ ইংদগী পীবীরে।

চিফ-কমিস্নার শ্রীহিম্মৎনমু স্কুলশিদা হিন্দি সবজেক্ত হাংবগীদমক থাদা লুপ ৫০ অশু গ্রান্ট পী। ১৮৫৩-৫৪ ইংদা শ্রীগুলাপ সিংহ বু বিংতি ত্রেনিং থাবদা সরকারনা লুপা ১২০০ পাংবীখি। হেড মাষ্টর তোরাংবম ইবোতোম্বী সিংহবুশু বিংতি ত্রেনিং থাবদা লুপা ১২০০ সরকারনা পী। পরিক্ষা হোল শানবা ত্তিন বন্দক(বান্দ) ১০ মু পীবিরকই। তোমজিং চীংয়াদা হৌজিক লৈরিবা পুখ্রি অসি শ্রীমতি গোইবম নিংতোল অমুরী দেবী অমসুং মুহাম্মদ অব্দুল জবারনা স্কুলগীদমক কৎপিবনী। কমিউনিতি প্রোজেক্তা অমুক চাউথোকহনখিবনী। নিংশিংবা য়াই মহুদি গ্রেজুয়েটনা হেড মাষ্টর ওইদবা য়াদে হায়বদগী উরিপোক তোরাংবম লৈকাইদগী তোরাংবম ইবোতোম্বীদা হায়দুনা স্কুলগী হেড মাষ্টর পুহনখিবনী।

চিফ-কমিস্নারগী মথাদা লৈরম্বা এডভাইজরী বোর্ডনা স্কুল অশি গোভর্নমেন্ট স্কুল ওইনা লৌশিনবা বা হোদোক্লবা মতাংদা কমিতিনা চহি ২২/২৩ মাংলক্লবা ওঝা পুম্নমক্কী পুন্সি কনবীয় হায়জবদা য়াবীদুনা তাং ২ | ১ | ৫৫ ইংদগী সরকারগী স্কুল ওইখি। হান্না থৌবাল হায়স্কুল কৌরম্বা অদো দোমরগী মমিং লৌদুনা "চাউয়াইমা হায়স্কুল" হায়না মুমিং অসিদগী মিংথোনখিবনী। ওর্ডর অমু কোজেংবম গৌরো সিংহবু ইন্সপেক্তর ওফ স্কুলনা এসেট অমসুং লাইএবিলিতিগা লোয়নবা ভিংকেক্তর ওইনা থোকপীখি। ১৯৬২-৬৩ অহুরাইদগী হায়র সেকেণ্ডরী ওনখি অহানবা বেটচকী হায়র-সেকেণ্ডরী স্কুল ওইবতা নত্তে, থৌবাল ডিষ্ট্রিক্কী অহানবা ঙৈমহৌরোল স্কুলনি হায়বা তাই। ডিষ্ট্রিক অসিগী মীথোই মীহেল্লবা থুমিংমক স্কুলসিগী পোংথোক ওাক্তনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

১৯৪৭ কী মমাঙগী মনিপুরগী শক্লাইবা খরাঃ-

(১) **হাওদৈজাম্বা চৈতন্য ঃ-** মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা আসামগী চিফ কমিশ্নার কর্ণেল কটিজ্ঞগী শরারী ওইনা শিলংদা শ্রীহাওদৈজাম্বা গোকুল সিংহবু লৈহলম্মী। মহাক্না শিলংদা লৈরিঙৈদা হাওদৈজাম্বা চৈতন্য পোকখি। চহী ১৫ রোমগী মতুংদা মণিপুরদা থোরক্লম্মী। মীতৈমচা মরক্তা ইংলিস ইবা-পাবা ঙম্বসি মহাক্না অহানবা ওইরমই। সুরচন্দ্র মহারাজগী সনাতোম্বী (বড় সহেব ওংবী সনাতোম্বী) বু মরা ময়ুমদগী মেক্সরেল সাহেবতা ওংখি। মাগী নুপী লৌখিবগী মমল ওইনা মপুবোইবা নোংমাইথেম মনিকচান্দ সিংহনা লুপা ২০০ পীয়ু হায়বা দরখাস্থ অদু হাওদৈজাম্বা চৈতন্যনা ইরুবগীদমক ক্লার্ক ওইরম্বা ফম লৌথোক্লগা মণিপুরগী রাংমদা কাছাড়দা তাম্থোকখি। হাওদৈজাম্বনা ভারতকী ভাইসরোযদা রাকৎপদগী মেক্সরেলবুসু ১৯০৫ দা মণিপুরদগী লৌথোক্লুনা সেক্সপিয়ার সাহেব থাজিল্লকখি। ১৮৯৯ ইংদা "খম্বা থোইবীগী রাবীনি", ১৯০০ দা "খাহি ঙম্বা", ১৯০২ দনা "চিংথংখোম্বা" শিলেটতা ফোঙখি।

(২) **কমিনিকুমার ঃ-** কাছাড, ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশতা হৌজিক খুন্দা লৈতাবিবা মীতৈ অমসুং মনিপুরী পাঙল অয়াম্বা চহী তবেৎ খুন্তাকচৈদা লাঞ্জেল্লুবদগী অমুক মনিপুবদা হল্লকখিদ্রবা ঙাক্তনি। শনশম কমিনিকুমারগী মবুধৌ পুবেন কুমুন্দ সিংহ অসুম্না লাঞ্জেনবদা য়াওখিবা মীওইনি। লানজেনবা চৎলিঙৈদা তোংজৈ মবিনদা লমথাংদা কামিনিকুমারগী মবুধৌ হেমবর্ন পোকই। অঙাং অদু পুবগা হিংনবগী লানফমদা ঈ নৌবিবা মমা মচা পুবগা শ্রীকুমুন্দ সিংহ ত্রিপুবাগী মনুংচনবা বাম্মুটিয়া কৌবা খুঙ্গংদা খুন্দাকই। মফমদুদা হেমবর্ননা মচানিপা নবকুমার পোকই। মচলনুপী অহুমনি। মখোয অহুম্মাক ত্রিপুবাগী নিংথৌ মচাশিংদা ওংখি। নিরুপমা অমসুং ক্ষমাবতি কৌবী মচল ২মক মতমদুগী ত্রিপুবাগী নিংথৌগী মজা ইবুংঙো নবদ্বীপকিশোর দেব বর্ম্মনদা ওংলমই। ফাওববা ম্যাজিক ডিবেক্তব কুমাব শচীন দেব বর্ম্মন হায়বা অদু নিরুপমা হায়বা মীতৈ নিঙোল অসিনা পোকপনি।

শ্রীনবকুমার সিংহগী মচা ওইনা কামিনীকুমার ইংশোক ১৮৮৩ দা বাংলাদেশকী মনুংচনবা কুমিল্লা হাযবা লমদমদুদা পোকখি। মমা ইবেম্মা চন্দ্রকলা মনিপুবগী "অরাম্বম নিত্যাই নন্দ" গী অখারা লীংখৎপীবম্বা অবাম্বম থংগোংঙম্বা কুমুদ অমসুং [illegible] খেখযগী নিংঙোলনি। মতমদুদা নিংথৌনা নবদ্বীপকীশোবগা মহাক্কী মখুলা নিংথৌ বীচবন্দ্রগা নিংঙাই তৌনবদগী নবদ্বীপকীশোবনা ত্রিপুবা থাদোক্লুনা বাংলাদেশকী কুমিল্লা [illegible] লৈরিঙৈদা শ্রীকামিনীকুমার পোকখি [illegible]

মখোয়গী ইমুং অদু ত্রিপুরাদা অমুক হল্লক্কুনা যুম লীংদুনা লৈরবা মতুংদা কমিনিকুমার ইংশোক ১৯১০ দা বি, এস-শি পাস তৌদুনা ত্রিপুরা সরকারগী থবক তৌবা হৌখি। মথং মথং ফম কাদুনা এম,ডি,ও,এম,পি, ওইরমই। কোম্বুংদা ইংশোক ১৯৩০ দগী ১৯৪০ ফাওবা ত্রিপুরাগী Minister of Agriculture, Forest, Medical and Revenue মথং মথং ওইরমই। চহি ৩৬ চুপনা ত্রিপুরাদা মীতৈ অমগী মশাগী মতি মগুন উৎলম্বা মীতৈমচা অহানবনি। শ্রীকমিনিকুবার সিংহ কাছাড়, ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশতা লৈজরবসু মরৈবাক অমসুং মমা লোন মনিপুরীবু চাওখৎহন্নীংবগীদমক মনিপুরি সাহিত্যা পরিষদতা লুপা ১০০০/- (লুপা লিশিং অমা) দান তৌবিবকখি। মদুগী আয়না সাহিত্যা পরিষদনসু মপান্দা লৈখ্রবা অফবা মনিপুবি অইবশিংদা মনা ওইনা পীরি।

শ্রীমোইরাংথেম ইরাবোত সিংহ

ডিপুটী ইন্সপেক্টব ওফ স্কুল, থৌবাল

(৩) **রাজা ডুম্ব্রা ঃ-** নিংথৌ সুকওই ওইদনা "রাজা" হাযবা মিংথোল কনাদা পীখি" বাজা ডুম্ব্রা সিংহ; চুডাচান্দ মহাবাজগী মযাম্বুং অহলনি। নবসিংহগী মচানিপা ববাচাউবা (ভুবোন সিংহ) না পোকপা চাওবীযাইমা অমসুং মোইবাংথেম নিঙোল ললিতা মঞ্জুবি অনীগী মচা অহল অসি ১৮৭০ ফেব্রুযারী থাদা পোকই। ১৯৩৫ জুন ২০ দা নোঙ্গাখি। সেনাপতি ডুম্ব্রা সিংহ মে ১৫, ১৯০৭ তগী জুন ১৮, ১৯৩৫ ফাওবা মনিপুর ষ্টেট দরবাবগী মেম্বব ওইরম্মী; জুদিসিযারীগী থৌ পুবমই। মচাশিংনা মপাবুংগী মিংদা "রাজা ডুম্ব্রা হায স্কুল" অাস কৎলম্মনি। স্কুলসিগী এরিয়াবু পুরানা রাজবাডী হাযনা খঙনৈ। চুডাচান্দা লৈবম্বা জগা ওইবদগী বাজবাড়ী হাযনা খঙনখিবনি।

(৪) **শৌগাইজম ইবুংঙোচৌবা সিংহ ঃ -** মতম অমদা শৌগাইজম মেজব/জেনেবেল ওইরম্বা বলবাম (বোলাই) অমসুং নবসিংহ মহাবাজগী মচানুপী চোনুম্না দেবী অনীগী মবিশুবা মচানি। যাইস্কুলদা ১৮৭৬ ইংদা পোকই। যুমদা নৈনদুনা হিন্দি, বাংল অমসুং ইংলিস হৈখি। জেল/ইজুকেসন বিভাগ পাযরমই। তিগম ইরাবোতকী মনে ইবেতোন দেবী লোই। মচা ৫ পোকই। ১৯১৭ ইং ডিসেম্বব ১৯ দা মশাগী চহী ৪১ দা নোঙ্গাখি।

(৫) **শৌগাইজম ভুবোন সিংহ (১৮৭০-১৯৪৩)ঃ-** মথক্কী ইবুংঙৌচৌবগী ২শুবা ময়াম্বনি। ১৯১২ ইং ডিসেম্বর ২০ দগী Additioal Durbar Member ওইবদগী চহী ৬ লৈরগা জুলাই ২৪, ১৯১৯ ইংদগী Ordinary Durbar Member ওই। জেল বিভাগ পুরমই। ডিসেম্বর ৫, ১৯৩১ ইংদগী মাকোনুং ট্রেদিসনেল লোইশঙগী মন্ত্রি হাপ্পদগী নুমীৎ অসিদগী দরবার থাদোকখি। মশাগী চহী ৭৩ শুবদা রাধাকুণ্ডদা পোইনুগী ২৪ নি পানবা ১৯৪৩ ইংদা লৈখিদরে।

(৫) **শৌগাইজম সমরেন্দ্র সিংহ (১৮৯৪-১৯৮৫)ঃ-** ইবুংঙোচৌবা (মথক্কী নং ২) গী মচানিপা শ্রীসমবেন্দ্র জুলাই ১৪,১৮৯৪ ইংদা পোকই। ১৯২০ ইংদা বি,এ পাস তৌবগা ১৯২৫ দগী মহাবাজগী A.D.C. ওই। অদুগা ১৯২৯ ইংদগী মহারাজগী প্রাইভেট সেক্রেটবী ওই। ১৯৩১ ইংদগী দরবাব মেম্বর ওই। ১৯৪৪ ইংদা চিফ কোর্টকী চার্জ ওই। ১৯৪৬ ইংদা অমুক্কা ষ্টেট দরবার মেম্ববদা হঞ্জিল্লকই, মসিদা আগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ ইং ফাওবা লৈরমই। কংগ্রেস টিকেটতা ১৯৪৮ ইলেক্সনদা ভোট কাই। ১৯৯৫৩ দা প্রজা সোসিলিষ্ট পার্টি যাওই। চুবাচান্দা হায়স্কুল অমদি ধনমঞ্জুরী কোলেজ লিংবদা, Manipur Sports Association লিংবদা মকওইবা মীশক্কি। মার্চ ১,১৯৮৫ ইংদা থুপখি।

(৭) **লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ (১৮৯৫-১৯৬৬)ঃ -** থাংমৈবন্দা মার্চ ২৭,১৮৯৫ দা পোকই। মনিপুবগী অহানবা Bachelor of Law নি। ১৯২৬ তা সদব পঞ্চায়েত মেম্বব ওই। ১৯২৭ তা এঃঃচঃঃসিঃ ওই। লোযননা মহাবাজগী Revisional Court কী চার্জসু পুই। ১৯৩১ আগষ্ট ৫ দগী দববাব মেম্বব ওই। ফেব্রুযারী ১,১৯৪৪ দগী চিফ কোর্টকী জর্জ ওই, মদুদগা ডিষ্ট্রিক জর্জ কাই। ১৯৫৬ তা থবক্তগী পোথাই। মনিপুবী সাহিত্য পরিষদ ১৯৩৫ দা লিংবগা শ্রীইবুংঙোহল সিংহনা অহানবা প্রসিডেন্ট ওই, মথং ১৯৩৬ তসু অমুক্কা মহাকপু প্রসিডেন্ট থর্নাখ। মসিত নত্তে, ১৯৩৯, ১৯৪০, ১৯৪১ দগী ১৯৪৭, ১৯৫২ দগী ১৯৫৩ পুন্না টার্ম ১৩ বক হঞ্জিন-হঞ্জিন পবিষদকী প্রসিডেন্ট ওইখি। ১৯৬১ দা পবিষদনা 'সাহিত্য ভূষণ' উপাধি পী।

মনিপুবগী অহানবা লো কলেজ এল,এম,এস অসি ১৯৬৩ দা মহাক্না কৎপনি। ১৯৬৩ - ৬৬ তা সবকাবনা মহাকপু মনিপুবগী ঐতিহাসিক বেকোড থিজিন্নবা National Archives of India, New Delhi অমসুং National

Library, Calcutta দা থাই। মহাক্না ইরম্না লাইরিকশিং - Introduction to Manipur, Meaning of Mayang, Beginners Anglo-Manipuri Dictionary, His Auto-Biography অসিনচিংবনি। জুন ৯, ১৯৬৬ তা তাইবং থাদোকখি।

(৮) **ময়েংবম রাধামোহন সিংহ ঃ** - চৈরাপ কোর্টকী মেম্বর অমসুং সব-জর্জ ওইরম্মী। এলাংবম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকখি। ১৯৩৫ গী বিঃএঃ নি। মহারাজগী এ,ডি,সি/প্রাইভেট সেক্রটরি ওইরমই। ১৯৪৪ দা দববার মেম্বব ওই; Education, State Press and Small Savings Schemes মহাক্না পুবম্না পোর্ফোলিওনি। War Fund Committee অমসুং Red Cross Society গী মেম্ববসু ওইরম্মী।

(৯) **সঞ্জেম্বম নোদিয়াচান্দ সিংহ (১৮৯৫-১৯৭৬) ঃ** - সেগা বোড থিঙ্গোম লৈকাই, ইম্ফালদা মে ২৪, ১৮৯৫ দা পোকই। প্রেসিডেন্সী কলেজ কলিকতা-দগী Distinction গা লোয়ননা B.A. পাস তৌখি। S.D.C. ওইনা থবক চঙই। আগষ্ট ৫, ১৯৩১ দগী ষ্টেট দববাব মেম্বব ওই। Manipur State Council (Interim Ministry) দা Minister ওইবমই। চিংলিঙৈদা Manipur Education Standing Com. Member, কালককা বিশ্ববিদ্যালয অমসুং আজমীব Prince Mayo College গী মনিপুবী সবজেক্টকী Paper Setter and Examiner. War Fund Committee Member, President Manipuri Sahitya Parishad ওইবমই। উপন্যাস ৬, Short Play ১ অমদি অনুবাদ লাইবিক ৩ ইবমই। সাহিত্য পরিষদনা "সাহিত্য ভুষণ" উপাধি পীখি। জানুয়ারী ২১,১৯৭৬ তা লাইরৈপাক তানখি।

(১০) **মহম্মদ কাজি ৱালিউল্লাঃ** - নভেম্বব ২,১৯০৫ দা কৈখুদা পোকই। মীতৈ পাঙল খুন্নায়গী অহানবা বিঃএঃনি। ১৯২৭-১৯২৯ ফাওবা চুডাচান্দ হায়স্কুলগী হেড মাষ্টব ওইবম্মী। ১৯২৯ নভেম্বর থাদগী ১৯৩২ ডিসেম্বব ফাওবা Accountant General Office শিলোংদা Accountant ওইবম্মী। ১৯৩৩ দা Head Accountant কাই। ১৯৪১ মে থাদগী ১৯৪৫ ডিসেম্বর ৩ ফাওবা মনিপুর ষ্টেট ওফিস (ট্রেজরিকী ওল্ড সেক্রটবিয়েটতা লৈবম্না) কী সুপবিন্টেন্দেন্ট ওইবম্মী। ফেব্রুয়ারী ১, ১৯৪৪ দগী

১৯৪৭ ফাওবা ষ্টেট দববারগী মেম্বর ওই। ১৯৪৮ জেনেরেল ইলেক্সনদা য়াইবিপোক কেন্দ্রদা ভোট লেপই, কাখিদে। মনিপুর ষ্টেট বেঙ্ক লিমিটেদকী বোর্ড ওফ ডিরেক্টরগী ডিরেক্টব ওইখি। ১৯৩৪ দা মহাক্লা লিংখৎচবা ফতিমা মেমোরিয়ল হায়স্কুলদা মার্চ ১,১৯৫৬ তা চুড়াচান্দা হায়স্কুলদা পুনশিনখি। Manipur State Constitution reformation Committee অমদি Manipur State Law Codification Committee গী মেম্বরসু ওইবম্মী। মহম্মদ অসি হট্টা মিনুংথোংদা মতম শাংনা হিংলি।

(১১) **ব্রাহেংবম য়ুমজাও সিংহ** ঃ - জুলাই, ১, ১৮৮৪ দা ব্রাহেংবম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। শিলেট গোভঃ হায়স্কুলদগী ১৯০৮ দা ইন্ট্রান্স পরীক্ষাদা পাস তৌরগা ঢাকা গোভঃ কলেজদা মখা্য এফঃ এঃ তমথৈ। জোনষ্টোন স্কুলদা ওজা ওই। Printing Techonoly Training পাস তৌবগা ১৯১৫ দা Manipur State Press কী সুপবিন্টেন্দেন্ট ওই। ফেব্রুযাবী ১, ১৯৪৪ দা ষ্টেট দরবার মেম্বব ওই। তুংদা Rental Officer ওইনা ১৯৪৭ ফাওবা War Compensation Works পুখি।

মনিপুবী সাহিত্য পবিষদনা 'গবেষনা শিবোমনি' উপাধি পীদুনা পণ্ডিত ওইনা শীংথানবিবা মীনি। মনিপুব ইতিহাস, Early History of Manipur, Archaic Meitei, লোনগী ব্রায়েল (Manipuri Grammar) Part I and II ইরমই। ওক্টোবব ৩, ১৯৫৩ দা লাইরৈপাক তার্নাখ।

(১১) **ব্রাইখোম চাউবা সিংহ** ঃ - থৌবাল মাযকৈগী লময়ানবা শ্রীচাউবা সিংহ ১৯২৫ দা B.A. II Class Honours পাস তৌদুনা চুড়াচান্দ মহাবাজগী কেবানী ওই। মদুদগী Superintendent, State Officer, Asstt. to the State Durbar President, Minister of State Council (Interim Ministry) অমদি State Claims Officer ওইবম্লগা ১৯৫৫ দগী পোথাখি। Cultural and Educational Organisation কয়াগী মেম্বব অমদি Board of Education গী Selection Member ওইবম্মী। নট সংকীর্তন শকপা অমসু ওইরম্মী। লোযননা A.I.R. গী Script Writer সু ওইবম্না শ্রীচাউবা তাং ৫/৮/৭২ দা লাইরৈপাক পাংথ্রে।

(১২) **অবাম্বম ইবোতোমচা সিংহ** ঃ - খোংজোম লম্দা শীংথার্নাবিবা চংলেনমাগী মচানুপা

অতোম্বী রাজকুমারী থরোম্না দেবী অমসুং অমুবা সিংহনা পোকপনি। ১৯০৩, মার্চ্চ ১৪ দা পোকখিবা শ্রীইবোতোমচা ১৯২৪ দা Star Mark ফংদুনা মেট্রিক পাস তৌই। কটন কলেজদগী Ist Division দা I.A., মুরারীচান্দ (শিলেট) কলেজদগী সংস্কৃত-তা Honours Arts Degree পাস তৌই। Eurle Law College, Gauhati দগী Law পাস তৌখি। মহারাজগী A.D.C. ওইরম্বদগী Prive Secretary কাই। ১৯৪৪ জনুয়ারী ৩ দগী মে ৭, ১৯৪৬ ফাওবা দরবার মেম্বর ওই। তুংদা চৈরাপ কোর্টকী র্জজ্ ওই। ১৯৪৮ ইলেক্সনদা কাদুনা Finance Minister ওইরম্মী।

(১৪) **আর, কে, ভাস্কর সিংহঃ** - রাজা চুড়াগী মচানুপা অহলনি। তম্বা লোইবগা State Military Service চঙই। অহানবা লাঞ্জাও মতুংদা মহারাজগী Private Secretary ওই। মে ২১, ১৯২৭ তগী দরবার মেম্বর ওই। জনুয়ারী ২৭, ১৯৬৮ দা নোঙ্গাখি।

(১৫) **সনা থাংকোকপা ঃ** - মহারাজ দেবেন্দ্রগী মচানিপানি। অহানবা নুপীলান শৌগৎলুবগীদমক জেল চঙই; মনিপুরগী রাংমদা লোই থাই। নভেম্বর ৩০, ১৯১২ দগী দরবার মেম্বর ওই। থৌনা ফৈ। নট সংকীর্ত্তন শকই। মদুগীদমক 'জয পত্র' উপাধি ফংখি। মার্চ ১৬, ১৯২০ দা শিখি।

(১৬) **মাইবা তাম্র সিংহঃ** - নহাকপ্পা লৈবা মাইবম খেলেন্দ্রো অমদি চিবোম চনু থোইনুগী অনীশুবা মপারীনি। পাখং শবেপ ফাবকপদগী মথৌনা ফনা হৌবর্কখি। নোংমা ঙাঙোম শাগৈগী ষণ লাবা অঙাওবা অমা থৌবী থদত্তুনা কোমফৈ থুদেক্তুনা খুল লৈকাইগী ইংখোল শম্বন নৈখাযরক্লবদা উপায লৈত্রবা ষন মপুনা ষন অসিবু ফাবা ঙম্বা মীশক্তা মচানুপী পীগনি হায়না লাউথোক্লমই। তাম্র সিংহনা শগোল তোংদুনা ষন অদুবু কোয়থৎ থক্তুনা ফারগা থৌরী থুদুনা পুবক্লগা মপুগী খুত্তা শিন্নখি। ঙাঙোম চনু তোমচাবু মাগী পুন্সিগী লোয়নবী ওইনা ফংখি। মদুগী তুংদা মহাক নহারুপ পানাদগী লাল্লুপ লাম্মী ওইনা চন্দ্রকীর্ত্তিগী স্না থৌগল ফংখি। ইনিংথৌনা কাছাড়দা গোভর্নব জেনেবেল লর্ড নোর্থবৃক্কা দববাব তৌবা চৎপদা তাম্র সিংহ খোংলোয ওইনা যাওখি। বৃটিশকা রারী শানবা তানকপদা মপু ইবুংঙো গম্ভীব সিংহগা বৃটিশকা ১৮৩৩ দা তৌনখিবা ঙমখৈ তাকপা মুপকোনুংদা লৈরৌবা মেপ অমদি শ্রীগোবিন্দগী নির্ম্মাল্য অমসুং মমা ইবেম্মা কুমুদিনীনা তম্বা ক্লা

মহাবাজনা পাম্লকখি। ইনিংথৌনা লাংতক্লবা অদু উবদা তাম্র সিংহনা থৌনা ফনা মহাক লৌজক্নগে হায়না চোংথোবকখি। শিলচবদগী ইম্ফাল ফাওবা কিঃ মিঃ ৩২০ লোম হঙ্গৎহন্দা চৎখিবদা নুমিৎ ২ হল্লকপদা নুমিৎ ২ চংনা লৌবগা মহাবাজদা লানশিনবা ঙম্না মীশক্লি। ১৮৯১ গী লান্দা সেনিয়র সুবেদাব অমদি মেজব ওইবম্মী। অহানবা ষ্টেট দরবাবগী মেম্ববনি। সেপ্টেম্বর ২১, ১৯১২ দা লৈখিদরে।

(১৭) **বিন্দু মাধব শাস্ত্রী** ঃ- এক্স-এম, পি শ্রীললিতা মাধব শর্ম্মাগী মপানি। মশাগী চহি ১৪ শুবদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা বিন্দু মাধবপু কাশীদা সংস্কৃত তম্না থাই। চহী ১২ গী মতুংদা মনিপুরদা হল্লকখি। বাজ পুরোহিত, বামোন লৈকাইগী মচানুপী তুলসী দেবী লৌদুনা মচানিপা ৩ পোকই। রাধামাধব মহাক্কী মচানিপা অহলনি। Debate Competition দা নেপালদা মহাক্না ফার্ষ্ট প্রাইজ ফংই। ব্রা ঙাঙবা হৈবা, শাসন তৌবা হৈবা মীশক্লি। দববার লীংবগা অহানবা মেম্বব হাপই। ডিসেম্বর ২৯, ১৯২০ দা নোঙ্গাখি।

(১৮) **মহারাজ কুমার প্রিয়োব্রত** ঃ- চুডাচান্দ মহাবাজগী অনীশুবা মজাইবুংঙো প্রিযোব্রত ফেব্রুযাবী ১৭, ১৯১১ দা পোকই। মধ্য প্রদেশকী বায়পুবগী বাজকুমাব জে, জে, স্কুলদা খৃঃ ১৯২০-১৯২৫ ফাওবদা লাইবিক তমখি। মফম অদুগী ওজা গোপাল গোবিন্দ কনেটকবগী মখাদা লাইযেকপা তম্লকখি। মথংদা এলাহাবাদ Ewing Christian College দা তমখি। এলাহাবাদ ইউনিভর্সিটিগী মখাদা ১৯৩৪ দা বি, এ পাস তৌখি। ১৯৩৬ তগী ষ্টেট দববাবগী মেম্বব ওই; ইজুকেসন, পি, ডবলিউ, দি অমসুং পুলিসকী চার্জ পুবমই। লোযননা Manipur State Arts and Craft পুসু যেংশিল্লমই।

মপাবুং লৈত্রবা তুংদা কম্মিশনগীদমক থা ৮ ট্রেনিং পী। লোইবগা আসাম বাইফলসগী কেপ্তেন ওই; Emergency Comission Officer ওইনা অনীশুবা আসামদা থবক তৌবমই। মাদুদগী মীয়াম্না কেপ্তেন প্রিযোব্রত হাযনা খঙনখি। ১৯৪৭গী অঙনবদগী আর্ম্মী সার্ভিস থাদোক্লনা ষ্টেট দববাবদা যাওখি। বৃটিশনা মণিপুব থাদোক্লমদাইদগী চিফ মিনিষ্টবগী চার্জ পুবমই। ১৯৪৮ ইলেক্সনদগী শেম্না পোপুলব মিনিষ্ট্রিগী চিফ মিনিষ্টব ওই।

চিফ মিনিষ্টব ওইবা মীতৈমচা অহানবনি। মেজব বাওল অমবাসিংহ থুংসাদ্রিন্তেদ মহাক্না এপ্রিল ১৮, ১৯৪৯ ফাওবগী পেরেটৈতা দেরানগী চার্জপু পুবমই।

স্কুল কলেজশংদা পি. বি. এস. নমানবশিং এমান ওক্লাশংনা ফনা তৌবগা শক ফজরবদসু শিংথাবমই। আসামগী গোভর্ণর অকবর হায়দর অলিনা মহাক্কী মপান্দগী মখা প্রিযোব্রতদা পীনিংলম্বগী রাকম রাষ্ট্রীনদি। মহাক্কা চিফ মিনিষ্টর ওইরিবিঙৈদা কম্যুনিটি ডেবেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা মোবে বাজার অসি ১৯৫০ দা শেম্লমই।

(১৯) **জননেতা ইরাবোত (১৮৯৬ সেপ্ট. ৩০ - ১৯৫১ সেপ্টঃ ১৬)ঃ-** চহী ২/৩ গী অঙাংগী বয়সতা মপা লৈখিদবদগী সৌগাইজম ওংবী মনে (ভুবোন সিংহগী নুপী) গীদা য়োকখি। ক্লাস ফোর তম্লিঙৈদা মমাসু শিখ্রে। জনষ্টোন স্কুলদা আইট পাস তৌবগা ঢাকাদা ক্লাস নাইন তম্না চৎলি। মবাই সনাজাওবগী মপান্দগী ঢাকাগী পুগোজ হায়স্কুলদা মখা তমথৈ। মশাগী চহী ১৯ শুবদা লাইবিক তম্বা তোকখ্রে। শান্নবদা, ড্রামাদা, সাহিত্যদা, মীয়ামগী সমস্যাদা লুপখি। চুড়াচান্দা মহারাজগী ময়াম্বুং চন্দ্রাহাসকী মচানুপী খোমদোনস্না লৌবদগী "মমাক ইবুংঙো" মিংথোল ফংখি। এমঃ কেঃ প্রিয়োব্রতনেস ইবাই ইবুংঙো কৌই।

১৯৩১ দা সদর পঞ্চায়টগী মেম্বর ওই। ১৯৩৪ দা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা লিংই। ১৯৩৬ তা কৃষক সভা লিংই। অনীশুবা নুপী লানগী মতাং সনকাব শোকপা দা ভাঙই হায়বগী চার্জদা ১৯৪০ জনুয়ারী ৭ তা ফায়। মিয়াদ পীদুনা শিলচর জেলদা চহী ৩ থমই। শিলচরদা লৈবিঙৈদা কিষান সভাগী সেক্রেটরী, সুরমা ভেলিগীনা প্রেসিডেন্ট ওই। পুলিশনা ফানবা তাত্রে। নোংমা বনাক তুরেল ইরোইদুনা, অমুক্কা লৌমা শাদুনা ইবোইগী মমৈ যান্দুনা নান্থোকহৌই। ১৯৪৫ দা কুম্যানিষ্ট টিকেটতা আসাম বিধান সভা ইলেক্সন লেপই। মার্যাথোখি।

১৯৪৮ ইলেক্সননা কৃষক সভাগী চক্র মার্কাদা মী ২৩ লেপ্পদা ৬ কায়। ইরাবোত উৎলৌ কেন্দ্রদগী কায়। অদুবু নোংমা ফাওবা ফম্না ফংদনা পুন্সি পিথখ্রি। ১৯৪৮ দগী অন্দরগ্রাউন্দ তাখি। ফাবা ঙম্বদা লুপা ১০,০০/- মনা পীনি লাউথোকখি। মীরোৎ ওইরিবিঙৈ ১৯৫১ সেপ্টেম্বর ১৬ তা তাইফোদনা নাদুনা অঙৌ চীংখোঙদা লৈবা তাংবো থন্দা নোংঙ্গাখি।

অঙাংদা বারি লিবিবগী কান্নবা
যশোধরা অমসুং রাহুল (মমা মচাগী রাজ)

মপাবুং গৌতম বুদ্ধদি ওয়াং অহিং, মীয়াম তুমনরিঙৈদা লোয়না চংখ্রে। মাগী লুপী যশোধরাদা চৎখম তাক্রমদে। রাহুল মামনা পিক্লি লুংতিগী মমানা মচাদা অকন অথোগী ববি হেক হেক লিবি, রাজ তং-নবা লুমিংতা চাক চংনবা রাহুলনি। মপুরোইবা লোয়না চংখিবগী কাইন মৈশা লাংলিঙৈ মতম অহল্লা রাহুলনা মকোশাগুম মমাদা ওইনবৈ "মা কহো এক কহানি" (ইমা বারি অমা হিরি য়ু)। লুমিং অহুম মশাগী কাইন-বারি অমু ওইনা যশোধরানা হাইরকই - "ইমাগী ইবুংঙো, মতম অমদা নিংথৌ অমা পাম্লমী, মহাক্কী মহারানিসু লৈমিল্লমই, নোংমদী লুমিংতদি নিংথৌ অহুনা মহারানি অহুবু থাদোক্তুনা লোয়না চংখিরমই" রাহুলনা বারিহুগী বাহং ওইনা হংলমই "ইমা নিংথৌ অহুবা মহারানি অহুবু থাদোকপিরমলিবদো কদায়নো?" যশোধরানা - "ইমাগী মনি, মহুগী পাওখুমদি - 'ইমাগী পী' অমু য়েংউ, ইমাগী বাহংগী পাওখুম খুমবা ইমাদা শক্তি লৈতবে অহুনা ওসিগীদ অখাইদা লেপলসি" কয়াদা লুংশিত্রব মমা মচাগী বারিনো!

লল্লিবদি অহলনি • অঙাংদি লাপে।
অঙাং অমত্তা দুর্ব ওইনা পোক্তে, দুর্ব ওইথবদি লমথাংদনি।
লৈবাক শেমগৎকে হায়রবদি মী শেমগৎকদবনি,
মী শেমগৎপগী তাঙাদি অঙাং ওইহল্লি তৈদনি।
মহুদমক্ত 'অঙাংগী লুমিং' পাংথোকলি।

অপিকপা অঙাংশিংবু অচুম্বা, অফবা মাইকৈদা লমজিংবা

অপিকপা অঙাংশিংগী মওং মতৌদা অমসুং বাঙাং শংদোংদা লুংশিনা অমসুং য়েংনিংবা হায়বসি প্রকৃতিনা পিরকপা মগুন অমনি। করিশিংনা হায়রৈ মতুদি অঙাং হায়নসিদি লায়নি। মতুনা ইশ্বরদা লৈবা তশেংবা মকাবগী শক্তির অতু অঙাংশিংদশু থম্বা অতুম য়াওরকপানি। অঙাংনা পোকলকত্রৈঙৈগী মতমদা গুরু হায়বদি ইশ্বরগা লৈমিন্নরম্মী হায়না অকল লমনগী ৱারিশু লৈ। অসুমনা অঙাংনা অসুম অসুম চাওরকপগী মতুংইন্না ইশ্বরগী থৌজালগী লুংশিরবা মগুন অদু অসুম অসুম মাংশিল্লকপা কবি-শিংগী লৈরেং কয়াদসু য়াওরি।

মীয়োন তারবা অঙাংশিংনা মখোয়দা প্রকৃতিনা পীরকপা শক্তিগী মতুং ইন্না উরুবা তাকুবা মখোয়গী মথক থোংবশিংনা তৌবা থবকশিংদু মতৌ হেক্তা তমই অমসুং মদু মাল্লর কয়া হোংলৈ। মমানা চাকশংদা চাক এনশাং থোংবা উরুরে, অঙাংশিংশু পাত্র মচা মচা পূথোক্লনা চাক-থোংবী হেক্তা শারে, মাইক থেংবা উরুরে তাকরে, মখোয়সু মদু থুনমক ইকুই কুইরনা হেক লৈবাকনা শাবরা, থাও থাইদোকনবা শারেনরা, মাইক থেংবী হেক্তা শারে। অসুমনা প্লেন থোৌবা য়োকেং কাম্না উরবসু অদু মডাই। অনিদসু নংতনা ইশৈ শকপা, অক্ষর নত্রগা অথিবা ৱাঙাং শাঙাং ঙাংনবা তাররশু মখোয়না মদু হেক্তা তমনবা হোংনগনি। অঙাংশিংনা মানবোই মাল্লমোই মীগী মতৌ তম্বগী কুমচৈ য়েংজনুনা মমা মপা মপু মরেন্না পোংথানৈ।

থাংগৈশেংবদি অঙাং হায়বসিদি মীনঙ্গা য়াদবনি। অচুম্বা ঙাংবা তারে, তাবীরে, অচুম্বা বা ঙাং লক্রকনি, অথিবা অচোম্বা বা তাহল্লে

অহুম মতৎমকনি। মাগী মনাকোংদা করিগুম্বা মতমদা তাখিত্রিবা উখিত্রি-বা ফজব নত্রগ অকাম্ব য়াহৈ মঙলা মহাকনা ভাংদোকপ কণই। অঙাংশিনা পেন্সবা নত্রগা শাওরক্রুব মতমদা মমাই নত্রগা ময়াংদা অহুল লমন তাবা য়াদবা অকোঙ্গা য়াহৈ শিজিন্নরক্রবদি, মতু মাগী মর ল ওইফম থোক্তে। মরমদি অঙাংশিংগী মমা-মপুদা মমান্নবা নত্রগা মাগী মথক থেংবা ফনাওম্ব অমনা য়াহৈ অতুংক শাওবা মতমদা শিজিন্নখি হায়বা মানা ভাব তাত্র-বনি। মতু মতম অতুদা তমলকপনি।

য়াম্রিবা মখৈদি অশিকপা অঙাংশিংগী মমাংদা নংতবা থবক উহম্বা, অচোপ থকাম য়াহৈ য়াতা তাহবা, অয়েংবা চরাল চিংথি নত্রগা অকি-অখং নত্রগা অনাং মতা থোকপা য়ানা থংহন তাহলোইদবনি।

নত্রবদি অঙাংশিংনা থেংনক্রিবা থোথোকশিং অমু মখোয়না তৌবা য়াবা নত্রগা চংনবা য়াবা, অওইবা ওইনা লৌখি। অমরোমদা অশিকপা অঙাংশিংবু অপেংপা লৈথোম শানিংবা মওংদা শাবা য়াবা নত্রগা মচু শংদ্রিবা কিগা প্রমান তৌনৈ। মরম অসিনা মতম লৈবা খিবিক্তা লৌরিবা অঙাংশিংদা অচুম্বা ফজবা অমসুং অওইবা য়া ভাংবীবা অমসুং উহম্বিবা কে।

অঙাংশিংবু লমজিংবীবা অমসুং শেমগৎ শাগংপীবগী মতাংদা থাইদগী হেন্না শাথিবা অমসুং সুব্রিবদি, লৌরিবা অঙাং অমবু মঙোক্কা সুনা তৌ-বিবগী থুদোং চাবা অমু শুকফং ফংত্রবদি অমসুং মতম লৈবা খিবিক্তা থমোয় শোকপা য়াহৈ য়াতাদা তাহল্লবদি - মতুনা তুংদা অঙাং অমুগী মশিক মওন, শরমনেশিত্তি ময়েং তাথরকই। "There is something emotionally satisfying about Love, and there also is something very practical about it - Jersild", করিগুম্বা মতমদা অঙাংশিংদা মমা-মপা মত্রগা অবিতাবকশিংদগী সুংশিবগী শরুক

ইফং হেক ক অবদি মৈথংদা মশামক আতমাঘাট তৌহনা হাংচৈ মহু মমা মপাবু দ ব পী শী র খঙ্গা মশামকপুক্ত দনদি পীজবা ওইখিবনি ।

অ ংগা শ না তৌজনা থবক অহু মশা মতোমতগী মবুধিনা অচুম অরান লেপচনবগী বিচার শাদা লৈজনবা নত্তে । মথোয়না মথক থোংব শ মা তৌবা থবক কয় মরুম য়ামনা য়ুম্না রেংই । মানা তৌরুবা থবক অহুন মীনা থাগংপিরবা, চৈবিত্রবা অমস্থং ফুবিয়বদি মতম অহুদা মানা তৌরুব থবক অহু অরুবনি হায়না মশানা বিচার তৌরৈ। তৌই—গুা তু মনা তৌরুবা থবক অহুগীদমক্তা মথক থোংবশিংনা ফু - চৈরবা অমস্থং খিংসবদি মশানা অরবা থবক্তি হায়না খনৈ । অচুম অরান ১স্থং লমচং এ্যবক্তারগী নঞ্জবা নৈনব' তারবদি 'তম্বীবা অমস্থং লোয়নবিবনা অরাংবা ঙাকৗ ইমুংদা য়ো কনা চাওরকপা অঙাংশিংনা অনেম্বা থাক্তৗ ইমুংগী অঙাংশিংদগী তৌঙ্গি' হায়বসি য়েংননিঙাই লৈত্রবা হাকমনি "The child should be encouraged to recognise the frailties of human nature and to develope tolerance for mi - nor weaknesses in himself as well in others"-Justin

করিগুবন অহাংনা মমা মপা নত্রগা মমামবা, মথক থোংবদা নমথাক তৌই । মহু দ করিগুপা অরাম্বা থবক অমা তৌরুবদা মহুগী মহৈ ওইনা খিনা কুপীখবা নত্রগা মাগী খুদোং চাবা লম্বী খিংখিবা অমা মমাংদা থোংনখিবনগী;

অরাম্বা থবক তৌবগীদমক খীনা তৌহনা য়ারকপিবা অহুনা কয়া য়ামনা তুংদা মাংনবা ওইবা, অমক্লোমদা মহুগী দগি অহু পীহৌত্রগনা কয়া য়ামনা তোংবা হায়বা অসি য়ামনা কুপনা থম্ররবা মতুংদা চৎথগদবা ওই । করিগুপা মতমদা মথক থোংবশিংদা ইনশিন্দনা তাকপিবদগী অরাম্বা থবক অহু তৌরুবদগী মমা মপাদগী ফংগদবা দন্দি অহু কিবদগী

মচু কোকুবা অচোপ্পা অরানবা থবক অমমুক তৌথি, অসুমনা অরানবা মীনমগু মতৌ তম তমচুনা অচুমক হৈনখি ।

অঙাংবু মরম ওকপা অমসুং অকবা থবক তৌবগীদমক্তা মনা ওইনা থাগৎপীবা নত্রগা মানা মথরাই হয়াওগদবা করিগুম্বা অচাপোৎ অমা পীবিবা নৎতনা মাখী অশোইবদা চৈবীবা, ফুবিবা, মমাননবী মমাংদা ইকাইবা ফংহনবা অমসুং লাওহৎপিবা হায়বা লসি অয়াম্বা মমা মপানা নত্রগা অবিভাবকশিংনা শাওবা হানখিবদগী তৌগল্লি । অসুমনা তোইনা তৌবিবনা তুংদা থমোই মনুংদা মলোম লৈথিহনা অঙাংগী মথৌনা অম-সুং মরিংজেল মাংশিল্লকই । অমসুং তুংদা পানা থোকপা থবক তৌবা ওমদে । অসিদা নত্তনা অঙাংবু শাথিনা কীহনবা মমাননবদগী শোথবা উৎ-পিবা, নোকনিংবা, ওক্নবা তাহন্বা, তাথিবা উৎপিবা, দগি থীনা তৌ-তৌবা মানা ফংকম থোকপা শরুক ফংহনবা নৎত্রগা তুংগী দগি উৎতুনা চৈবিবা অসিনচিংবা খিবিকস্থ অফবা মরম মথোয়দা ওইদে ।

"If you want children to improve, let them over hear the nice things you say about them to others"
—Dr. Haim Ginott

চহি ৩ দগী ৬ গুবা মতাং অসিরাইদগী হৌনা অঙাংশিংনা অফবা লমচৎকী মমি তাবা হৌবা মতাংনি । মতাং অসিরাইদা অঙাংশিংনা করিগুম্বা অনৌবা পোৎ উবদা য়ামনা থংনিংবা অমসুং উনিংবগী ইচ্চল কাওরকই । অদুনা, অসিনা করিনো ? অদুনা কনানো ? করিগীনো ক-রম হায়না তৌরকইনো হায়বা রাহং ইতৎ তৎতনা মথকথোংবশিংদা হংই । অসুমনা হৈনিংবা অমসুং থংনিংবগা লোয়ননা হংলকপা পুম্ন অভিভাবকশিংনা পুকনিংদা অচুম্বা বিচার তৌরগা তাকপী তম্বীহৌগদবা ওই । মতাং অসিরাইদগী হৌনা সমাজগা মরি লৈনবা হৌরকপগী য়ুমফম

শেমলকপা ষ্টেজনি। মতম অসিদা অঙাংনা ঙাংবা রা অমসুং তৌরকপা থবক্তা মীয়ামগী থাগৎপা বা হৈ অমদি. য়াবীবা মত্রগা য়াবীদবা নত্রগা দণ্ডি ফংবা অসিনচিংবা ময়াম অসিনা লমজিং ওইরদুনা মানা তৌরিবা থবকশিংদু করিনো হায়বা খংদনা মহাকপু লমজিংইনা অদোমদা খোংথাংজিল্বা তৌরকই।

অদুগা চহি ৭-৮ শুবা মতাং অসিরাইদা অঙাংশিংনা মশাগী খ্বাইদগী ওইজবা খংবা মতাংনি। অয়াম্বা অঙাংনা মমাদা নমথাক তৌবদগী মপাদা তৌবনা হেন্ন কিগল্লি। মরমদি মপানা মমাদগী দণ্ডি কনবা হেল্লি। অদুনা মমাগী শেঙ্গাওদগী রা-হৌই হায়বা প্রমান লৈ। অঙাং অমগী লমচৎতা গুরান চিন্তি হৈনরকপা হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদা চায় শেমখিগনি, মতুদা শংখিবা মচু অদুনা মহাও খংখিদুনা চাওর্ক-ফাওবদা শিনফম অমা ওইথ

মী ওইনা পোক্পগী পুনসিদা থকসি থাসি, অমসুং লমচৎ ব্যানজার হায়বা অসি হিগী হিনাওগুম্বান! হিনাও য়াওদনা হিনা হিমাই চুম্না হোম্বা য়াদবগুম পুনসিগু মাই পাক্লা লেম্বা য়াদে। থকাশ থাসি খংদবা অঙাংনা নুংঙাই য়াইফবা লম্বীদা খোং থাংজদ্রকপা ওইহোক্লে। অদুনা পিক্লিবা অঙাং অমনা থকসি থাসি হায়বসি কারনো হায়বদি মশানা খংজবা নত্তে; খংনবগীদমক মথক খোংবশিংনা মতম চানা তাকপা তম্বীহৌবা দরকার ওই। মশানা থরদং খংজন্নক্রবস্থ থাগৎপিদুনা থোগৎপিগদবনি।

মহাতমা গান্ধিজীনা অঙাংশিংদু অশুক্কী মতিক অচুম্বা অমসুং অকইবা পাম্বৈনা লমজিংবা পাম্লমই। নোংমা নিঙাই তৌবা অঙাং অমা গান্ধিজীনা থেমনবা তোৎলরমই। মিথাই লৈবীগে হায়রদগী অঙাং অদু নিঙাই তৌদুনা কল্পদগী ফরমই। অঙাং অদুনা কপ্পা লেপখিবা অদু মিথাই অদুগীদমক্তনি অমসুং গান্ধিজীনা মুম্না থেংদুদা ঙাইখি। অঙাং অদুগী

থমোইদা ওইদবা ঙাংবগী মমি অমা তাখিগদবগী থল্লুবদা গান্দিজীনা অহিং অথেংবচুদা চুকান্দা চৎতুনা মিথাই লৈরুরগা অঙাং অচুদা পীজখি।

জর্জ রাশিংটন্না অঙাং ওইরিবৈঙেদা নোংমা মপানা য়ামনা চেকশিন্ন তৌজবা উপাম্বী অমা মানা য়ানথৎলুবদ, মপানা মংাই মসলশিংদ খিনা চৌবখি অমসুং লাও খোংখি মচুদা মশানা তৌরুবা থবক অচু অকিবা সৈতনা মপাদা চংজচুনা মশামক্রা য়ানবান হায়খি। মচাগী পুকচেল শেংবা অমসুং থৌনা ফবা অচু উবদা তুংগী আশা উচুনা বর পাখি অমসুং জর্জ রাশিংটনগী মপুনসিদা মাই পাকখি।

পণ্ডিৎ জবাহরলালা নেহরুনা অঙাং ওইরিবৈঙেদা নোংমা মপানা অঙাং-বা মচুগী য়ু থকপা উরুরগা ময়ুমদা হল্লকপদা মানা উদ্ববপা অশেংবা ঈ মচু মাম্বা য়ু অচুবু মম দা এথোয় পাজিনা ঈ থকই হায়চুনা তমখি।

" The grandfather & his grandson " হায়বা বারিমচাদা মপুবোক হমুরবা, শোল্লবা অচুনা অহল ওইমম্বদগী চাক হম্বদা মথয়াংগী চাক এনশাং ওন্থরকপা অমসুং মচৈ অমসুং মখুৎ নিকপা পুখম তেঙাং থুগাইবনা থাংবা ঙমদ্রচুনা, মাগীদমক তোঙান্না কাইদনবা উগী পুখম তেং-গোৎ শাদুনা শিজিন্নহন্ধ। উবদা অমসুং পিক্লিবা মশু অচুসু মপান মপু—বোক্কাদমক তৌবা মতৌ তংচুনা মপাচুনা অহল ওইরকলগা চাংনবি হায়চুনা পাএশিং শাবা থেংথ।

করি মরমদগী অঙাংশিংনা স্কুল তোকই ?

খ্বাইনা থংনরি - স্কুল কারক্কবা, লাইরিক তমলক্কনা অঙাং লৈতে। খর খর তম্বা হৌরগা তোকখিবা কোঙ্গাইনি। খর স্কুল কারমলগা তোকখিবা অঙাং মশিং চাদা ৩০ থেংনৈ। খুঙ্গংগী লমদনা খরা হেন্বা তাই। মসি প্রাইমারি স্কুল থৈজগী বানি। জুনিয়র হায়স্কুলগী থাক্তা চাদা ৩৫ তোকই। হায়স্কুলগী থৈজতনা চাদা ৬০ তোকই। করি মরমদগী অসুক য়ামনা তোকই ? মেত্রিক পরিক্ষাদা অশুক য়ামনা ফেল ওইনরিবসিদ লাইরিক পাদবগীনি হায়না লৌরবশু ক্লাস এইত কাওবদা তোকখিবসিগী ফেক্তর করি করি ওইবা তাই ?

কা হেন্না লাইরবা ইমুংগী অঙাং ওইবা : মমা-মপানা নোংমদা তাঙ্গারিবা লুপা ৩০ থক্তা, মতুনা চাবা ফাওবদা রানা কোন্নে। অতুগা মচানা ৫/৬ তগী হেন্না পোক্লি। মচা শেন্নগী রাখলদি লাইথোক্তুনা তৎুক চারে, নুমিদাংনা কদাইদগী চাগনি খরদা পোংথাদে দৃশ্য আস খুঙ্গংগী ইমুং মনুংদা খরা হেন্না থোক্লবসু সহরগী মফমদশু থোকতবদি নত্তে। থাক অসি য়োরবা ফাওবদা পোকপদি লেপতে। অঙাং অনি নত্রগা অহুমদগী হেলহনগুমসি হায়বত্থ মথোয়গী মনাকোংদা হাপতে। অমা শেমনবা হোংনবদা রানরিবনি, অতুক য়াম্বতুদি কমদৌনা শেমগনি ?

এজুকেসনগী মহাও খংদবা ইমুংগী অঙাং ওইবা : লৌ ইংখোল সম-পত্তি ময়াই ওইরপ লৈজবা চাবশু রাংতব, এজুকেসনগীম মহাওদি খংদবা ইমুংনা কমদোই ? খর হেন্না ইনাক খুন্নিংবনা লৌ ইংহৌল শুনবা, পা-খোন শিনবা, তেংবাংহন্নবা মচা মশুবু স্কুল কাহন্দবা থেংনৈ। লৌ ইংখোল শন্বল অতুথ শুদা পেস্থোক্তুনা পংলৈদা মরৈজে। মচানা স্কুল কাগে হায়জে। চে শায়তুনা পুক থনবা য়াবরা হায়না চৈবী। উপাই লৈত্রবা অঙাংতু তম্বা তোক্লে।

থওইবিত্রবা অঙাং ওইবা : য়ুনী নিশাদা তাওগ্রবা মপি মপা ওইবা নত্রগা মুপী লোনবদগী মচা থওইদবা কয়া থোকলক্লে; মশিং হেনগৎলক্লে। মচাগী লাইরিক চে-কলম লৌবদি লায়রি। মফি কাওবা নিংথি মুংঙাইনা থোক্নিদে। মচাশিংহুনা মমামবা মরক্তা ইকাইরহনা মীরক্তগী তোঙাঙৈ। চমোংনহুনা লৈথোকই মথোয় অসিনি পেমেন্ত লিবিং ওক্ন হায়নরিবহু।

লৈফমনা অঙাং মাংহবা : মহুৎ হনজিনবা অগাদা থোক্লিবা অমনি নোং হেক ঙানবদগী ফীজাও ইন্দুনা থোকখিবনা চাক চায়মদাইদা হৌরকই মচা শেমগদবা মপাহু নেংমনা তোঙখোয়দা য়ু পাত্তি, নোংমনা চাঙব-থোয়দা য়েন কাওনৈ। অমুম্না হঙ্জিনলকপদনা য়ু ঙাওহুনা কাহু কায়ন নোংমনা লম্বী শরক্ত ঙাওহুনা তাদুনা লৈরমই। মমা ওইবীনা লৈকাই কোইহুনা রারেম ঙাংহনা লৈথোকই। মচা লাইরিক তম্বা থাগনি হায়বদি লাইরদনা চাক লাংকম্নগনি হায়বা ফাওব থম্বা হৈত্রবা জাংনি। মচা অহুনা মরুম কোম্বি, চৈতেক কোংপী শায়হুনা লৈরি। তুংগী কনানা থংবা? মসিবু দিজিজ ইস্তাইরোনমেন্ট কৌই।

তমফম লৈতবা অগাগী অঙাং : চিংয়া-তময়া পাংৎয়াদা কম্না তাবা খুঙ্গং মচাশিংদা থোকপ সমস্যানি এল পিদগী হেম্না নত্রগা স্কুল শুকলে লৈতব খুলগী রানি। অরাম্বা অনকপদা তমফম লৈতবদগী তম্বা তোকপা মশানা তাবনি। তমনিংলবসু তমফম ফংত্রবদি করি তৌনি। স্কুলগী ড্রোপ আউত নত্তে, এজুকেসন ড্রোপ আউতনি।

জাং তিম্নদবদগী স্কুল তোকপা : ১৯৯৩ মে ৩ গী মীতৈ অমসুং পাঙল ইরাংদগী মীতৈ মুসলিম স্কুলদা তম্বা, মুসলমানা মীতৈ স্কুলদা কাবা কনা য়ামনা তোক্লকখি। নাগা-কুকীগী ইথনিক রাইওৎতগী নাগা না কুকী স্কুলদা কাবা তোকপা, কুকীনা নাগাগী স্কুলদা তম্বা তোকখিবা হৌজিক থোক্লিবা অসিনি। থম্না লাম্না মকমদা চৎকদবাসু কিবদগী

তোক্লরি। মসিতা নত্তে খুল হোংদুনা চেন্নখিবসু কোঙ্গায়নি। খুন্দাক্লবা মফম অদুদা মপি লাইরিক হৌগদবগু লোল মান্নবা মপি তমফম লৈতবদগী তোক্লরে। ফেক্তর অসিবু কম্যুনেল তেন্সন কৌই।

ক্রাইমদগী স্কুল তোকপা: মমা-মপানা আইনগী চৈরাক দণ্ডি ফংবদগীসু মচা স্কুল তোকপা য়াওই। নত্রগা অভাং অদুনা ক্রাইম তৌরুবদগীসু তোকয়ে।

রিগুলরিতি কায়রকপদগী স্কুল তোকপা: চাং নাইনা স্কুল কারম্বদগী লুমিং ৭/৮ থক্তুং কারুদবদগী কাবা তল্লকই। মরমদি তম্বদগী তুংদা মী-থোই-মীহেন ওইরক্কনি হায়বদি অভাংনা থনবা হৈবগোং নত্তে। স্কুলগী চৈরাক অদু জেলগুম থম্বা অভাংগী রাখলনি। ময়ুমদা কৈরোয়-লৈকায়ইদা মনিং তমনা শাম্নবদা খোয়দারুবদগী স্কুল তোক্লখিবা মশিং য়ামগ্রে। মনিং তম্বা নত্রগা লুভাইবা পাম্বদগীনি মসি অভাং খুদিংমক্কী শভাবনি।

তম্ববা রাখলদগী স্কুল তোকপা: গুংতিগী পারা ফাদবা হন্না হন্না পরিক্ষা ফেল ওইবদগী ইকাইদুনা নত্রগা মমা-মপা, মচিন মনাওনা চৈবদগী তোকপা তোয়না থোক্লিবা অমনি। স্কুলগী ড্রোপ আউৎতগী মাংজবা অদুখক্তা নত্তে, পুন্সি চুপ্পা ইনফ্যেরিরিতি কমপ্লেকসনা লাইচুখি। মদুদগী হেন্জিল্লকপনা ড্রগ এদিক্ত ওইখিবা নত্রগা নারোন্দা নোংমৈ পায়খিবা মসিসু তোয়না উরবা অমনি।

তম্বীবা ফংতবা, স্কুলশড লৈতবা, তম্লিংবা ফংদবদগী তোকপা: য়ু থকপা ওজা অদুনা ক'র তমবিনি? ওজা শক্তা অদুদা স্কুল কারিবা? নিংথিনা ইবা পাবফাওবা হৈতবা ওজাদুদা! কমুনিষ্ট ওজা অদুদা চংলিবদি ঐখোযদি কংগ্রেসনি থংদ্রা? মঙোন্দা তমদুনা মী ওইরোই তোকউ। স্কুল থরদনা ওজা লৈতবা, থরদনা সবজেক্ত গুনা হাপতবা, থরদনা সাইন্সকী মপোং-মচৈ থম্নীদবা। শানবা লাইরিক লৈতবা পেন্দ্রদুনা অকবা স্কুলগী

আশাদগী স্কূল তোকপা অঙাং য়াওদবা নত্তে ॥ স্কূলশং লৈতবা, বেন্স-দেক্স লৈতবদগী উফুল বাইফুলদা থরো থরো ওল্লগা তম্বীবা স্কূল লৈতবা নত্তে। লোক থুংগনি স্কূল কারুন্নু। মচুগী মহুত্তা নুংঙাইনা নাপী মরক্তা শন শেল্লুচো মচুনা নুংঙাইগনি মচুনা কান্নগনি অসুমনা মপা মমানা থৌ-ইনশিন্দ্রনা তোকখিবা কোঙ্গাইনি।

কা হেম্বা অকে অমোগী অঙাং ওইবা : রেদিও, তেপ, তেলিভিজনগী নুংঙাইরবা দৃশ্য, নুংশিরবা শুর থাগোক্লনা স্কূল কানিংদবা মশানা তাবনি। অহাওবতা চা, কজবতা শেং, কেথোক্লনা স্কূল কাদবা অঙাং মশিং য়ামলে ইচাদি দিল্লিদা নত্রগ মা-মত্রাজদা নত্তনদি তমহল্লোই হায়-না মৌথোকহল্লিঙৈদা মতম হৌখিবনা হায়বা য়াম্মে। মপাল লৈবাক্তা থম্মরবগু য়ুমগী নুংঙাইবচু কাওঙমদনা তম্বা তোক্লনা চেল্লকপা অঙুমনা মাংখিবা পুন্সিগু থেংনদবা নত্তে।


তম্বা তোকপ্রবা মীওইশিংনা করি ওইরকপা তাই ?

তম্বা তোকপ্রবা অঙাংনা লমকেৎ লমহাইবা অঙাং দিলিংকেন্ট চাইল ওইবা, খর চাওরক্রগা সমাজগী রাথোক ওইবা মী প্রোব্লেম মেন ওইবা মশানা তাবনি। হেক্ষিনলকপনা লাক্স-ফানবা ঙমদবা মী ওইরকপা ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা মী ওইরকপা হৌনশানি। অনাবা মীগী লাইওং থংলগা লায়েংবগুম মৈহৌরোল থংলগা অঙাং লমজিংবীবা, শেম্বীগদবা ওই। অহাম্বদা মমা মপাদা চেলেঞ্জ তৌরক্নি মথংদা কৈরোই লৈকাইদা অচু-দগী থুঙ্গদা থুম্নাইদা চেলেঞ্জ তৌরকপা তাবনি ॥ হেক্ষিনলকপনা মশামক্তী পুন্সিদা তেমশিংলকপা মশানা তাবনি। অনুত প তৌবিনিংঙ্গবদি মতাং-মতম চারিঙৈদা লাথেংবীহৌবা চুমগনি। নত্রবদি মচা মনাও ওইবশিংনা নোংমদি শোইদনা লাওরক্নি ‘ হিংগে, হিংনবা লম্বী পিন্নু।’ লম্বী অচু

মপা মমা ওইবনা পীবা তাবনি, শেম্বীবদা ঙম্মোইদবা, হিংনবা লম্বী পিবা ঙম্মোইদবা লৈরবদি পোক্তনবা লম্বী থিহৌবনা থাইদগী ফরবা লাইরানি।

লৌশিং থাক্তা অঙাংগী মখল

Intelligent Quotient (I.Q.) লৌশিং থাক	অঙাং চাম্মগী মনুংদা	অঙাং মখল
I.Q ১৪০ গী মথক	১	Gennious (লাইপোক) Giftedchild
I Q ১২০-১৪০	৫	Very Superior
I Q ১১০-১২০	১৪	Suprior মীথোই মীহেন্বা
I Q ৯০—১১০	৬০	Normal মীয়ামগী ওইবা মীচম
I Q ৮০—৯০	১৪	Dull
I Q ৭০—৮০	৫	Border line
I Q ৭০ গী মখা	১	Moron/Feeble minded
I Q ৫০—৭০	—	Imbecible
I Q ২০—৫০	—	Idiot



Gifted Child :— কনাগুম্বমা I.Q: ১৮০/১৯০ য়ৌবা অঙাং য়াওই তাই। মতু পক্ক থোক্বপা ওইদে। I.Q ১৪০ লৈবা অঙাং শাগুম্বদা বুদ্ধি থৌমনবনা মখোয়না খঙনিংতুনা হংমনবনা ওজাদো পোৎথাদে, করিগুম্বদা ইজং মাংবা ওজা য়াওই। খঙবা হেনমনখ্রতুনা/খঙনিংমনখ্রতুনা School Management/Organisationদা Problem থোকল্লি। অসুম্না থোইদোক হেক্লোক্লবা অঙাংবু মাগী অহেনবা অয়াংবা চাং অতুদা চংনবা থুদোংচাবা পীগদবনী। মখোয়গীদমক ক্লাস তোঙান্না তৌনবা শিনগদবনী। লোয়ননা Dull Borderline তায়বদি বুদ্ধ চঙলবা হেনজন্না পঙলবা অঙাংশিংগীদমকসু অহেনবা ক্লাস Before or after School দা লৌতুনা মীমান্ননবা হোৎনবীগনী।

"অঙাংদি নিঙথাদা থঙই"

পাউরৌ অসিগা মরী লৈননা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনতানরবা পুজা তৌনফম ওইগ্রবশিং অমদি ওইরিবশিং কয়াগী অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী পুন্সি রারীদা মথক্কী পাউরৌ অসিনা কদায় ফাওবা চুনবগে য়েংশি।

সমাজগী লুচিংবা ওইরগদবা অমগী পুন্সি অসি শেমগৎলকপা মতমদা মমা অমসুং মপাগী অচৌবা থৌদাং লৈ। তৌইগুম্বসুং অকবা চারাদা

মতিকচাবা হায়, ঈশিং অমসুং শম্বল খাবনচিংবা অদুগা পাম্বীদুনা তোং-লগদবা তীল-কাওনবিংবা ফাদোকপীরগা পাম্বীগী অফবা ওইবগুম নৌ-রিবা অঙাংগী পুন্সিগী হৈনবী চৎকদবা শাক্তৎ লমৎ অদুগী থবক্তা মপা মমাগী থৌদাং চাওনা লৈ। অদুগীসু মথক্তা চারা অফবনা ওইরকপা পাম্বীগা থরা পাংদবা চারাদা শেমজরগা ফরকপা পাম্বীগা অনিগী খেন্নবগুম পোক্লকপদা মশানা থরা ফনা পোক্লকপা ১দি থরদং হন্থবা থাক্তা পোক্লকপা মীসিগী খেন্নবসু লৈতবদি নত্তে। মতৌ অসুমনা ইংরেজশিংগী হায়নবা " অয়ুক্কী মতমনা মুমিৎ অদুগী মওং খঙবা ঙমই" হায়নবসু লৈ। পাউরৌ অসিগা মীতৈগী " অঙাংদি নিংথাদা খঙই " হায়বা পাউরৌ অসিগা মনুংদা খুরিবা ভাবার্থ অনি করিসু খেন্নদে হায়বা তাকই।

মায়কৈ পুম্বা ইমম মম্না মংলবা নোংগা লোয়ননা ওইরক্লবা মুমিৎ অদুগী অয়ুক্কী ফিভম অদু উরগা মী অয়াম্বনা মুমিৎ অদু নোং হাংদুনা মুংশাগী মঙাল ইফং ফংলরোই খমৈ তৌইগুম্বনুং গুক্তহাং হাংলোইদবা নোংগী মতৌ অদু তোকথোকখ্রগা ইখও খঙহৌদনা মুংশাগী মঙাল শন-দোরক্তুনা জীব খুদিং মতু মমান খিংনৈ। অসিগুম্বা মওংদনা মীতৈনা হায়নৈ " অয়ুক হৌবা নোং "। অদুবু মশাগী কুমগী হৌনবী কায়দনা ওইরক্লবা অয়ুক্কী নোংগী মতম অদুদদি অয়ুক্তা হান্না উথিবা নোং অদুগা ফিভমদগী হেন্না শাথিবা মওংদা পৃথিবী অসি ঈশিংনা পুমথুম থুমজিল্লগদ-বা মওংদা তারকপা কোঙ্গাইনি। মরম অসিনা ইংরেজিদা হায়নবা " অয়ুক্কী মতমনা মুমিৎ অদুগী মওং খঙই " হায়বদুগী অশেংবা প্রমান ওই। মতৌ অসিগুমনা মীওইবগী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লবা মীওই-শিং—ধর্ম্মদা, রাজনিতিগী লম্বীদা, সমাজ সেবাদা, সাহিত্যদা, ইতিহাস্ত অমদি কলা ক্ষেত্রদা মথল মথেল কয়াগী লমজিংবা যোগীশিং বীর পুরুষশিং অমসুং সৎজন কয়া কয়াগী পাউতাক লৌদুনা ঐথোয়না ঙসি হিংনরী।

মনিপূরদা খুরৌচেনবা অঙাং অমসুং মহাক্কী মহৈতম্বা

(The Problem Child in Manipur and his Education)

সমাজগী চৎনবী কাংলম অদুগা চাননা চৎপা ঙমদ্রবা অঙাং অদু ঐখোয়না কাংলম চাদবা অঙাং হায়রগা খঙৈ। অসিগুম্বা অঙাং অসিনা মহাক্কীদমক সমাজনা পীবা থাক অদু গৌদবা থাক অমদা লৈ। অসিগুম্বা কাঙলমচাদবা অঙাং (Delinquent) অসিবু রাহৈ অমরোমদা খুরৌচেনবা অঙাং (Problem Child) হায়নসু কৌনৈ; মরমদি, মহাক্কা সমাজদা, ওঝাদা, মমা-মপাদা, অমসুং মশামক্তা খুরৌ ওই। কনা-কনাগুম্বনা খুরৌচেনবা অঙাংবু কাঙলমচাদবা অঙাংদগী ময়েক শেংফাক্তবা লৈই অমনা থাইদোক-পসু য়াওই। মখোয়না হায়বা মতুংইন্না, খুরৌচেনবা অঙাং হায়ব-শিনা অহানবা থাক্তা লৈবনী, অদুগা কাঙলমচাদবা অঙাং হায়বা অসিনা অনিশুবা হেন্থিনথ্রবা থাক অমদা লৈবনি। খুরৌচেনবা অসিগী খুরৌদু মতমচানা লৌথোকপিহৌদ্রবদি মহাক্কা কাঙলম-চাদবা অঙাং ওইরকই হায়না কনা-কনাগুম্বনা হায়। কাঙলমচাবা অঙাংদি সমাজদা লৈমিন্নবশিংগা চান্ন-চিন্ননা লৈ। মহাক্কা সমাজদা চুশিন্ননা লৈ অমসুং লাংতক্রবা অমাদি অকি-অখঙনা মহাক্কী পুন্সিবু লৈতাহন্দবা তৌদে।

মফম অসিদা ঐখোয়না নৈনগদবদি চাওরাক্কা অঙাংনা, থোই-দোক্কা মনিপুরগী অঙাংনা, করমনা খুরৌচেম্বা অঙাং ওইরকইবনো অমসুং মখোয়গী মহৈতম্বগী কম্বা কয়াৎ অমা য়াৎপা য়াবগে হায়-বদুতনি।

১। খুৱৌচেনবা অঙাং ওইরকপগী মরমশিং :—

(ক) অঙাং অমুগী পারী-পুরিগী ওইবা মরম :—

হকচাংগা মরি লৈনবা ফিভমশিংনা অঙাং অমবু খুৱৌচেনবা অঙাং ওইহনবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা, লাইনা পকপা মমা-মপানা পোকপা মচা অমু লাইনা পকই। লোক্কী লাইননা নাবা মমা-মপানা পোকপা মচামু লোক্কী লায়না চেন্দুনা পোকই, লায়না অসিনা মরম ওইদুনা অঙাং অমুগী মশা শোনবা য়াই, মনা তাথিবা য়াই অমসুং মমিৎ ফত্তবা য়াই, অমসুং মদুদগী মানা লৈরিবা সমাজ অমুগী চৎনবী থাক অমুগা চাননা লৈবা ঙমদে। মরম অসিদগী মহাক্না খুৱৌচেনবা অঙাং ওইরকই।

(খ) লৌশিংগী ফিভম :— ময়ামগী লৈনরিবা লৌশিংগী ফিভম অমুদগী হন্থবা থাক্তা লৈবা অঙাং ঐখোয়না থেংনদবা নত্তে। স্কুলদা কারিবা অঙাংশিংগী মরক্তা চামদা ২° দগী ৩° মুক্তি চাংচৎকী ওইবা লৌশিংগী থাক্তগী হন্থবা থাক্তা লৈ হায়বা য়াই। মখোয়-গীদমক্তা থোইদোক্না শিল্লাংলবা স্কুলদি লৈতবনিনা মখোয়না মখোয়দগী হেন্না শিংবা কাংবুগা তম্নিন্নবা তাই। ময়ামনা খঙবমু খঙবা ঙমদবদগী মখোয়না ক্লাস অমদা হঙ্গিন-হঙ্গিন মাইথিদুনা লৈবা তাই। চহি অমগা হঙ্গিল্লকপদা মখোয়না ছান্নগী লাইরিক-শিং অমু মখোয়দগী নহা ওইবা অমসুং হন্থরম্বা অঙাংশিংগা লোয়-ননা তম্বা তাই। মদুদা মখোয়না তল্লি অমসুং মথবায় য়াওদে। মরম অদুনা মখোয়না নত্ত-নত্তবা থবক তৌথৎলকই অমসুং চুমনা থবায় য়াওনা তমজবা অঙাংদা অয়েৎপা পিব। মাইপাক্কবা হোৎনবদা মখোয়না নিয়মগী বাংমদা লৈবা থবক, হায়বাদি শিনবা গুরান্বনচিংবা থবক তৌরকই॥ অসুম তৌদুনা লৌশিং বাৎলক্লবা অঙাং অমনা খুৱৌচেনবা অঙাং অমা ওইরকই।

(গ) পুকচেল খোয়জেলগী ফিভম :— পুকচেল খোয়জেল কৈতা-দবা, তথক তথকপা মমা মপানা পোকপা মচাশিং অদুগী পুকচেল খোয়জেলস্থু মমা মপাগুম্না তৌই। থজিক্কদা শাগম্বা এখোয়না খেংদবা নত্তে, মসিনা মরম ওইদুনা মাগী ময়ামগী তিন্নবা য়ারক-ত্তে অমস্থুং মানা ওন্না-তৈনবা শাজং চংলকই।

২। মচা অদুগী অকোইবদা লৈরিবা পোৎশকশিংগী শায়না ওইবা মরমশিং :—

(ক) য়ুমগী ফিভম — অহানবদা, ইমুঙ অমদা অঙাং অমবু পামদবা অমস্থুং লুংশিদবা মওংদা থম্বদি অঙাংদু মওংচুম্না চাউখৎপা নত্রগা হৌরা উমদে। মানা তৌবদু অতৈনা থানবীদবা, মাবু লুংশিবীদ-বা অমস্থুং মদুগীদমক্তা মীনুংশি পোকপীজবা অঙাংদুনা ইমুং অদুদা লৈফম থংলক্লে। মদুগা লোয়নন্না মঙোন্দা ইমুঙ অদুগী হঙ্গোয়বা রাখল পোক্লকই। অসিগুম্বা ইমুংবু হঙ্গোয়বা রাখল অসি মমৈথং-দা সমাজবুগু হঙ্গোয়বা রাখল ওইরকই। মরম অসিনা অঙাং-অসিনা সমাজনা অমগুং ইমুংনা পাম্বা মওংদা থবক তৌরক্তে। মমৈথংদা মহাক্কী খুৎনৌচেনবা অঙাং ওইরকই।

অনিশুবদা, ইমুংদা অঙাংনা য়ামনা চেকশিনবা অমগুং য়ামনা কোমথোকমম্বা মমা মপাগা লৈমিন্নবা য়াওই। চেকশিনমম্বা মমা মপাগী মচা অদু মনিংতৌবা রাংপদগী পওথখিবা অমা নত্রগা মমা মপানা পাম্লিবা অদুগী ওন্নতৈনবদা থবক তৌরকপা অমা তৌগল্লি। অদুগা হেন্না চেকশিন্না থম্বা অঙাংদি পুন্সিগী অকনবা অমস্থুং অরুবা থবক্কী মায়োক য়াবমা শোনগল্লি। মরম অসিনা মহাক্কী মওংচুমনা ছৌবা (চাউখৎপা) অঙাং ওইবা উমদে। মহাকস্থু মমৈথংদা খুৎনৌ-চেনবা অঙাং হায়বদু ওইরকই।

অহুমশুবদা, ফত্তবা, অমস্থুং লমচৎ নাইদবা ইমুঙদা

পোকপা অঙাংদি খুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই। মপাগা মমাগা অাহৎপা লৈতবা খংনা-চৈনহবদি মহুনা অঙাংদা মহুবা শাফু যাওই পোক্লবা নত্রগা পোকবীনা থীনা তেৌবীরবা অঙাং অদুসু খুরৌ-চেনবা অঙাং ওইরকই। মমা মপানা অঙাংগী মমাংদা লমচৎ-নাই-দবা শাজৎ চৎলবদি অঙাং অদুসু লমচৎ নাইদবা শাজৎ চংলকই। মহুনা মহাক্ন সমাজদা অমসুং ইমুং মনুংদা অকাইবা পীরকই।

(খ) স্কুলগী ফিভমনা ওইবা মরম :— অফবতা ওইনবা শেমন-বনি হায়না থমিবা স্কুলনা কমিগী খুরৌচেনবা অঙাং শেমকাদৌরি-বনো হায়বশি ঐথোয়না য়ামনা ঙক্না হংবা বাহংন। অদুবু ঐথোয়না উরিবসিনি, অঙাং কয়ানা স্কুল কাদবদগী খুরৌ চেনবা অঙাং ওইরক্লবা মত্তে। স্কুল খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা ফিভম লৈজে। কমিগুম্বা স্কুলদা ওঝানা তৌনিংবতা তৌই, মদুদা ভামবা অঙাংশিং অদুবু মানা মী ওইনা খন্দে। মদুদগী তম্বদা হৈনরক্লবা অঙাং অদুনা স্কুল অদুবু মথমতা হঙ্গে। য়জরকই অমসুং মশা মথম-তবু হন্ববা মীয়েংনা য়েংজরকই। অসিগুম্বা পিকথবা রাখল অসিনা খুরৌচেনবা অঙাং শেমলকই। স্কুলগী করম্বা ফিভমনা অসিগুম্বা পিকথবা রাখল অসি পোকহনবগে হায়বদু মথং মথং য়েংশি।

অহানবদা, মমা মপা ওইবনা খুদোংচাবা অতোপ্পা মফম ফংদ-বদগী হকচাংগী ফিভম শোয়বা মচাবু অতোপ্পা অঙাংশিংনা তম্বা স্কুলদা হেক্তা থাজিল্লি। মশাগী ফিভম শোয়নাইদবা মচাবু অতোপ্প অঙাংশিংনা তম্বা স্কুলদা থাজিন্নবনিনা অঙাং ময়ামগী লক্কম ওই, অমসুং মহাক মশানসু মশাবু য়ামনা তোম্না অমসুং করিগী দমক্তা চিংলিবনো হায়বা রাখল অমা ফাওজরকই। অসিগুম্বা পিকথবা অশোনবা রাখল অসিনা অঙাং অদু ময়ামগা মান্নবা অঙাং ওইবা ঙম্লক্তে, অমসুং ওন্ন-তৈনবা খুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই।

অনিশুবদা, লৌশিং খরা ৱাৎপা অঙাংবু হেন্না লৌশিং শিংবা অঙাং-শিংগী মরক্তা থম্মোয় ৱাংবা মমা-মপানা থাজিল্লি। অঙাং অতুনা ময়ামতুগী মতুংইনবসু ঙমদ্রে, অতুগা ময়াম অতুনসু মখোয়গা লোয়ননা চৎমিন্নগা ঙমদবা মীওই অতুবু হুন্দনা য়েংলকই ওঝানা খরা শোনবা অঙাং অতুদা হেন্না মুক্তিং চংশিনবা উবদসু অতোপ্পাশিং অতুদসু অচান-মীরাইগী ৱাখল পোক্লকই। মতৌ অসুম তৌনা লৌশিং খরা থেনবা অঙাংনা থুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই।

অহুমশুবদা, ওজাগা অঙাংগা লৈনরীবা মরি অসিসু য়ামনা লুই হায়বশি অচুম্বনী। ওঝানা মাগী মীৎয়েং মথাদা লৈরিবা অঙাংশিংতুদা অফ-ফত্তগী, জাতি বিজাতিগী নুংশিবা নুংশিদবগী, মিয়েংনা থেন্নন য়েং-ঙক্পদা অঙাংশিংদা ওস্তোকপা ৱাখল অমা পোকই। ওজানা অঙাং-শিংদা পীবা চৈন্নাক অদো অঙাংশিংগা নাতৈ চানদবা, অঙাংশিংনা থঙবা ঙম্বদগী হেন্না থঙহন্নিংবা অমসুং থঙবা ঙমদ্রগনা চৈন্নাক হেন্না কন্না পীবা, পারা ফাবা অঙাংবু ফাদবা অঙাংদা চৈন্নাক পীহনবা, চৈন্নাক্কী চায়তুনা অঙাংগী পাঙ্গলনা থাঙবা ঙম্বদগী হেন্না পীশিনবা অফিনাচংবা ওজাগী শাজৎনা অঙাং অমবু মশাদা অতনবা, নিংহন্নবা অমসুং অতোপ্পা নাকন্দা লমহেনবা অঙাং ওইরকই।

মথক্তা উৎখ্রিবা মরমশিং অসি নত্তবা মরম কয়ামরুমসু লৈরি; মখোয়দুসু অমুক হায়শি। ১। মথোক কায়কপা মতমগী অঙাংশিংগী ৱাখল অতৈ মতমগী অঙাংশিংগী ৱাখল্দগী তোংঙাল্লি। মখোয়গী মপাঙ্গল কনখৎলকপা, মরৌশিং ফগৎলকপগী মতুংইন্না ওজা অমসুং মমা-মপানা মখোয়দা য়ামনা অচানবা মিয়েংনা য়েংবা তাই। নত্রবদি মখোয়না ময়ামনা য়াদবা থবক্তা মাই ওসশিল্লি অমসুং সমাজদা থুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই। মখোয়না মশানা মশাবু থাজৈ, মনিংতৌবা পান্মী হায়বদি অহল-লমনগী য়াথং ঙাক্তা ইন্দুনা লৈবা পামলক্তে। মখোয়গী অহেম্বা

পাঙ্গল অমসুং লৌশিং অদুগী ঈথায় অফবা না কৈদা পীদ্রবদি ফত্তব মাইকদা লাক্লোই হায়না ঐখোয়না থাজবা ওমদে। মনিপুরগী হৌজিক্কী মথোৎ কারকপা অঙাংশিংনা লমকৈ চৎনরিবা অসি মখোয়গী অচাবা লম্বী অদু সমাজ অমসুং গোভর্ণমেণ্টনা পীবা ওমদবদগীনি।

(২) ত্তিন্নবা মরুপ ফত্তবদগী অঙাংশিংনা খুরৌচেন্বা অঙাং ওইরকই, কাঙলমচাদবা অঙাংনা ইনশিন্দুনা কাঙলমচাবা অঙাংগী রাখল ঈরাং হৌইল্লি অমসুং মহাবশু কাংলমচাদবা অঙাংগী রাখল মতুং-ইন্না থবক তৌরকই। অদুদগী মহাকসু খুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই।

(৩) মমা-মপানা লাইরবনা মরম ওইদুনা অঙাং অদুগী থম্মোয়না রাংজবগা মানা মমা-মপাগী ফংজরিবা থাক অদুগা চানদবদগী অঙাং অদুগী রাখন্দা নিংবা কায়বগী ঈথিল অমা ফাওরকই। মরম অদুমা মহাক্না মথৌদা হৈনিংদে। মমাম্নবগা মীমান্নদবা অসিনা মহাক্না মহাকী পুন্সি অদু সমাজদগী লাপনা পুথোকরকই অমসুং সমাজবু নুংশিদবা মিয়েংনা য়েংলকই। অশুমনা নিংবা কায়রবদা মহাক্না মকৈ ভমথনবগীদমক থবক অমা তৌবা তাই। অশুম তৌ-দুনা অঙাং অদুগী ওইবা য়াবা মওংদা অঙাং অদুনা হৌবা (চাও-খৎপা) ওমদে। সমাজবু হঙ্গোয়বা অসিনা মানা সম জগী ওন্নতৈন-বদা থবক তৌরকই অমশুং সমাজদা খুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই।

(৪) খুদোংচাবা অমশুং কান্নবা মতম : লেনফম ফংদবদগী অঙাংনা খুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই হায়বদু অমুক য়েংশি। লৈকাই লৈ-কাইদা লাইরিক পানবা, ঈ-পাউ তানবা নত্রগা হকচাং শাজেলগী ওইবা মশান্না, শান্নবা মফম য়ংলবা মরমনা অচাংশিংনা তাস শান্নবা সিনেমা য়েংবনচিংবা হরাউ কুম্মেদা মতম লেল্লি। শেল

তান্নবগী মিৎয়েংদা লৌরিবা সিনেমাগী ফিল্মনা অঙাংবু অহোংবা কৃষ্মি য়েংহন্দুনা নত্তবা লম্বীদা পুরি। মনিপুরগী অঙাংশিংনা মরক অমা শিংজং পাইরম্বা অদো সিনেমানা তম্বীবনী। মতৌ তমগনবা অঙাং-শিংনা মখোয়না ইকাই খুমনজবা মীওইগী সিনেমাগী নত্রগা খুল্লকা মতৌ তম্মী। মরম অসিনা মখোয়গী লুচিংবা (hero) না শিঙজং পাইরে হায়বা উবদা মখোয়না শিংজং পাইদনা তোক্তে। মখোয়গী লুচিংবনা য়ু থক্কনা ডাওশিন্নবা তাশ শান্নবনচিংবা তৌরকপদা মখোয়শু মখোয়গী মতৌ তম্মী। লৈবাক্কী লুচিংবা অমস্তুং সমাজগী মচিন তোংবশিংনা ফি-দমনকম ওইদ্রবদা, মতৌ তমনিংবা অঙাংশিংনা সিনেমা অহোংবা মীওইশিংগী মতৌ তম্মী অমস্তুং মমিদা খৌশাহনা অডাওবা শাজং চং-চংলকই। অদুগা লোয়ন-লোয়ননা সমাজদা খুরৌচেনবা অঙাং ওইরকই। লৈবাক্কী ওইবা মীওইশিংনা মীনম্বা ডাংবদা অঙাংদা মীনম্বা ডাংবা তম্মী অমস্তুং লৈবাক্কী শাসনগী চুপ্পি পায়রিবশিংনা ডাংবহু থাজবা ডমহন্দে। মরম অসিনা অঙাংশিংনা লৈবাক্কী ফত্তবা থবক্তা পুক্নিং চংশিল্লী। মসি সমাজদা অমশুং সাসন পুরিবা মীওইশিংগী মরক্তা ফিদমনকম ওইবা মীওই য়াওদবদগীনী।

মথক্তা ঐখোয়না অঙাং অমনা খুরৌচেনবা অঙাং করমনা ওইরক-পগে হায়বগুগী মরম অয়াম্বা উৎপ্রে। মরম থঙলবমিনা মরম অসি লৈত্তনবা অমশুং লৈরবসু মহু লৌখোক্নবা শিন্নবতদা অঙাংশিংনা মহৈ তমননবা চাওখাক্না কন্নি তৌবা য়াবগে হায়বহু য়েংশি। সমাজনা সমাজগী খৌ পুননবগীদমক সংস্থান কয়ামরুম শেম্মী। খুদম ওইনা ধর্মগী সংস্থান, গীর্জা, লাইব্রেরী, শান্নবগী ক্লবশিং অমস্তুং এসোসিয়েসনশিং, হকচাং-শাজেল তৌফম, স্কুল, সাহিত্য চাওখৎনবা লিংবা সংস্থান, রাজনীতিগী সংস্থানশিং অসিনচিংবা অসি সমাজবু শেমগৎননবা সমাজনা শেমজবা সংস্থানশিংনী। মখোয়গী মরক্তা স্কুলনা খোইদোক্না অঙাং শেম্নগী

[illegible]দা শরুক য়াম্না চ [illegible] । স্কুলগা খুরৌচেনবা অণ্ডাংগা অ[illegible] থোক্না [illegible] লৈবে । [illegible] স্কুলনা খুরৌচেনবা অণ্ডাং শে[illegible] ঙম্মী । [illegible], স্কুলনা খুরৌচেনবা অণ্ডাং খোঙ্জেনবা শি[illegible]বা ঙমই [illegible] অহুমশুবদা, স্কুলনা থেংনবা খুরৌচেনবা অণ্ডাংবু চুমথোকপা ঙমই । স্কুলগী [illegible] মরম [illegible], শিল-ফম অহুদা [illegible] [illegible] স্কুলগী [illegible] কায়না [illegible] অমহুং ছাত্র[illegible] [illegible] [illegible] চংবা [illegible] স্কুলগা খুরৌচেনবা [illegible] [illegible] । হৌ[illegible] ক ও[illegible]রবা [illegible] য়াম্-গ্রি । পোৎচা[illegible] [illegible] ছাত্রগা মা[illegible] চানদবা, [illegible] মহুং ওজা[illegible] ত্রেনিংগী [illegible], সমাজনা [illegible] [illegible] মত[illegible] স্কুল[illegible] [illegible] কহুন্দবা [illegible] দবা [illegible] মহুং য়াম্না ডবা য়[illegible] ।

অফবা স্কুল অমা [illegible] ইথোং[illegible] [illegible] অসি কং[illegible]দা স্কুল অহুদগা খুরৌচেনবা অ[illegible] [illegible]-না থাজবা ঙমই আনগুম্বা স্কুল অ[illegible] সমাজগী স [illegible] মহুং লৌরগ, খুরৌচেনবা অণ্ডাং বায়ঙ্দা [illegible] [illegible] চুম-থোকপা ঙম্মী । স্কুলগী ফাইনেল পরিক্ষাদা [illegible] ছাত্রশিংনা চামদা ৩০ মুক্তা ফাওবা পাস ওইখিবা অহু মচামনা অঙবপনি হায়নৈ । মসি ঐখোয়না উখবা স্কুলগী চংগদবা পোৎচাশিং অহু রাংপদগীনি হায়বা থংলবদি ঙাক্নঙাহ লৈতে । অহুম্মা অঙ[illegible]শিংনা

পাঙ্খৎলক্লবা মেথদ ওইরকপদগী কয়নদনি হায়দুনা মনিপুর গোভর্ণমেন্টনা ... এইটাগী ... পরিক্ষা অমা লৌরি। অদুবু ... খংবা মথংগী ... মতাংদা অদু ... পরিক্ষা ... হায়বা অমিনা।

স্কুলগী ... মশানা ... অঙাংশিংগী মমা মপানা ... মরীদা তৌবা য়াবা থবক মখাদা ...—

(১) ... ওইবা ... (২) ... ওইবগী পুনিং ... শোয়রবা ...

... পুং ... মতিক

... ওমগদবনী। ... থিবদি ... অঙাংশুমনা ...। স্কুলগী ... খুরৌচেনবা ওই।

(৪ খুদোংচেনবা অঙাং ... অমদা ... খুদোংথীবা অদু ... থঙগদবনী।

(৫ স্কুল ... অথৌবা মাইবা লৈরবদি ওবানা অঙাংগী মরমদা মাইবদুনা থঙনিংলিবা পুমনমক ... ওমগদবনী।

(৬) খুদোংচেনবা অঙাং হায়বশি ... ওইরক্লে, মাগী মমাংগী অশাংবা ইতিহাস লৈ হায়বশি ওবানা থঙগদবনী।

(৭) খুদোংচনবা অঙাংগী লায়য়েংবা ... মাইবা লৈতবা স্কুলদা ওজানা ... অঙাং অদুগী খুরৌ অদু মশক থঙদোকপদবনী অমসুং মহাকপু মথমতানা শিন্নগদবনী।

(৮) অঙাংগী মমা-মপাগা উনবা মতমদা ওঝানা মখল মরিগী মমা মপা থেংনৈ— অহানবদা, মচাগী অশোয়বা তাকপদা শাউবা মমা-মপা, অনিশুবদ', মরাল অতোপ্পদা শিজিন্না হৈবা মমা-মপা অহুমশুবদা, মচাগী অরানবা অদু মী অতোপ্পদা থঙহন্দবা তুমিননা চুমথোক্নিংবা মমা মপা, অমস্থং মরিশুবদা, মচাগী খুন্নৌ থঙবা, অমস্থং মীগী মতেং পাম্বা মমা-মপা। ওজা অমনা অঙাংগী অমস্থং মমা-মপাগী পুকচেল অমস্থং শাজং থঙবা ঙম্বা তাঈ।

(৯) ওজানা মমা-মপাগা লোয়ননা অঙাংগী মমাংদা ফিদমনফম ওইবা লুচিংবা অমগী শক্তম লৌগনী।

(১০) সমাজদগী লাকপা অঙাংগীদমক অকায়বা ওইগদবা পুন্নমক ওঝানা চতমচানা সমাজদ ঙাকথোক্কবা তাকপা তাই। খুদম ওইনা, মনিপুরদা সিনেমা সো কা লেন্ন উৎতুনা ছুতি হুন্নানবা পাখঙ-লৈশাবীগী উনফম ওইরিবা, জাতিগী শেল মাংহল্লিবা অসি থিংনবা সমাজদা থংহনবা ওঝাগী মথৌনী।

স্কুলগী শাসন পুন্নিবা কাংবুনা য়েংশিনগদবশিং অদু মথাগী অসিগুমনা শমপ্না উৎপা য়াই :—

(১) স্কুলদা খুন্নৌচেনবা অঙাং পোক্লক্কনবা থৌরম পন্নেং নৈননা শেমগনী অমস্থং মদু থবক্তা পাংথোকতুনা উৎকনী।

(২) অঙাংগী কাঙলমচাদবা শাজং অদু চুমথোক্নবা স্কুলনা করি তৌবা ঙংগে হায়বদু য়েংশিনগনী।

(৩) স্কুলদা থবক তৌনবা হাপ্পা মীওই অদো চেকশিন্না থল্লগা হাপকনি অমস্থং মাবু মফমচানা শিজিন্নগনী।

(৪) স্কুলগী মপান্দা লৈরিবা সংস্থানশিংগা স্কুলগী মচুংদা লৈরিবা অঙাংবু শেমন্নবা নৈনন্নীবা কাংবুগগী মরক্তা মন্নী থমনবা শিনগনী।

(৫) থবক তৌরবা স্কুলগী মীওইশিং অদুগী থবক তৌনা তৌনা ওম-শিন্নবা খুদোংচাবা পীগনী।

(৬) স্কুলগী অকোয়বদা অমসুং মনুংদা রাখল অমসুং পুকচেলগী অহিং-অশা যান্নবা ফিদম অমা থমগনী।

(৭) স্কুল অমবু কৈ-ফন্তে হায়না লেপ্পদি মদুদগী থাক্লকপা অঙাংগী শাজিংতা যবা যাদ্রবগী নতুংইন্না লেপ্পী হায়বদু ওজাদা খংগদবনী।

(৮) খুবৌচেন্বা অঙাংগী অহানবা খুদম ওঝাবু পুথোকহনগনী।

(৯) ওঝা ময়ামগা তিন্নগা অঙাংগী মরমদা নৈনবা কাংলুপ শেমগনী

(১০) ক্লাস কাহবা, অঙাংগী থবক্তী মমল লেপ্পা অমসুং পথাপ কায়দবা শাজিংকী মওং ফগৎহনগনী।

(১১) অঙাংনা কৱি তাম্লবগে অমসুং অঙাংবু করমনা তম্বীরবগে হায়বা অসি মুন্না য়েংশিনবা তাই। অঙাংনা খঙবা ওদবা পোৎ তম্বী-রবদি অঙাং অমুনা খুবৌচেন্নবা অঙাং ওইরক্নবগী মরম য়ামনা লৈ। তম-বীবা শোয়রবা নত্রগা তমগদবা পোৎনা লুরবা হায়বদু য়ামনা মুন্না য়েংবা তাই। মসি খুৱৌচেনবা অঙাং ওইরক্ননবগী মরুওইবা মরম অমা ওইথোক-বগা অম্নানী।

(১২) খুৱৌচেনবা অঙাংবু চুমথোক্নবা থোইদোকপা, অকক্নবা মফমদা ওঝাবু মহৈ তমহন্নবা শিনগনী।

মতৌ অসুম তৌনা য়ামনা নৈননিংঙাই লৈব্রী। অদুবু মনিপুরগী ওইনা স্কুলদা লৈরিবা অরাংপা কয়ামরুমগী মনুংদা থরতা ওইরবসু মেনখৎলবদি লক্সী অসিদা ফনা য়ামনা চংশিল্লে হায়বা য়াই। স্কুল স্কুলগী নত্তনা গোবর্ণমেন্ট অসিগী ওইনা ফাওবা অঙাংগী মরমদা থোইদোক্না খঙবা নত্রগা খঙননবা থিবা বিভাগ অমা ফাওবা লৈত্রিবা অসি মতমগা চানদ-বনী। মতুংদা লম অসিবু খঙনা তুংশিবা মীওইনা মরমশিং খঙনা থবক পাইখৎলক্কনী হায়না ঐখোয়না থাজৈ।

শিক্ষানা মনিংতম্না অতিয়াগী অশেংবা লুংশিং মরক্তা পাইনিংই তৌইগুম্বসুং অরাবদি লৈবাক লৈবাক্কী শিক্ষাশিংশি মথোঙদা য়োঙ্লিং অমমম খোং খোংপা থাংই। লান মমাংগী জাপান, হিট-লরগী জর্মনী, হৌজিক্কী রুস মকমশিং অসিদা শিক্ষানা মনিং তম-জবা ওমদে। পৃথিবীগী মতুংদা থাংলগী হেন্না গন-তন্ত্রিক ওইরে হায়রীবা ইংলণ্ড ফাওবদা পণ্ডিতশিংনা রাজনিতিগী পুংলোন কাইনা শানিংবা জগোয় শাবদা থন্না লুনা মথোকই। মরম অসিনা শিক্ষা হায়বশি মতোমতা তোপ্পা নৈনবা য়াদে রাজনিতি, অর্থনিতি, অমসুং সমাজগা শিক্ষাগা শেৎনবা য়াদবা মরি লৈ।

রাজনিতিগী মরমদা য়েংলবদি অয়াম্বনা পৃথিবীদা মীচং সঙন শেমনহুনা "ব্লেক বেল্ক" নাইনরী। ইংরেজনা পানবা মতমদা ভারত্তা চংলম্বা শিক্ষানিতি অদুবু ভারত মচাশিংনা য়ানিংলমদে। মরমদি শিক্ষাগী মওং অদু হৌজিক্কী রাজনিতিগী মওংগা য়ান্না মান্নে। হায়বদি ইংরেজশিংনা 'East is East' West is west হায়বগী মওংদা শিক্ষাগী নিতি শাগৎলম্মী। পৃথিবীগী মফম খুদিংদ থাগৎনরীবা চেকপনশিংশি কোক্লনবা শিক্ষানা ফনা কন্না হোৎনজে অদুবু থাঙ্গেশেংবা শক্তিদি রাজনিতিদা লৈবনা মশক থোক্না থবক পাংথোকপা ওমদে।

লৈবাক লৈবাক্কী শিক্ষা প্রনালীদা সত্যম শিবম শুন্দরম য়ৌন-নবা মরাং কাইনা কৈরাক থানৈ অদুবু হায়রীবা লৈবাকশিংশিনা তৌথোরকপা থবক্তি হৌজিক হৌজীকী কান্নহৌরগা লোয়রে হায়-বগুম খোপচিননবগী, তাৎন-শুনবগী খুৎলাই শাবদা লমজেল তান্নরী। মস্থগী জ্ঞাম্না উংখিহুনা মীওইবগী সমাজ মুৎকদোরে রাজনী-তীগী অসিগুম্বা থোঙচৎ অসি উবদগী বিশ্ব কবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরনা

বিশ্বভারতী লিংখৎলম্মী, বিশ্ব-ভারতীগী মরমদা রবীন্দ্রানাথ ঠাকুরনা ইরম্বা থরা মফম অসিদা পনবদা মতাং চাগদ্রা নিংই। কবিনা ফায়রম্মী — "পৃথিবীগী চহি মতাং চারে" শিক্ষাবু জাং-জাংকী অমদি লৈবাক লৈবাক্কী ওইনা য়োকখৎনবগী মতম হৌজিক নত্রে। হৌজিক্তা শিক্ষাগী কো-ওপরেতিভ শেম্বা মতাম্মি। কো-ওপরেতিভ অসিদা য়াওনবা শিক্ষা অহুদি লাইরেন্না লকুৎ কাবদা শিবগুম করিমত্তা কান্নদনা শিগনী।

মরম অসিনা ভারতত্তু শিক্ষাগী কো-ওপরেতিভকী অচৌবা কেন্দ্রা অমা দরকার লৈ। কেন্দ্রা অসিদা মহৈ পুন্নমক লৌথোক-লৌশিন তৌগনী অমসুং চাংদম ফিদমনগনা। মফম অসিদা লৈ-বাক লৈবাক্কী মহৈ মাশিং চাওখৎলকপগী খোংচৎতা ভারতকী মহৈ মাশিংবুসু বিচার তৌগনী।

মফম অসিদা পৃথিবী পুম্নমক্কী মহুম শাগনী, মহুম অহু শারবদি মীওইবাশিংগী মরক্তা লৈরীবী মালেম লৈমবু উজগনী। মপানগী লম্বী পাক্লা চাওনা থোক্লবদি অশেংবা হুংশিংনা অমোং অকাই পুম্নমক শেংদোকনী।

ভারতবর্ষনা খওই মহুদি সমাজনা মীওইবগী অরোইবা পন্থুং ফম নত্তে, মতমচুম্নগী পাম্বৈ নত্তে — সমাজদি মীওইববু অরানখুভম তান্না খুংশম্বীনবা লৈবনী।

কবিনা ফায়রম্মিবা রাহৈ থরা অসি হৌজিক্কী শিক্ষাদা থং থং পানবা রাহৈ ওাকনী। লেপাক অয়াম্বগী শিক্ষানা সমাজ অমসুং Material World অসিতবু উবগুম তৌই, অমসুং শিক্ষাপ্রনা-লী অসি Pragmatism হৌজিক হৌজিক্কী কান্নবতা য়েংবা ওইনা উই। কবিনা মসিগী অকাইবা অসি উহুনা ফিদম ওইনা বিশ্বভারতী লিংখৎপনী। মহুমগী পৃথিবীগী লৈবাক অয়াম্বনা

U.N.O. বু স্কুল কলেজশিংগী পাঠ্যদা হাপ্পবনী। মীওইববু এটোম, হাইড্রোজেন বোমদগী কনবীনবা হায়বাদি লৈবাক খুদিংদা কবিগী বিশ্বভারতী শিংবা অমসুং হিন্দুশাস্ত্রদা ময়েক লান্না ইরীবা সমত্ত-যোগ নিংথিনা থংবা দরকার ওই। অচুম্বইরবদি অমা মী পুম্নমক লুনা নিংগনী অমুগা কম্মনা মী পুমনমক য়াইফ-থুংডাইনবা হোৎ-নগনী। মতমশিদা পৃথিবীদা শান্তি লৈগনী। মতৌ লাইরেম্বীসু মমাই পাক্লা মচাশিংগী কুম্মৈ য়েংজগনী।

ময়ামগী মান্নদবা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বীবা

(Education of Exceptional Children)

চুমনগী স্কুল অমদা লৈরীবা অঙাংশিংগী অয়াম্বা শক্তি ময়াই ওইবা নত্রগা চুমনগী ওইবা অঙাংশিংনী হায়না থাইদোকপা য়াই। হায়রিবা অঙাংশিংসিদগী মশা-মঙদা, মহৈ-মশিংদা, রাথলদা অমসুং ময়ামগী ওইনা মান্নদবা হায়বশি ময়ামদগী থেদোরকপা অঙাংশিংসু ঐখোয়না থেংনগনী। অসিগুম্বা অঙাংশিংসি মহৈ-মশিং তম্বীবদা অমসুং ময়ামগা চুংশিন্ননবা হোৎনবদা তোপ-তোপ্পা মওংদা পাঙথোকপা তাই। অদুমনা ময়ামদগী থেদোরক্লবা অঙাং-সিবু Exceptional Children (ময়ামগা মান্নদবা অঙাংশিং) হায়না থঙনৈ।

Crow & Crow গী মতুংইন্না "ময়ামগা মান্নদবা" হায়বা বাহৈশি কন্নগুম্বা গুন অমদা নত্রগা গুনষুবু চেন্নিবা মীহুনা ময়ামনা চেন্নরীবা গুনদুগা মান্নদ্রবা অমসুং মান্নদবসিনা মস্তম ওইহনা মাগী মমান্নবশিংদগী তোপ তোপ্পা পুক্রিং চিংশিনবা তাররবদি অমসুং মাসিনা মাগী লমচৎ শাজৎতা অমসুং মতৌ মওংদা কায়হল্লকবদি

Exceptional ওইবা হায়বদি ময়ামগা মাগ্নদবা হায়না হায়গনী, মথক্তা পিন্নিবা ময়ামগা মাগ্নদবা মী কপায়বু কৌবগে হায়বশিংগী মতুংইন্না মীশিংবু মথাগী অসুমনা থাইদোকপা য়াই। মতুদি :—

১। **The physically handicapped** (হকচাংগী ওইনা শোয়ৎ্রবা) অমুক্তসু মথাগী অসুমনা থাইদোকই। মতুদি :—

a) **The cripple** (খাঙ তেকপা)

b) **The blind and near blind** (মিৎতাংনা অমসুং তাংগদোরবা)

c) **The deaf and hard of hearing** (না পঙবা না তাথিবা)

d) **The defective in speech** (ৱা ঙাংবদা শোয়বা)

e) **The delicate person** (পেৎ পেৎ লাওবা মী)

২। **The Mentally retarded** (ৱাখল হন্থবা অমসুং

৩। **The Gifted** (থোইদোক হেন্দোক্লবা)।

ঐখোয় হৌজিক মখাদা অমমমতা ওইনা নৈনগনি।

The physically handicapped children :—

কনাগুম্বা অমগী মশাগী হকচাংগী অশোকপা নত্রগা শোয়বনা ময়ামগা থবক্তা যাওবদা থিংলবা, অকায়বা পীরবা অদু ওইরবাদি মী অদু হকচাং শোয়রে হায়গনী।

Education and the physically handicapped : –

(হকচাংদা শোয়বা অমসুং মহৈ তম্বীবা)

হকচাং শোয়রবা মীশিংসি মখোয়গী তোঙানবা হকচাংগী অশোয়বা অদু নত্তনা অতৈদদি ময়ামগা চপ মান্নৈ। অদুনা মখোয়বু মহৈ তম্বীবা মতমদা অতৈ অঙাংশিংদা পীবা মহৈ তম্বীবগী মওং মতৌ পুমনমক পীগদবনী। অদুবু তম্বীবা মতমদা ঐখোয়না মখোয়গী অশোয়বদু অমসুং তৌবা ঙম্মোইদবশিংদু খনগদবনী। মখোয়শিংসি

করিগুম্বা শিনফম অমদা training পীগদবনী। পীবা ত্তাম্নবদি মখোয়-তুনা তৌবা ঙমগদবা খন্দুনা পীগনী। অম্নুমনা চান্নবা থবক অমদা চৎ-হনবশিনা মশাবু ইকাই খুমনজগনী অমম্তুং হিংবা ঙমনবগী থোৌনা লাকনি, হকচাংদা শোয়রবশিংসি মহৈ তম্বীবা মতমদা সমাজগা চান্নবা হায়বতু য়েংশিনদবনী। মশাগী অশোয়বতুতা খন্দুনা লৈতনবা অমম্তুং মহাক্কী অঙম্বা শক্তি ফাওবগী মনুংদা মাইপাকপা ফংনবা খুদোংচাবা পীগদবনী। মহাকসু অতৈগুম্না করিগুম্বা খরা তৌবা ঙম্মী হায়বা খংজনবা থোৌনা পীগদবনী।

তোঙান-তোঙানবা অশোয়বগী মী অমম্তুং মহৈ তম্বীবগী থোৌদাং :—

(a) The cripple : খোঙ তেকপা মীওইদি মাগী শরুদা, শম্নরকপ-দা muscle শীজিন্নবদা অকায়বদা পীবা মখলগী অশোয়বা নাই। খোঙ তেকপা অসি পোকপদগী য়াওরকপা, accident দগী ওইরকপা নত্রগা নাবদগী ওইবা য়াই। পৌরকপদা অনাবশি চেকশিনহৌদ্রবদি ধাম্না শাথিবা মওংদা ওইরকপা য়াই। বুদ্ধিদদি খোঙ তেক্লবশিংস ময়ামগা চপ মান্নে অমম্তুং মখোয়না হেনবসু য়াওই। অতুনা মখোয়গী চান্নবা য়েং-তুনা মহৈ মশিং তম্বীনবা শিল্লাংগদবনী। মহৈ তম্বীবদা করি করি পাম্নে লৌখৎকদগে হায়বতু মখাদা পীরি।

১। বুদ্ধিদা ময়ামদগী হন্দদবনীবা মহৈ তম্বীবদা রাখল চাওখৎনবগী খুদোংচাবা পিগদবনী।

২। মশাবু অমগুং অতৈ অতোপ্পা মীওইশিংগা মহাক্কা লৈনরবদা মরিতু অপাম্বা মওংদা ওইনবা মহৈ তম্বীগনী।

৩। স্কুলগী মপোৎ মচৈশিংতু মশাগী অশোয়বগা চান্নহনগদবনী। খুদম ওইনা হায়রবদা টেবল, চৌকিনচিংতু মানা ফম্বদা সুংঙাইনবা, ইবা পাবদা অনাবা পীদনবা মওংদা চনগদবনী।

৪। **Cripple** শিংশি তোঙাম্বা শঙদা নত্রগা ক্লাসকী কা অমদা পুন্না থম্লোইদবনী মরমদি অতৈগী খুদোংচাবস্থ পীগদবনী।

৫। মশাগী অকোয়বতুদা চান্নবা থবক অমদা **Training** পীগদবনী।

b) **The blind and near blind** (মীৎ তাংবা অমস্থং তাংগ-দৌরিবা) :—

মহৌশানা মীৎতা শোয়বা মীদি মখোয়গী অশোয়বতু লোৎনবা হোৎ-নৈ। মীৎ তাংগদৌরবা অঙাংশিং নত্রগা উবদা অশোয়বা লৈরবা অঙাং-শিংদি অতোপ্পদা মখোয়গী অশোয়বতু উৎপা পামদে। অতুনা ওজাশিংনা মীৎকী অশোয়বা লৈব্রা হায়বশি খঙনবা হোৎনবীগদবনী অমশুং চেক-শিন্নীগদবনী। করিগুম্বা অঙাংশিং অসিনা লাইরিক পাবদা মীৎ কুপ্লবা, লাইরিক পাবদা মওং অমা শোয়না পারব, অশাওবা উৎলবা, মীৎ তোয়না নোইরবা অমশুং ময়ামদগী তোঙানবা মওংদা মশ। অমশুং মকোকউ থম্লদি মমিৎতু কয়া য়ামনা শোক্লবগে হায়বতু খিগনী অমশুং ডাক্তরদা য়েংনবা থাগনী।

মহৈ তম্বীবনা মথাদা পিরিবা মাইকৈশিংসিদা মীৎতাংবা অমবু চান্নবা পুরকপদা মতেং পাংগনী।

১। অঙাং অতুনা মমিৎ পুমতাং তাংলদি মহাকপু মিৎতাঙবদগী তো-ঙানবা স্কুল অমদা থাগদবনী। মফম অতুদা **Braille System** দা তমনবা অমস্থং চান্নবা থবক্তা **Training** পীনবা থাগনী। মীৎ-তাঙবা অমবু ঈশৈ শকপা অমস্থং করিগুম্বা মথল অমগী খুৎশা হৈবগী থবকতস্থ তম্বীগদবনি।

২। স্কুল অমদা মীত্তা অশোয়বা লাক্তনবা/থিংনবা হোৎনবদা পুক্লিং চংগদবনী মরমদি মীৎ শোকপদা অকোইবদা লৈরিবা পোৎনা মতেং য়ামনা পাংই।

৩। থরদময়ক উফাত্তবা অঙাংশিংদি sight conservation ক্লাস-তা পুল্লপ থমগদবনী। ময়েক অচৌবা ইবা লাইরিক অমসুং মাপ্পবা পাম্বৈ কয়ামুক তম্বীবদা শীজিন্নগদবনী।

৪। স্কুলদা মঙাল অমসুং ভংশেং তশেংবা ময়েক অচৌবনা নম্বা লাইরিকশিং পীনবা খুদোংচাবগুম ফংহনগদবনী।

৫। Black board কলনা শেংদোকনি অমসুং মতুদগী মফমচাবা অরাপ্পদা থমগনী।

৬। হকচাংদা শোক্রোইদবা মঙংদা পাবা হৈনহনগদবনী।

c) The Deaf and Hard of Hearing (না পংবা অমসুং না তাথিবা):

না পংবা হায়বা লোনশি কনাগুম্বা শুংতা তারকত্রবা মীওইদা শিজিন্নৈ। মখোয়শিংশিদি রা ভাংবা থোকাত্রভেদা, তাথিদবা অমা নত্রগা রা ভাংবা হৈবগা রা ভাংনবগী পক্তিদু মাংখিবগা লোয়ননা তাদবা অমা। রা ভাংবা হৈরবা মতুংদা তাথিদবা অসিবু ঐখোয়না না তাথিবা হায়না কৌই।

না পংবা অমসুং না তাথিবা অমবু মথাদা পিরিবা অশুমনা তম্বীরবদি adjustment পুরকপা ঙমগনি।

১। না পঙবা শীহুবু অতৈগা মরি লৈনবা পাম্বৈ পুথোকপদা মতেং পাংবিগদবনী। অহুবু হায়রিবা অসি স্কুল অমদদি ফংবা রাগদবনিনা না পংবা অমসুং লোন খোজবগী তোঙানবা স্কুল দরকার ওইগনী। ঐখোয়না য়ামনা খাজদা য়াই, মতুদি মীওইব-শিংসি থাজদবা stage ফাওবা ভম্বা ঙমগনি হায়না। Miss Helen Killer বু ঐখোয়না পনবা য়াই। মহাক মনাস পঙই, মমিৎশু তাঙই, তৌঈশুদ্দশুং মহাক হৌজিক্কা শিংথানবা য়াবা মী-শিংগী মরক্তা অমনি। ওঝাশিংনা মনা পুঙবা অঙাংশিংবু মখোয়গী

কানলুবা অঙাংশিংগা অমসুং অতোপ্পা কানসুবগী অঙাংশিংগা
তিন-থোকনবগী থৌনা অদু পোকবা য়েংশিনবীগদবনী।

২। না তাথিবা অঙাংশিংদি তোঙান্বা কাশিংদা থম্মোইদবনী। ময়াম্গী ক্লাস রুমদা থমগদবনী। তৌবদদি মখোয়বু মমাং মান্দা ফাংহনগদবনী। মরমদি মখোয়না ওজাগী চিনবাল ফোংদনা হৈবা উনবা ১ স্ত পাল্লা হায়রবা অঙাংদুগী মাইকৈদা য়েংবা য়াদবনী।

৩। না পঙবশিংদি Research তৌবা, ওবা ওইবনচিংবা থবক্কী মতাংদা অতোপ্পা মশুনশিংদুনা ফরবদি adjust তৌবা ঙমগনী।

d) Defective in Speech (ৱা ঙাংবদা শোয়বা)—

ৱা ঙাংবদা শোয়বশিংদি মরোল শেংদবা, মরৈ লোয়বা, নাতেংনা খোংবা, অঙাংগুম্বা ঙাংবা, কৈ থাবা অমসুং খোন ব্রো ব্রো লাউবা ওইবা য়াই। ৱা ঙাংবদা শোইবগী মরমদি হায়বদি শৌরককনদি Physiological ওইবা য়াই অদুগা physiological reasons কী মতুংদা ৱা ঙাংবদা থওইদবদগী হেনবী ওইহন-
খিবা, ৱা ঙাংবা শোয়বা মীগী মতৌ তম্বা, মপুংফানা পোথাদবা অমসুং পুক্নিং থোইব্লাংবনচিংবা ওইবা য়াই। ৱা ঙাংবদা পুনা, কৈ লোয়নচিংবদি অয়াম্বনা ৱাথক disturbance তগী লোক্লকই। অনাম্বা অমনা থোঙ্জেল থোকত্রবা নত্রগা ফজনা ৱা ঙাংবা ঙমদ্রবদি ৱাথলগী পোংলুমদু হেনগংলি লোয়ননা ৱা ঙাংবা নুংঙাইতেবদুমু হেনগংলি?

মথাদা পীরিবা মওংশিংসিদা ৱা ঙাংবা শোয়বা ইন্থহনবা নত্রগা ফগৎহনবা য়াই।

১। ফগৎহনবা নত্রগা exercise গী পান্থৈনা লৌথোকপা নত্রগা থুংলাইনা operation তৌবা হকচাংগী অশোয়বা শরুকতু।

২। য়া ভাংবা শোয়বা মীদু ফজনা ও হবা তম্বা।

৩। য়ুমগী মওং অমশুং স্কুলগী প্রান্সিদু tension হন্দুনবা শেম্বা।

৪। ফজনা পিজ পিথক তৌবা।

৫। তোঙানবা য়া ভাংবগী ট্রেনিং তৌবা।

স্কুল অমনা মখাগী অসুমনা য়াঙাং শোয়বশিংবু মতেং পিবিগদবনী। মদুদি :—

১। মাগী মু ইতবদু থংনবা হোৎনবা।

২। অশোয়বদু overemphasize তৌদবা।

৩। চেকশিন্না অমসুং চুন্না diagnose তৌবা।

৪। অশোয়বদুগা চান্নবা exercise পীবা।

৫। মাগী ক্লাসকী মমান্নবশিংগী মমাঙদা ইকাইবা পোকহন্দবা,

৬। অবাবা লৌথোকপা।

৭। ওজামা তপ্পা ভাংবা, চুন্না ১সুং মতৌ তম্বা য়াওদনা মুঙাইবা য়াঙাং ভাংবীবা।

C, Delicate person (মশা পেং পেং লাওবা মী)

মীওইশিংসি অককবা লাইনা অমতনা নাদে। অদুবু মখোয়শিংসি মশাদু য়ামনা চেকশিনবা দরকার ওই। অসিগুম্বা ঈ য়াংপা পাঙল শোনবা মীওইশিংসি delicate person গী মনুংচল্লি।

delicate ওইবা মীওইশিংসি করিগুম্বা অচম্বা থবক অমা ফাওবা য়াওবা উমদে। মাগী চহি লেঙ্গাগা নত্রগা মমান্নবশিংগা শান্নবা য়াওবা নত্রগা exercise হেনজিন্না তৌরবদি য়ামনা চোকথবা য়াই নত্রগা কন্না ফাওবা নাবা য়াই। লায়না অমনা নত্রবসু চাবা য়াৎপদগীসু ওইগল্লি। পীক্লিনৈদগী হৌনা অভাংগী মশা মউদু য়ুমদা ১সুং স্কুলদা চেকশিন্নীরবদি চাউরগা delicate ওইবা মী ওইদে।

স্কুলদা চাং-নাইনা হকচাং য়েংবা, psycological ওইবা অরাংপা। য়েংবা অমসুং চাং নাইনা থবক তৌবা দরকার ওই। ভারততদি শেল থুম রাংপনা মরম ওইদুনা হকচাংশিংগী ফিভম ফত্তে। স্কুলনা লেমনা মরক্তা চরা রানহল্লবা, শঙ্গোমনচিংবা পিনবা থৌরাং তৌরবদি য়ামনা ফৈ। অঙাংশিংসি ময়ামগী ক্লাসতা থম্বা য়াই অমসুং তোয়না chek up তৌবা দরকারনি।

The Mentally Retarded Children

(রাখল হল্লবা অঙাংশিং)

ময়ামদগী রাখল মান্নদবা মীওইশিংসি মখল অনিথোক্না খাইদে কপা য়াই মদুদি :— ১। Mentally retarded (রাখল হল্লবা)

২। The gifted (থোইদোক হেন্দোক্লবা)

মী অমগী mental quotient অদু ৭০ (হুফুতরা)গী মখাদা লৈরবদি ঐখোয়না মহাক অদু mentally retarded ওইরে হায়গনী।

মসিদা I. Q: ৭০ অমসুং ৮৫ গী মনুংদা লৈ। তম্বা তপ্পা মীওইসু য়াওগনী। অদুনদি ঐখোয়না I Q. ০—৮৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবসু থন্নগনী।

অয়াম্বা মমা মপানা মচাশিংদু রাখলদা ময়ামগা মান্নদ্রে হায়বসি থাজদে। মখোয়না খল্লি মদুদি মইদা ফজনা তৌদ্রবা অঙাং অদু মহাক্না হোৎনবা রাংপননি খল্লি। কনাগুম্বশিংনা মখোয়গী অঙাংদু mentally defective ওইরে অদুনা ফন-কন্না হোৎহুনসু অতৈ অঙাংনা ফংবা জ্ঞান য়ৌবা উমন্নোই হায়রবদি মখোয়না শাওই। অদুনা ওঝাগী ইহান হায়বা মথৌদি মমা মপাবু মচাশিং অদুগী mental calibreগী মরমদা তম্বীবনি অঙাংগী mental ability test তৌপদবনী অমসুং মমা মপাদুসু মদুদা

য়াওনগদবনি। মতুংদা মগীশিংগী হৈনিংবা পোক্লবা শুঈদগী যবা মওংদা হোৎনগদবনী ময়ামদগী রাহল হুন্দুরবা অঙাংশংবু মমা মপানা মখোয়গী শক্তিগী রাংমা ফাওবা তমনবা হায়জিল্লবদি মমা মপানা শুাঈদগী ফত্তবা থবক তৌরবনী। অঙাংদুগী রাখলদা অকায়বা কয়াংকুম থোরক্লগনী অমসুং চুশিন্নবা হোৎনবদা রাগনী।

চহি য়ামদ্রিডৈদদি তাওনবা অঙাং অমগা বুদ্ধি ফকচিল্লবা অঙাং অমগা খেৎনদনা উবা য়াই। ঈপোয়না খেন্নৈ হায়না খঙলকপশি ময়ামদগী পোন থোকপদা তপ্পা, চংপা অমসুং অতৈ অতোপ্পশিংদনী। তৌইগুম্বসুং অপঙবা (Idiot) নত্রগা রাখল থনবা ঙমদ্রবা (Imbecile) শিংদদি Mental retardation য়াম্না ঙন্না খঙবা ঙমগনী। Mentally retarded ওইবা অঙাংগী Adjustment Problem গা Gifted নত্রগা normal ওইবা অঙাংগী Problem গা খেন্নৈ। Mentally retarded ওইব অঙাংগা লোয়নরবদি মীওংশি খঙবা, থাংবা কনবা অমসুং অন্নাবা খঙদবা তাই। Idiot তি স্কূলদা চঙগন্দে অদুগা Imbecile দি চঙবা নত্রগা চঙদবা য়াই। রাখল শোয়বা অঙাং অমবু স্কূলদা মীং চল্লবদি ফজনা থবক পাংথোক্তবা উৎলকনী। অদুনা তম্বা তোকখিবা নত্রগা হুন্দবা থাক্তা মতম কত্তনা লৈবা য়াই। অত্তনবা অঙাংশু তসুম্না তৌই। মদৌশানা মখোয়গি ক্লাস অমদা মতম কুংনা লৈগন্নি। মংাক অফবা মমাংবশিংগা তান্নবা ঙমৌই অদুবু ময়ামনদি ময়ামগা মান্নবা উগনী। মশিনা মঙোন্দা নিংবা কায়বা পুক্লিং লৈতাদবা পোকহনগনী।

ফীজীকেল্লি হেণ্ডিকেপ

ছাইবা পানবা অশিদা মীগী নীম য়দবা মরাইদক থারবা মীওই কয়ামুকস্থ অরাম্পোৎলুম য়ৌদুনা, শিবদি হেক য়াবদি নত্তবনিদা হিংলি। মখোয়শিং অদুবু ঐখোয়না হেণ্ডিকেপ (মিযাম্মদ্রবা) ওইবা হায়না খঙনে। হেণ্ডিকেপ ওইবা হায়বশিস্থ মখল কয়াম্রুক থোক্না থাইদোকপা য়াই। মরুওইনা মখল অহুম থোক্না থাইদোকাস মদুদি— (১) ফিজিকেল্লি হেণ্ডিকেপ, (২) মেণ্টেল্লি হেণ্ডিকেপ, অমসুং (৩) সোশ্যাল্লি হেণ্ডিকেপ অসিনী

মতৌ অসিদা নিনগদৌরিবদি ফীজিকেল হেণ্ডিকপনি। ফিজিকেল হেণ্ডিকপ হায়বদি শকচাংগী কয়াৎতা মীনাম্মদ্রবা হায়বনি। মসিস্থ মখল শাওখোক্না থাইদোকাশ মদুদি ১) মিৎ তাংবা, ২) না পঙবা অমসুং মরোল থোক্নবা, ৩) খোঙ তেকপা অসিনী। হায়রিবা অহুম অসিগী মতুংদা অমতং চল্লবা মীওইশিং অদুবু ঐখোয়না ফিজিকেল হেণ্ডিকেপ ওইবা হায়না খঙনে। মিৎ তাংবা মীওইশিংগী পুন্সি সংসার অসিদা হিংবদা কয়াদা অরাবগী মশক্নো। সংসারগী প্রকৃতি অমসুং খুৎশেমগী মঙবা, অথিবা মশক থঙবা ঊমদ্রবনি না পঙবা মীশিংনা মীনা ডাং-নরীবা বাশিংদু করিনো হায়বা, ওবা ঊমদবনা, ময়েক শেংনা থঙবা ঊমদ্রবনী মরোল থোকত্রবা মীওইশিংদু মপুক্তংদা নিংলিবা বাকম কয়া ফোংদোক্লিংলবসু, হাজৎনা থরমথৈ যাংদোকচরবসু, মপুক্ষনা ফোঙ-দোকপা ঊমদে। খোঙ তেকপা মীওই কয়া কয়ানা চৎথোক চংশিনগী থবক্তা কয়াদা অরাবা নংলিবা! অরাবনী মখোয়শিং অসিগী পুন্সি।

সংস র অসিদা খোংদারক্লবনা মখোয়স্থ সংসারগী অবা-হুতোই অনিমক্তা শরুক য়াদরা য়াদ্রে। ঐখোয়না মখোয়বু করম্না মওংদা ডিংভেলপ তৌবা য়াগদগে হায়বত্থ শিন্দবা য়াদ্রবনী। অতুগা-লোইনা লোইননা মখোইস্থ মশা মশাগী ability কয়া পুথোকতুনা হোংনবা তাবনী।

হেণ্ডিকেপ ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক শিক্ষা পিবা থোই-দোক্লা দরকার ওইরিবনী। মখোয় মশা মশাদা য়াওরিব এবিলি-তিশিং অহুগা চায়-চান্নবা য়েংহুনা তোঙান-তোঙান্ন। শিক্ষা পীহুনা মশাবু হুকচাং ফবা মী অমা ওইনবা অমস্থং মশানা মশাবু থাজবা, নিংতম্বা মীওই অমা শেম্বদা মতেং পাংবা তাই। হেন্দিকেপ ওইবা মীওই থুদিংমক মশা মশাগী তোঙান তোঙানবা মেরিট অমমম লৈছে।

হেন্দিকেপ ওইবা অঙাংশিং অসি অহানবমক্তদা মেডিকেল এক-জামিনেসন, গাইদেনস, অমস্থং কাউনসেল্লিং পিবা তাই। অঙাং থুদিংগী তোঙান তোঙানবা মওংশিংদা দরকার লৈবা মিৎয়েং চংবা তাই। মসিগী থবক অসিদি চাং নাইনা চাইলড গাইডেন্স অমস্থং মেণ্টেল হায়জিন ক্লিনিকতা পাংথোকপা তাই।

মেডিকেলগী মতিকচাবা থৌদাং লোইরবা মতুংদা ট্রেনিং পিবা তাই। তোঙান-তোঙানবা প্লান অহুমথক লৈ। মহুদি—(১) অঙাং অমবু স্পেস্যালিষ্ট নত্রগা ক্লিনিক নত্রগা মেণ্টেল হোস্পিটালদা থম্বা (২) অঙাং অতুবু চাং নাইবা মওংগী থৌরম কয়া শিন্দোক্তুনা ক্লাস রুমদা থম্বা, (৩) অঙাং অতুবু স্পেশ্যাল স্কুলদা নত্রগা ইনসটিট্যু-টতা ট্রান্সফর তৌবা অসিনী।

স্পেশ্যাল স্কুলশিংদি মথাদা পীরি :— (১) মিৎ তাঙবগী স্কুল (২) না পঙবা অমসুং মরোন থোক্তবগী স্কুল, (৩) খোঙতেকপশিংগী কেন্দ্রা (৪) মথা শোইনাইরবশিংগী স্কুল (৫) কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংগী লৈফম, (৬) লমহৌনবা অঙাংশিংগী ইন্সটিট্যুসন, অমসুং (৭) ক্লিনিক অমদি গাইডেন্স কেন্দ্রনী।

ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈরিবা না-পঙবা, মিৎ তাঙবা, অমসুং মরোল থোক্তবশিংগী মশিং হুজিক ফাউবা চপ চানা থঙবা গুমগ্রি। মসিনা তাকপদি হেন্দিকেপ ওইবশিংগীদমক নিংখিবা, চপচাবা থৌরাং অমা পাইখৎত্রি অসিনী। অদুবু ইহৌমক হৌৎনদবদি নত্তে।

ব্রিতিশ গভর্ণমেন্টনা পাল্লিভৈ মতমদা হেন্দিকেপশিংগীদমক শিক্ষাগী থৌরাং অমত্তা তৌরমদে। অদুমকপু খৃষ্টান মিসনরীশিংনদি মাইকৈ অশোমদা মিৎয়েং থরদি চংলম্মী। শোক ১৮৮৩ দা Miss Anne Sharp কৌবী প্রোটেস্টেন্ট মিসনরী অমনা অমৃতশরদা মিৎতাংবা অঙাংশিংগীদমক স্কুল অমা লিংখৎখি শোক ১৯০৩ দা স্কুল অসি দেহরাদুনদা হোংখি। শোক ১৮৯০ দা মিস এ, জে. এক্সবিত (Miss A.J.Askwith)না মিৎ তাঙবশিংগীদমক Patayamkottal দা সেকেণ্ডরী স্কুল অমা হৌখি মিষ্টর লাল বিহারী কৌবা ইন্ডিয়ান খৃষ্টান অমনা কলকাত্তাদা শোক ১৮৯৯ দা মিৎ তাঙবগী স্কুল লীংখৎখি। মসিগী মথংদা শোক ১৯০০ দা বোম্বেদা Miss Anna Millard না অমেরিকান স্কুল ফোর দি ব্লাইন লিংখৎখি। মসি হুজিক্তা ডার্ডার স্কুল ফোর দি ব্লাইন হায়না কৌরে।

ভারতনা নিংতমদ্রিঙ্গ মমাংদগী এডুকেসনগী মিসনরিশিং ১সুং ডিপার্টমেণ্টশিংনা হেন্দিকেপ স্কুলশিং অসিগী দায়িত্ব লৌরক্লিবনী। শোক ১৯৫৫-৫৬ তা নেশনেল কাউন্সিল ফোর দি হেন্দিকেপ হায়বা সংস্থান অমা শেমখ্রে। কাউন্সিল অসি শিক্ষানা হোশিংজবা, মিং তাঙবা অমসুং না পঙবগী মরমদা ট্রেন লৌরবা মীওই ঙাক্নবা শেমখ্রনী। কাউন্সিল অসিগী মরুওইবা থবক্কি শিক্ষা, ট্রেনিং, থবক পীবা, কলচরেল ১সুং সোশ্যালগা মরি লৈনবা থবক্তা ফিজিকেলি অমসুং মেণ্টেলি হেন্দিকেপ ওইবশিংগীদমক শিনবদা গোভর্ণমেণ্টদা এডভাইস পীবনি। সোশ্যাল ওয়েলফিয়ার বোর্ড মরুওইবা বোর্ড অমনি। মসিগী মথোদাং অনি লৈ। মদুদি :—

(১) জুবেনাইল ডিলিকেন্সি অমসুং (২) ফিজিকেলি হেন্দিকেপনী। শোক ১৯৫৫ গী মার্চকী অরোইবা ফাওবদা বোর্ড অসিনা ঙোঙন তোঙানবা চাইলড ওয়েলফিয়ার এজেন্সিশিংদা লুপা লাক্ষ ১৩.৫ রোম মতেং পীখ্রবনী। হুন্জিক লৈবাক খুদিংমক্তা বেপ্রো কয়া লৈরে।

শোক ১৯৫৫-৫৬ তা ফিজিকেলি হেন্দিকেপ ওইবশিংগী স্কুল ইনরোলমেণ্ট মশিং মখাদা পীরি।

{১} মিং তাংবা	ইন্সটিট্যুসন	৪৯	ইনরোলমেণ্ট	২,২৪৫
{২} মরোন থোক্তবা, নাপংবা	,,	৩৪	,,	২২৯০
{৩} খোঙ অকপা	,,	৮	,,	৫৫২

অপুনবা ইন্সটিট্যুসন মশিং ৯১ অপুনবা ইনরোলমেণ্ট মশিং ৫,০৮৭

মিৎ তাঙবগী স্কুলশিং ;—

হৌজিক ভারতা মিৎ তাঙবা মী মিলিয়ন অনিদগী হেন্না লৈ, অদুবু মখোয়শিং অসিগীদমক মতিকচানা স্কুল খন্দি ওংদে। অয়াপ্পা ইন্সতি-ট্যুসনশিংদি ভোলুন্টরী এজেন্সিশিংনা শিজ্জনী, অমশুং কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং অদুনা অরোইবা থাক্কী দরকার ওইরবা খরদুতা কংলগা হিংবা পুন্সিগী কন্নিশু খেন্নবা লৈতে।

শেল-থুমগী কিভম অমুক্কী মতিক শাথীনা কত্তে। অদুমকপু মরক মরক্তা সেন্ট্রেল গোভর্ণমেন্টনা নত্রগা ষ্টেট গোভর্নমেন্টনা মতেংদি পীরি। ইন্সটিট্যুসনশিং অসিগী থৌরম (curriculm) দি লৌ লোনবা থুংমাক শাবা, কার্পেট শাবা, উ শুবা লাইরীক বাইন্দিং তৌবা অসিন-চীংবা অসিনী। ইবা পাবস্থু ব্রেইল কোড (Braille code) কী উপাইনা মাগী মাগী মমালোম্না তম্বী। কোড অসি আইট ইম্বোজ ডেটস-তা বেজ তৌদুনা এরেঞ্জমেন্ট তৌই, অদুগা মীৎ-তাঙবা অঙাংশিং অদুবু পানিংবা, তমনিংবা য়াথল পোকহন্দুনা তম্বীবনী। Special Nail অমসুং মখুল হোবা রোলর অমগী মতেংনা সিম্বোলিক পেটর্নশিংদু ইম্বোজ তৌদুনা ইবস্থু তম্বী।

না পঙবা অমসুং মরোল খোক্তবগী স্কুলসিং :—

না পঙবা অমসুং মরোন খোক্তবশিংনা পীগদৌরীবা শিক্ষাদি ময়াম্না কংনরীবা শিক্ষা অসিদা না পঙবা অমসুং মরোল খোক্তবগী শিক্ষা অদুগা লোয়নবা কংহনবতনী। মসিদা পীরিবা থৌরমদি মিৎ তাংবগীগা, অয়াপ্পা মাইরে। ম্যুজিক (ভোকেল অমসুং ইন্সট্রুমেন্ট) তম্বী মহৎতা লাইয়েকপা শাবা, বল থাবা তম্বনী। থ্রি আর'স (Three R's) তম্বীবা মতমদা লিপ রিডিংগী মতেংনা তম্বীগনী।

খোঙ তেকপগী কেন্দ্রশিং :—

খোঙ তেকপা অঙাংশিংদি মীওইবা অঙাংশিংনা (নোর্মেল চাইল্ডা) তশগা চুপ মান্নে। খোঙ তেকপা অঙাংশিংবু Treatment পীবগী মরমগীদমক প্রোস্থেটিক এপ্লায়েন্স শিজিন্নদুনা ট্রেন তৌহনুরনু। মসিনা মসল (muscle) শিংবু ডিভেলপ তৌবদা মতেং পাই। মসি নিত্তিং অমসুং কাপেন্টরিগী মতেং মচু ওইথোকই। তশেংনমক মসিগী প্রোগ্রাম অসি য়াম্না ফে। মহৌশানা [illegible] কেন্দ্রশিং অসি হোস্পিতালদা এটেস তৌগদবনি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

লমচৎ [illegible] মরু ওইবদি নোল্লুকপনী

নোল্লুকপবু নহা ওইরিবা ঙৈদগী হৈনবা ওইহন্নবা ছাত্র-ছাত্রিশিংগী অহল [illegible] মচা মশুবু রাইহে খোলফম, শাজং লিচং খুদংদা নোল্লুকপা অসি [illegible] পাক্রিদগী পারা নাইনা তশ্বীবা দরকার ওই। পাখঙ লৈশাবা ফাররবা [illegible] অমুক তশ্বীবদা বানা থোক্কনী। বেদ-শাস্ত্রাদা ইরি, 'তুনাদপি সুনীচেন তবোরিব মহিষ্ণুনা' হায়বদি রাখলদা নাপীদগী হেন্না নৈহা থাঙহৈবদা উপুস্থ ওইগদবনি। [illegible] পাখঙশিংদা দি গুন অসি থাপ্পা লৈ। 'অমস্থনিনা মানদেন' নথোদা পুক্রিং চঙউ। মগুন- [illegible] 'অমসুং মথোদা পুক্রিং চংই' হায়নবা লৈ, [illegible] মতিকচাবা ঈশ্বর থারক [illegible] নোংমা মহাক্কী [illegible] নায়ন্নি শাউবগী মহুত্তা, মহাক্কী [illegible] মুনিদন্ধুম [illegible] নারীনবু নীংজবা য়াবা ঈশ্বরনি থঞ্জখি। অরাদিবা [illegible]

[illegible] হেল্লি। অদুগুম্না অদুন য়াওব্রবদি নোঙ্কপা [illegible] য়াকৈ [illegible]-ন্রাং ৫ পাইরকতুনা তোংবদি খামনা মখোল থোকই। [illegible] মুক্ [illegible] লাকপদি মখোল থোক্কে। নোঙ্কপা [illegible] আমুক [illegible] অভাংশিংবু মতিক চানা তম্বীবা দরকারনী। নোঙ্কপা [illegible] ওইনা লমচৎনি।

মতীক মগুন রাংপা অনেশ্বা থাকিকি মীনা অচৌবা কর্ম ওইরগা মশানা মশাবু কাউথোকচৈ। মহুবু অহল-লম্না [illegible] তোংলগা অমাংবা উবগা চোংথৈ হায়না [illegible] তৌনৈ। মপাঙ্গল কনবা পুন্নমগী মতমগী য়াওন, মতমগী খোংলৈমুক পাঙ্গলবা অমা লৈরে। চৎনবী পালমুক চাউবা পঙ্খাউ লৈত্রে।

[illegible] যুগ অসি সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর অমসুং কলি যুগ [illegible] অরোইবা কলি যুগনি। [illegible] কলি অমুক চংবা যুগতুনী। [illegible] মরম্নাই তুমজবা মতমনী। নোঙ্কপা মগুন চেনবা মীশিংদি মশা [illegible] দরকার ওই।

নামা শোইরবা অভাংশিংগী পুন্সি

[illegible] নামা শোয়বা অভাংশিং [illegible] অদুনা [illegible] [illegible] অদুগী পুন্সি [illegible] নবতুনা [illegible] অদুগী মথৌ ওইনা [illegible] অসিদা নামা শোয়বশিংগী শিক্ষা অমদি অতৈ ওইবা য়াবা উপায়

লৈরীবশিংগী জ্ঞান অমু লৈতবমি। অদুগা অমখোমদা লম অদুদা নামা শোয়রবশিংগী শিক্ষা পীনবা, লায়েংনবা অমদি অতৈ মতৌং পীনবা খুদোংচাবা বাংপদগীশু অরানবা বাথল অসি লৈরীবনী। পৃথিবীগী অনিশুবা লাম্বাওগী চহি মতা অদুদা, বীজ্ঞানগী মতৌং-না শক্তি লৈবা খুজু-খুৎলাই মথল কয়া পুথোরক্লবা হোৎনখিবদা মীওইবনা কাম্লরবা পোৎশক কয়ামুক্কী জ্ঞান ফংহৌই। মতম অদু-দা পুথোকখিবা খুলাই অমদি.নিয়ম কয়াগী মতৌংনা নামা শোয়-রবা মীওইশিংগী পুন্সিদা কান্নবা য়াবা কয়া ওইখি। Eletro-nics কী মতৌংনা হকচাং কয়াৎ পানশিন্দুনা লেংঙৎপা ঙমহল্লি। মসিনা না পঙবা মীশিংদসু তাবা ঙমনবা শক্তি পী। মীৎ উদব-শিংনা মসিগী radar শিজিন্নদুনা চংথোক চংশিনগী মাইকৈ লেপ্পা ঙমই। পৃথিবীগী অনিশুবা লাম্বাউদা পুথোকখিবা Synthetics কী কান্নবশিংনা Plastic কী artificial limbs (খুৎনা শাবা হকচাং কয়াৎশিং) কয়া শাবদা মতৌং পাংলি।

নাম্মা শোয়বা (Hendicapped) হায়বশি মরুওইনা কাংবু তরুকথক থোকপা য়াই :—মীৎ উদবা, না পঙবা, হকচাং কয়াৎ খোঙ খুৎনচীংবা ; শোয়বা নত্রগা মপাঙ্গল য়াওরক্লবা, lepro-cy গী অনাবা, বাথল থনবদা অশোয়বা লৈবা, পুক্কিংগী ওইনা অমদি সমাজদা তিনবা য়াদনা শোয়বা। পৃথিবীগী মীৎ উদবা মশীং লাক্ষ ১৪০ লৈবগী মনুংদা ভারতনা মীৎ উদবা মশিং লাক্ষ ৪৪ রোম লৈ। মসি পৃথীবীগী লৈবাক অতৈগা য়েংনবদা থাইদগী হেনবা মশীংনী। অদুগা মীৎ উদবশিংগী মশিং অসিনা নাম্মা শোয়বশিংগী অপুম্বা মশিংগী মনুংদা থাইদগী য়াম্বা ওইনা লৈরী।

না-পঙবা মীশিং অসি মীলিয়ন অনিগুম্বা ওইগনী। হকচাং কয়াৎ শোয়বা মীগী মশীংদি চাউরাক্লা লাক্ষ ৪২ ওইগনী। লেপ্রোসিগী অনাবা মশীংদ লাক্ষ ২০ মুক ওইগনী। বাখল শোয়বা মীশীংসু লাক্ষ ৩০ খরা হেনবা ওইগনী।

মথক্তা পীরিবা চাওরাকপা মশীং অসি ১৯৭১ গী record অসি অসুম অসুম হেনগৎলকপা ঙাক্তনী।

লৈবাক অসিদা, নাম্মা শোয়বা কাংবুশিং অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মহৈতফম লৈ। মীৎউদবাশিংগী ওইবা সংস্থান মশিং ১৭০, না পঙবশিংগী ওইনা ৭০, হকচাং কয়াৎ শোয়বগী ওইনা ২৫, বাখল বুদ্ধি চোইবশিংগী ওইনা ৪০। মখোয়শিং অসিগী অয়াম্বা সংস্থানশিংদি লনাইগী সংস্থানশিংনা লোইবনী। লৈরবা সংস্থানশিং অসিনদি নাম্মা শোয়বগী অসুকয়াম্বা মশীং অসিগী পুন্সিদা মপুংফানা মতেং পীবা হায়বসি ওইখোক্তে। অনৌঅনৌবা সংস্থান কয়া থোরক্লি মখোয়শিং অসিমসু মীয়াম অমদি ১রকারনা হেক য়াৱীমথৈ মতেং পাংলবদি কাংবু অসিগী থবক্তা খরগা হেন্না ফগৎহনবা য়াগনী।

ভারতা পীরিবা নাম্মা শোয়রবশিংগী মতেংগী মওং অসি মথাগী অসুমনা য়েংবা য়াই।

১। লায়য়েংবগী থবক অসিদা য়াওরীবদি Diagnosis, surgical treatment, ১দি Prosthetic and orthopaedic appliances, convalescence homes অমসুং physical and mental therapy.

২। শিক্ষাগী থবক মীৎ উদবা, না পঙবা, হকচাং কয়াৎ শোয়বা অমদি বুদ্ধি চোইবশিংদা চুনবা অমদি চুনহনবা য়াবা মওংদা শিক্ষা পীবা।

৩। থবক হৈঅাংগী Training, কাংবু কাংবুগী চুনবা য়েংহুনা শু-নোম্বা অমদি কলার্নচ বগী training পীবা।

৪। Pension, allowance, scholarship কী খুদোংচাবা পীবা।

৫। থবক পীবা উদ্যোগশিং, employment exchange লৈফম চাফম লৈবা শিনফমশংশিং অমদি vocational centre শিংদা থবক পীবা।

৬। য়াইফ-থোৱাংগী মতেংশিং : হায়বদি লায়েংগী রা ভানবা লায়েংবগী মতেং, psychiartic কী ওইবা লাইয়েং।

হুজিক লৈরীবা মপুং কয়া ফাদ্রবা তেংবাং অমদি য়াইফ থোৱাংশিং অসিগী লম্বীদা লৈবা খুদোংচাদবশিংগী মঙুংদা মীয়ামগী অরানবা ৱাখল অসি খ্বাইদগী লুবা রাফম অমনি। নাম্মা শোয়না পোক্লকপা অঙাংশিংবু মমা-মপানা পাপকা মশক ওইনা থনবা অসিনা অঙাংশিং অদুগী পুন্সিদা অঙকপা ফংনা অমাংবা ওই। ঈমুং অমদি শাগৈ অদুনা মখোয়বু শেমগৎপা য়াবা অমদি মীওইবগী অধিকার পুন্না মাংহনবদা মতিকচাবা মীওই ভাক্তনী থনবীফম থোকই। হায়রীবা ৱাখল অরানবা অসি খুঙ্গংশিংদা ১দি চাউখৎপগী মঙাল কয়া ফংদ্রিবা লমদমশীংদনা হেন্না মরাচেৎনা লৈবগুম তৌই মসি অন্ধবিশ্বাস মখল অমনী। মসিবু শেংদোক্লবগী থবক লন্নাইগী ওইবা সংস্থানশিংনা লৌথৎপা য়ামনা দরকার ওই। ঐখোয়গী লাইরবা সরকারদগী ওইরকপা য়াবা অদুতা ভাইবনদি মখোয়গী পুন্সিবু কনবা ভম্বা রানা থোক্লনী।

মনিপুরদসু লন্নাইগী ওইবা সংস্থান, ওল মনিপুর ব্লাইণ্ড পার্সনস বেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না মীৎ উদবশিংগীদমক হৌখিবা ১৯৭৩ দগী হোৎনরক্লিবা অসি পনবদা মতিক চাই। সংস্থান অসিনা

হোৎনবদগী মীৎ উদবশিংনা গ্রেট অসিগী মন্নুংদা ভারা তিংদনা গ্রেট বস তোংবা য়ারে মহৈমশিং তমনবা স্কুল অমা লিংজুনা সেগারেংডংতা লৈরে।

থাইনগী মতৌগুন্না মমিৎ তাঙবনা ঈশৈ শকপা যন্ত্র থোংবা অসিনচিংবা বিদ্যা খরাশি নত্রবদি থোইদোকপা বিদ্যা তমনিংঙাই লৈতে খনবা চুমদে। হৌজিক্কী মীৎ উদবশিংনা উকিল, প্রোফেসার, ওঝা, ওফিসার ওইরে। মনিপুরদা নামা শোয়বা অতৈ হায়বদি হক্রচাংগী অতৈ শরুক্তা শোয়বা, না তাদবা, লোন থোক্কবা হকচাং কয়াৎ শোয়বা মীওইশিংগীস্তু য়াইফ খোরাং পাইথৎপা হৌখরে।

ঐখোয় খুদিংগী ইমুংদা নামা শোয়বা মীওই য়াউরক্লোই হায়নিংঙাই করিমতা লৈতে। ইশা ইশাগী পুন্সিদস্থ করম্বা মতমদা মীৎ উদবা না তাদবা অসিনচীংবা কয়া ওইরম্বা য়াবগী মওং লৈ, নামা শোইবশিংগী য়াইফ খোরাং লৌখৎপদা পুকচেল তীংনা অঙম্বা মতেং পাংফম থোকই। সমাজদা লৈরীবা অরানবা রাথল অসিবু কোকহনবা ঙমবমথৈ হোৎনবা দরকারনী।

জগত পিতা মহাত্মা গান্ধীজীগী অঙাং ওইরিঁৱৈগী মওং খরা

ঐখোয় পুন্নমক্না থম্মোয়নুংদা ঈরাৎ পুজা তৌনরী, কনাগুম্বনা ওমজবা অর্ঘ কৎলি। কনানা মমিংতা তাবদা মপি শিন্থরী। মশিং লাকওমদবা কয়ামনা মাগী জিবন চরিত পারি। মাগী রাখলগী মতুংইন্না হোৎনরী। মাগী পাউতাক ইল্লি। হীরম খুদিং থৌদোক খুদিং জগত পিতা মহাত্মাগী রাখল্দ য়োৌরমদবা মতৌদা ময়াম্ন পুমওক ওক্ররী। অসিগুম্বা জগত পিতানা পৃথীবীদা নুমিৎ তাবা লৈত্রবা বৃতিশ সাম্রাজ্যবু মায়োক্নদুনা করিগুম্বা খুৎলাই অমত্তা য়াওদনা জ্ঞানগী থাওশাংগা লম্বা তৌনদুনা মশীং লাক-ওমদ্রবা মপাঙ্গল মথৌনা মরল মথুমদা বাৎত্রবা, মীদা য়েংই নোপত্রবা বৃত্তিশশি বু মরৈবাক ভারত্তগী তাম্হোকখিবা অসিদগী হেদোক্তুনা লাপ্লবা আফ্রিকা, অমেরিকা লগুম্নচিংবা লাপ্লবা মফমদা লৈখিবা মজাতিগীদমক অহাবা করা থাওখিবা মহাত্মাগী পুন্সি রারী অয়াম্বনা খঙনরী। জগত পীতা "বাপুজী" মিংথোল ফংলিবনী।

জগত পীতাজীগী অঙাং ওইরীঁৱৈগী স্কুলদা ইন্সপেক্তর ১না অঙাংশিংগী চাংয়েং লাকখিবদা লাল্লববু চুমথোক্নবা ওজানা তাকলুবগী বাফম অদুদা মহাক্না অচুম্ববু তাক্নবা মীনম্বা থবক্তা খোংদানিংদবগী পিখিবা পাউথুম অয়াম্বনা খঙনরে। অসিতা নত্তুনা পীতাজিগী পুন্সি বারীদি মিকুপ অমগী মতমগা ইতিহাসকী লমায় কয়াগা চাংদমনবা য়াবা রাকম তাক্না থেংন-নবনি নোহৌনা অমুক ইকুনিংতাই লৈতে। অদুবু অচুম্বা চৎপা, লেপথ্রবা রাখলবু থোওফম হোংদবা য়েক্নববু করমনা জয় তৌবা সমাজবু মরৈবাক-পু মজাতিবু করমনা লোয়নগদগে হায়বগী বাফম পুমনমক অঙাং ওইরি-ঁৱৈদগী হৌনা খাইদগী তোপ-তোপ্প। মওং অমা ওইরক্নবনি, মদুনা মৈতৈগী পাউরৌ "অঙাংদি নিংথাদা খঙই" হায়বশি চুমনগী পাউরৌতা ওইবা নত্তে তশেংবা ওই হায়বদু খঙহল্লি।

প্রী-স্কুল এডুকেসন

সমাজগী ফীভম চাউখৎলকপগী মতুংইন্না পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা শিনথুংনা প্রী-প্রাইমারী এডুকেসন হায়বশি পীব্লিবা অঙাংশিং হায়বদি চহি ২/৩ দগীনা চহি ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু মহৈ মশিং তম্বীনবা হোৎনবা থৌরাং অমনি হায়রিবা থৌরাং অসি পৃথিবীগী অহানবা লাম্বাওগী মমাংদাদি থোইদোকপা অকনবা থবক অমত্তা পাইথৎলমদে অতুবু লাম্লাও অসিগী মতুংদদি মফম খুদিং শিনবা থুংনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু শিক্ষা পীনবা হোৎনবদা অকনবা থৌরাং ওইখি। প্রী-প্রাইমারী এডুকেসন হায়বসি স্কুল চৎত্রিঁতে মমাংগী অঙাংশিংবু চাওরাকপা নিয়ম অমা লাইরিক তম্বগী মওংদা সামাজিক শিক্ষা পীবনী অমসুং স্কুল ।। হায়বদি প্রাইমারী স্কুলদা চংনবগী শেমশাবা হায়বনী। প্রী-প্রাইমারী স্কুলদা অঙাংশিংবু করম্বা মওংদা শিক্ষা পীগদগে হায়বশি মুম্না খন্নবা ঘাবা অচৌবা রাথল অমনী। মতাং আসদদি অঙাংশিংশি চাউরাক্রা মশাগী নুংঙাইনবা, মমান্নবা তিন্নবা, চাহ চাংচং অমত্তদা লৈবা অঙাংশিংবু কয়মনা পুন্না থম্বা, মথক থোংবা মীশিংদা করম্বা শাজং অমদি সমচৎ ব্যাবহার, ওঝাদা কয়ম কয়ম্বা শাজং চৎকদগে করিগুম্বা পোৎ অমা চান্নমদাইদা খুৎশা কয়ম্না হামদোক্কদগে ১সুং লু-হেনগদগে, চাবা লোয়ন্নগা কয়ম তৌগদগে আসনচীংবা কয়ামরুমবু মথোয়দা ইনষ্ট্রক্সন পীবীবা অসিনী।

প্রী-প্রাইমারী ষ্টেজদা করিগুম্বা একাডেমিক এইম অমত্তা লৈতে। মতাং অসি ফোর্স না অমাদি অকনবা ডিসিপ্লিননচিংবা শিঙ্গিন্নবা য়াবা মতাং নত্তে, থাজৈশেংনা হায়রবদি অঙাংশিংবু প্লেগী থ দা

এডুকেসন পীবনী অমসুং শাস্ন-শাস্ননা অঙাংশিংসি চাউরাকপা নিয়ম অমা তস্নীবনী। ঐখোয়না মশিং থীবমক্তা তস্নীগে হায়রবশু প্লে ইকিউপ-মেন্টশিংগা লোয়ননা শাস্ন-শাসনা মশিংথিবা তস্নীবা অদুগা মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অদুনা শাস্নবদা লৈবগা শান্নহনবা, লাইরিক ময়েক ইনিংবদা ঃদি পানিংবদা লৈরগা ইহনবা অমসুং পাহনবা অসিনচিংবা। অসুমহায়না অঙাংশিংগী ইন্টরেষ্টকী মতুংইন্না ওঝাশিংনা অঙাংশিংবু লোইনবীগদবনী।

প্রী প্রাইমারী স্টেজদা ঐখোয়না অঙাশিংবু পুক্লিং হকচাং অনিসি লু-হেন্না অমদি মশা ফনা থমনবগীদমক্তা অফবা ইনভাইরোমেন্ট অমা পীননবা হোৎনগদবনী হায়রীবা ইনভাইরোমেন্ট অসিদি খুদক খুদক্তা অঙাংগী মতুংইন্না শেম্না মখল অমনী। অঙাংশিংবু লমজিংবীবা অমসুং শেমগৎ শাগৎপিবসি য়ুমগী মখোদতসু নত্তনা তোঙান তোঙানবা এজে-ন্সিশিংগী অচৌবা মথৌ অমা ওইরিবনী। য়ুমদা ভাক্তা ভাকশেন্দুনা মখোয়বু মহৈ মশিং তস্নীরবনী হায়দুনা মমান্নবী মিরক থক তিলহন্দ্রবদি মখোয়গী ইমোসনেল ডিভেলপমেন্টদা য়াম্না অরাৎপা ওইরক্কনি অসিগুম্না অঙাংদি ঐখোয়না মতম কুইনা পোন্দা (শরাদা) থম্মুরবা চেক্লা অমগা প্রমান তৌবা য়াই হায়বদি চেক্লা অসিনা মমান্নবা লেংমান্নবশিংগী মরক্তা থক তিন্নরুন্দ্রবনিনা করম্না মওংদা মহাক্লা পুন্না তিন্নবা হায়বদু মশক থংঙ-রোই অসুম তৌদুনা পীক্লিবা অঙাংশিং অদুসু মমান্নবগী মরক থক তিলহন্দ্রবসু মমান্নবা হায়বদি গ্রুপ লিভিং করম্না লৈমীন্নগদগে হায়বদু থংদদুনা য়াম্না খুদোংথিবা থোকপা য়াই। মীয়ামগী অমুক্তা থেংনাদ্রবা অঙাংশিংদি মীয়াম উরগা কিদুনা কপ্পসু য়াওই। ইমুঙদগী সুম হেন্দদুনা লৈরবদি য়ুমদগী করিগুম্বা মপান থোক্রকপা মতমদা মঙোন্দা হৈনবা এডজষ্ট তৌবা ঙমদবা পোকই। অসিনচীংবা খুদোংথিবা ময়ামসি কোক্লবা য়ুমদগী য়াপতোকপা তস্না, মীমাং থোক্লগা ইচং থোবা তস্না, সমাজদা লৈম্নিবা মীশিংগা শক-খঙ মাইথংননবা হোৎনবদা প্রী-প্রাইমারী ষ্টেজনা য়াম্না মতেং পাংই।

অঙাংশিংবু কেয়র লৌবীনবগীদমক্তা প্রোবিজন কয়াম্লকম্সু ডে নশর্রীঙ্ক অমস্তুং ক্রিচেসশিংনা শেমগে। অসিগুম্বা সংস্থান অসিদি ঐখোয়না লাইরিক তম্ফমশং (Education Institutionnal ১ কৌবদগী হেন্দোক্কনা অঙাংশিংবু চেকশিন্না অমদি মীকুপ নাহুম য়েংবীরিবা (Child care Institution) সংস্থান অমা কৌবদা মতিক চাই। অসিগুম্বা সংস্থান অসিদদি মতিক চানা ট্রেনিং পীবিরবা অহুগুম্বা ট্রেইন্দ টিচরশিং থম্বীগদবনী। হায়রীবা সংস্থানশিংশি লিংথংনবা হোৎনবদা করিগুম্বা খুদোংচাবা অমবু হেক থংহনবদি ঐখোয়না খুদোংচাবা অহু লৌহৌনবা ১মুং নাম্মোকহন্দনবা য়াম্না কন্না হোৎনগদবনী। এজেন্সিশিং অসি লিংথৎনবা হোৎনবদা সরকারনা মীয়েং চংবীহৌদ্রবফাওবদা লনাই শিল্লাংবীবা মমামপা ওইরীবা মীওইশিংনা হোৎনবীগদবনী। অমনা অমবু হন্দনা খন্দনবা, অমনা অমবু হেঙ্গৎনা য়ামনা রাংনা খন্দনবা খুদোংচাবা খুদিংমক চপমান্না শরুক খুংবীগদবনী। প্রি-প্রাইমারী এজেন্সিশিংগী মরক্তা নশর্রী স্কুল হায়বশি ইহান হান্দা ইংলণ্ডদা লিংথংখি অহুদগী ইংলিস লোন লোনবা লমদা শিন্থনা লিংথর্খি। মরুওইবা বাথস অমনা ইনাক কৈরাক থুনবা মচা-মশুশিংনা যংলিবা খুদোংচাবা অহু অন-প্রিভিলেজ চাইলড হায়বদি লাইর-চুদৎনবা অহুগুম্বা মচা মশুশীংদমু চপমান্না খুদোংচাবা পীবীগদবনী। অফবা নশর্রী স্কুল কয়ামরুমদদি য়ামনা মুংঙাইবা মফম, অফবা অমদি অশেংবা মুংশিং, মতমচানা পেৎথাবা অমদি অফবা চীঙ্গাক চাননবা পোৎ কয়ামরুম পীবী। অসিগুম্বা এজেন্সি অসিদা অঙাংসি তুংদা সমাজগী মতিক চাবা মী অমা ওইহ্নবগীদমক্তা অকনবা মীৎয়েং চংই। মখোয়দা সমাজগা শকথঙ মাইথ নহল্লী, অমগা অমগা পূন্না মুংশিননা লৈমীন্নবা অমস্তুং পুক্নীং হকচাং অনীমক চাওখৎনবা অমদি লুনা হেন্না লৈননবা খুদোংচাবা পীবী।

অঙাংশিংবু চেকশিন্না লম্বীনবা অমসুং শেমগৎ-শাগৎপীনবগী-দমক্তা এজেন্সি কয়ামরুম লৈরী —নর্শরী স্কুল প্রি-বেসিক স্কুল বালবর্ডি, বালমন্দির ক্রেচে, কিণ্ডর গার্ডেন অসিনী। ডে-কেয়র ইনষ্টিট্যুসনশিংসি ভারতবর্ষগী মফম খুদিংমক্তা কাচিন কোয়া শিন-থুংনা শন্দোরক্লে। হায়রীবা শিক্ষাগী পথাপশিংসি ঐখোয়না নোং-চুপলোমদগী পুরকপা ভাক্তনী। নোংচুপকী দেশশিংদদি থুনা ইণ্ড-ষ্ট্রিদা চঙশিল্লকপা মরম্না অচৌ অচৌবা কারখানা অমদি ফেক্তরী কয়ামরুম লৈবা মরমনা নুপা নুপী খাক্তনা কারখানাদা থবক শুই, অসিগুম্বা থবকশুবা মমাশিং অসিগী মচাশিংবু ফজনা অমদি চেক-শিন্না লম্বীনবগীদমক্তা খুদোংচাবা পীনবা এজেন্সিশীং অসি লৌং-থৎলীবনী।

ভারতত্তসু ইন্দস্ত্রিগী ফীভমসি চাউথৎলকপদগী অসিগুম্বা কারখানা অচৌ অচৌবা লৈরকপদগী প্রী-প্রাইমারী এজুকেসন হায়বশী চংদবা য়াদবা অমদি কন্না চৎনখৎলক্লিবা অচৌবা মওং অমা ওইরিব-নী। ১৯৪৮ দা পাস তৌখীবা ফেক্তরী এককী মতুংইন্না থবকসুবী মমাশীংগী মশীং নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লে। অসিদসু নত্তনা ভারতত্তা পুম্না য়ুমলৌংমিন্নবা পথাপ অসি তোকপদগী অমসুং ইমুঙ অমদা পুন্না মমা-মপা অনীমক থবক তৌমীন্নবা মীওই ওইরবদি মখোয়গী মচাশীংবু খুদোংচাবা পীননবা হোৎনবদা চংদবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরবনী। প্রী-প্রাইমারী এজ্যুকেসন লৈরকপনা মাই-কৈ অহৌমদা অমুক সমাজগী মাইকৈদা নুপীগী ফীভম হেঙ্গৎ-লক্লি হায়বা তাক্লি। নুপীশিংবু অহাম্বদা পর্দাগী মরুমদা থনঙ্দগী হৌজিক্তি নুপীশিংবু মপান্দা থোক্তনা থবক তৌবদা চাউখৎপগী মওং অমা উরক্লি।

ঈটালীগী ফাউরবা দাক্তর মারিয়া মোণ্টেসোরী হায়বী অসিনা অঙাংশিংবু স্কুল চৎত্রিঙৈগী মমাংদা করমনা মতম লৈনহন্দগে অমসুং করম্না লোয়নবা তম্বীগদগে হায়বগী মরমদা শেম-শাননবা মোণ্টেস্বরী হায়বশি মহাক্কী মমিং লৌদুনা লিংখৎখীবনী। মারিয়া মোণ্টেশ্বরীন চাহি ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈরীবা অঙাংশিংবু শেম্বী শাবীবদা থরায় হকচাং য়াওবা হোৎনরম্মী। হায়রীবা মোণ্টেশ্বরী পথাপ অসিদসু অঙাংশিংসি শাননবগী থোওদা শিক্ষা পীবনী অমসুং পোৎথাহনবা পীবনী।

এশিয়াদসু ফ্রোবেল হায়বা মনোবৈজ্ঞানিক অসিনা চহি ৬ কী মনুংদা লৈরীবা অঙাংশিংবু অফবা মওংদা য়োকখৎপীনবগীদমক্তা কিন্দুর গার্টেন হায়বা স্কুল অসি লিংখৎখি। স্কুল অসিদসু অঙাংশিংসি অহাংবা লমহাংদা পুথোক্লুনা জাতিগী ওইবা অপুন্বা ঈশৈ শক্লুনা পুন্না থবক শূহল্লি। হায়বদি হৈকোল লৈকোম্নচিংবা শেংহল্লি অমসুং ঈশিং চাইহল্লি। শান্নশান্ননা পাংথোকপা য়াবা মশা ফননবা হিন্নম কয়ামরুম পাংথোকই। অসিগুম্বা এজেন্সি অসিদা মশিকচানা ট্রেনিং ফংলব ওঝা থম্মী অমসুং ওঝাশিং অসিগী ময়ামগা মান্নদবা ভোপ তোম্না লৌরবা অমদি অথোৎপা গুণ কয়ামরুম চেনগদবনী।

বালবাড়ি অমশুং বালমন্দির হায়বশিগু প্রী-প্রাইমরীগী এজেন্সিনি অমশুং অসিগুম্ব। এজেন্সি অসিদগু অঙাংশিসি লমচৎ বেব্যাহার, রাঙাং শঙাং তম্বী, হকচাং ফনা লুনা হেন্না লৈননবা নিয়ম নাইনা তম্বি. শান্নবগী মপোৎ মচৈ লোয়ননা মথল মখা অথাম্ব, শানবগী খুদোংচাবা পী। মশাগী লু-নান্নবগী য়ামনা অচৌবা থৌরম অমাগু পাংথোকই। লিংজেল মান্নবা তুংশিনবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা অসিগুম্বা লমচৎ শাজৎ কয়ামরুম তম্বী। জাতিগী ওইবা অপুন্বা ঈশৈ শকপা তম্বী, মরৈবাক মুংশবা মরৈবাক্কীদমক্তা মথৱাই ফাওবা থাদোকপা পাম্মুদবা অতুগুম্বা পুকচেল চেলহল্লি ১সুং মরৈবাক্কীদমক্তা মথৱাই কৎথোকখ্রবা অতুগুম্বা শাহিদশিংবু ইয়াৎ পুজা তৌননবগী বাথল পোকহল্লী। য়ারী মচা মচা কয়ামরুম

লৌবিহুনা মখোয়গী পুক্রিং অসি নৌহল্লী অমসুং ওলহননিংবা মাই-কৈদা ওলহনবা ঙম্মী।

অশুম তৌনা প্রী-স্কুল এজুকেসন পীবা অসি ভারতকী মফম খুদিংমক্তা কাচিন কোয়া য়ৌনা শিনথুংনা শন্দোকই। ঐখোয়গী লৈবাক্তসু কিন্দর গার্ডেন মোণ্টেশ্বরী বালমন্দিরনচীংবা এজেন্সি কয়ামরুম লিংখৎপদা মাইপাক্লা অচুম্বা মওংদা পুখৎলক্রি। নর্শরী স্কুলদি ঐখোয়গী ভারতবর্ষদদি লিংখৎপা ঙমদ্রে, মরমদি এজেন্সি অসীদি য়ামনা পৈশা চংবা অমসুং ইনাক কৈরাক খুনবশীংনা পাং থোকপা এজেন্সী অমনী। ঐখোয়গী লৈবাক্লা থরা লাইরবদগী শেম্বাও পাইবা অম। ওইদবদগী অমদী তপ্পা তপ্পা চাউখৎলকপদগী অসীগুম্বা এজেন্সী অসি লীংখৎপা ঙমদ্রী। মতম শরাগী মতুংদদী শোইদনা অসীগুম্বা এজেন্সী অসি লিংখৎলকনী হায়না আশা তৌই।

“ঙসিগী অঙাংদি হয়েংগী মপানী”

হায়সা পাউরৌ লৈ। অসিগুম্বা পীক্লিবা অঙাংশিংনা নোংমদি শোয়দনা মতিকচাব নাগরীক অমমম ওইরকদোরীবনী। মখোয়না ঐখোয়গী জাতিগী য়ুম্ফমনি। অশুমনা পীক্লিবা অঙাংসিংবু মতিকচানা গাইড পীবীবা হায়রবসি গার্জিয়ান খুদিংমক্কী অমশুং অঙম অংথোশীংগী অচৌবা মথৌদাং অমা ওইরবনী।

প্রি-প্রাইমারী এডুকেসন

প্রী-প্রাইমারী এডুকেসনগী শম্নপ্না অর্থদি অঙাং অমনা হেক পোক-পদগী চহি ৬ গুরক্তুনা প্রাইমারী স্কুলগী অহানবা চহি ফাওবা তম্বনী হায়না লৌনৈ। মপা-মমানা এজুকেসন পীবা (Parental Education) মমাগী গর্ভ মুংদা লৈরীঙৈ (Pre-natal) অমসুং পোক্লবা মতুং (past-natal) দা য়ামনা চেকশিন্নবচীংবসি প্রী-প্রাইমারীগী মরু ওইবা মচাক্নি। প্রী-প্রাইমারী এজুকেসন খুদীদি অঙাংশিংবু অকক্লবা পুংজা খরা ফাজিন্দু-না থম্নগা পীবা এজুকেসন মপী অত্থু নত্তে। মহাত্মা গান্ধিজিনা "অসেংবা শিক্ষাগী মরীদা পীরম্বা যোডতি " As the Mother to take up the responsibility of the Child' মমানা মচাগী দায়ীত্ব পূবনী।

য়ামনা পীক্লিঙৈ কাকী শিক্ষাগী অন্দোলনদি কিণ্ডর গার্টেন পথাপ হৌদোকপা ইরোবেলনা পাংখোকখি। মহাক্না শোক ১৮৩৭ তা ব্লকেন-বর্গ অমসুং জর্মনদা অহানবা কিণ্ডর গার্টেন পথাপ হৌদোকখি। পথাপ অসিগী মরুওইবা নিয়মদি অঙাংগী পূক্নিংবু শান্ন খোৎনবগী উপাইনা (Play-way) খৌগৎপনী।

মী কুংনা তাবা অমোৎপা লম (slum) দা লৈবী থবকশুবা চৎপী-শিংগী অঙাংশিংগীদমক নর্শরী স্কুল হৌদোকখি। হৌজিক্কী মতমদদি স্কুলশিংসি সমাজদা মশক খঙনরে মার্গরেট মেকমিলননা হায়, (Nur-series and Nursery Schools are wanted simply becau-se little children want nurses" নর্শরীজ অমদি নর্সরী স্কুলবু ঐখোয়না সাধারন ওইনা চহি ২-৪ কাঙলুপকী অঙাংশিংগীদমক্নি হায়না লৌনৈ।

খৌজিক্কী মতমদদি মোণ্টেস্বরী স্কুলবু ল্যাউদগী হেন্না ফবা মওংনী হায়না লৌনরি। পথাপ অসি ডাক্তর মারিয়া মোণ্টেশ্বরীনা হৌদোক্লম্বনী। মোণ্টেস্বরী প্রি-প্রাইমারীগী থোরাংদি অঙাংগী মনোবীজ্ঞান চাংয়েংবগী লেবোরেটরী রুম ওইনা লৌবদা অকাইবা লৈত্তে মী কুংনা তাবা অমোংপা লমদা লৈবা লাইরবা অঙাংশিং অমসুং মহৌশাগী হৌনবী কায়রকপা (abnormal) অঙাংশিংগীদমক মরুওইবা থোদাং পাইখৎলি বিজ্ঞানগী খুজু-খুৎলাই মরাং কাইনা থোরাং তৌবা মরমদগী ওস্পীবগী মওংশ ওরুনা মওং অমা ওইনা থোকত্রে

প্রী-প্রাইমারী স্কুলদি চহি ২ ৬ কী কাঙলুপকী অঙাংশিংগীদমক্তনি। হায়না লৌনৈ। অদুগা প্রী-প্রাইমারী এডুকেসননা মমাগী পুকনুংদা লৈরিবেদগীনা চহি ৫ নত্রগা ৬ ফাওববু (Canception to 5 or 6 age) থংনৈ। মোণ্টেশ্বরী প্রী-প্রাইমারী স্কুলগি লক্ষ্য মখাদা পিরি :—

১। মঙাল (Light), নুংশা (Sunshine), অমসুং নুংশিৎ (Fresh air) মরাং কায়না ফ হন্দুনা হকচাং ফগৎনবা হোৎনবনি।

২। হকচাং ফবা, নুংঙাইবা অমসুং চাংনাইবা পুন্সি regular life চাংনাইবা হোৎনবগা লোয়ন-লোয়ননা লেপ্তুনা হিদাক লাংথক্কী ওইবা থোরাং (Continous Medical Supervision) পীবনি।

৩। মশা মশাগী হৈনবী (Personal habit) অফা ওবা মাইকৈদা শেমনবগীদমক অঙাংশিংদা লমজিং পীবনী।

৪। অপুম্বা পুন্সিদা (Community life) শামান লেংমান্নবশিংগা পুন্না থবক তৌমীন্নবা, শান্ন-খোৎনবগী খুদোংচাবা অমদি অনুভ লৈহনবা।

৫। রাখলনা মমী লাকপা (Imagination), তম্বা অমসুং চাউখৎনবগী তোঙান তোঙানবা লম্বীদা পুক্নীং লুপহন্বগীদমক খুদোংচাবা পীবা।

৬। ইমুঙ মনুং পানবগী অশেংবা লিংজেন মাগনা লৈবগী কান্নবা তাকপা প্রী-প্রাইমারী স্কুলনা অঙাংশিং ঙকচাং জ্ঞান অমসুং সমাজগী কান্নব-খিদোক (Social Needs) য়েংশিল্লী। মসিনা অঙাংশিংদা শোইফদ্রেবা শিক্ষা পীবদা অফবা লম-চং ১মুং অরেপ্পা রাখল থন্নবা হোৎনবদা তেংবাং পী। অসিগুম্বা সংস্থানশিংদা পথাপ নাইবা তম্বীবগী (formal Instruction) গী থোরাং থমদে। মরমদি নীতিগী ওইবা থৌদাংদা মুঙাইনা অমসুং ইরাও তয়াম্না খবক তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবগী থেৎনবা লৈহন্দে। ফ্রোবেল অমসুং মোন্টেস্বরীগী পথাপ্তি শান্নবা, রা-ঙাংবা তম্বা (speech training), বারী লীবা (story telling), মীৎয়েং নায়েং তম্বা (acting), ইশৈ শকপা (singing) জগোই শাবা (Dancing) প্রকৃতি য়েংবা (natural study) অমসুং খুৎ-শাগী খবক (Hand work) তা থাক্তিশ তৌই। নিতিগী ওইবা থৌদাং কয়া লৈ। অঙাংশিংদা পীরীবা পোৎথাবগী মতমদুদা (regular Interval) পোৎথাবা, চরা থরা চাবা অমসুং তুম্বা য়াই। মসিনা প্রী-প্রাইমরী স্কুলগী অঙাংশিংদা মশাগী ওইবা হক্লোন অমসুং মশাগী পুক্নিংগী অপাম্বা অহু হৈনবী (Habit) ওইনবা হোৎনবদা তেংবাং পী।

ভারত্তা প্রী-প্রাইমারীগী খোঙচৎ অসি হৌজিক ফাওবদি য়ামনা তপ্পী। অহুম ওইনমক শোক ১৯৫১-৫২ দা প্রী-প্রাইমারী স্কুল ৩০০ তরে। ইংশোক ১৯৫৭ তা ৭৭৩ শুরে। খোঙথাং তপ্পবসু তপ্পা নোংমগী খোঙথাং মাশিং হেনগৎলক্লি। সংস্থানশিং অসি নর্সরী ইনফেন্ট, প্রী-প্রাইমারী, বালমাণ্ডর, কিন্দুর গার্টেন মোন্টেস্বরী অমসুং প্রি-বেসিক স্কুল অমুমনা তোঙান তোঙানবা মীংদা থংনৈ।

অয়াম্বা সংস্থানশিংনা অতোপ্পা স্কুলশিংদা তাংদুনা থমনবগুম তৌই অমসুং সহরগী লমদা লৈ। সরকারনা মপুঙফানা চলাইবা

সংস্থান ঠিংশিং য়ামদে। অতুমকপু তেংবাং পীদনদি নত্তে। অয়াম্বা স্কুলনা ক্লাস চাংনাইনা তৌদে মপোৎ মচৈ লৈতে, ট্রেইনি তৌদবা ওঝা শুতাংনা ওঝা এই অমত্তং অঙাংশিংগী হকচাংগী থরায় য়াওবা হৈনবী (Interest and Habit) কী রেকোড থময়দে। শমনা হায়রবদা লৈবাক অসিদা মথাদা পীরিবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম-শিংসি লৈ।

১) লুপী ওঝা ফংদবা ২) প্রী-প্রাইমারীগী ওঝাশিংগীদমক ট্রেনিংগী থৌরাং তৌদবা ৩) বৈজ্ঞানিক ওইবা থিজিন-খোংচিনবা ঝ্যারা তৌদবা অমত্তং অঙাংশিংগী লেবোরেটরী থমদবা ৪) শেল খুমগী ফিভম ফত্তবা অমত্তং ৫) মতিকচাবা ওঝা ফঙদবাসিনী।

মোন্টেশ্বরীনা ভারতা চহি ৮ (১৯৪০-৪৮) লোম লৈরম্লসিদা প্রী-প্রাইমারী মেথোডকী কান্নবা খৌবিক ময়েক শানা উৎলমে। মহাক্না মতম থরা লৈরম্বশিদা মশিং খৌঙবা ওঝা কয়া ট্রেনিং পীরম্মী অমত্তং স্কুল কয়া লীংখৎলম্মী। C.A.B.E. গী অনিশুবা কমিটিনা প্রি-প্রাইমারীগী এডুকেসন অঙাংশিংদা পীগদবনী হায়রসিন্থ য়াম্রবনী। শ্রীবলবন্ত রায় মেহতা এস্টীমেটস কমিতিগী শয়ম্না মোত্তম্ চহি ৬ ফাওবগী অঙাংশিংবু প্রী-প্রাইমারী এজুকেসন পীবা অসিনী। পুন্সিগী য়ুম্ফমদি অঙাং ওইরীবৈগী মতমদা, অতুনা খুদোং-থিবা পুমনমক ঙাকথোক্নবা হোৎনদবা য়াদ্রবনী।

ফেমিলি বেলফিয়ার সেণ্টর

(১) অঙাং য়োকপদা থাইদগী মরুওইবদি ইমুং মচুংনি। ইমুংগী মমা মপা, অহল লমন, অদুগা অতোপ্পা মীওইবা পুম্নমক লৈনবা মাগী মচা অহুনা অঙাং অতৈগা মীয়ামগী শুনা ওইথোকপনি। মরম অসিনা ইমুং মচুংগী মীপুম খুদিংনা হকশাং ওয়ামনা, নুংঙাইনা মরি লৈনগনি, থৌরাং চৈনবা তৌদনা পাউতাক কয়া শম্না পিবনা সংস্থান অসিগী মরু ওইবনি।

সংস্থান অসিনা জুগোৎ-চাদবা অমদি ওক্কবা অঙাং যাওরকপগা মথোয়গী লমচৎ চুমথোক্কবা অমসুং ইমুং মচুংগী মীশিংনা মরী নিংথিনা ফজনবা হোৎনৈ আসনী।

২। ফেমিলি প্লানিং:—ভারতকী লোংম লোংমগী মীশিং হেনগৎলক্নুনা মুপী কয়ানা মচা-মশিং নিংথিনা য়েংশিনবা ঙম্দ্রে। অদুগা অঙাং কয়াগী মপুক্কি মা ইল্লে। ইমুং অমদা অঙাং অনি অহুম তোকপাদ অরাইবা অমা ওইরকই। অদুবু অঙাং ৭ - ৮ য়েংবা তারবদি অরাবা পোৎলুম পুনয়ে অমসুং হিরম খুদিংমক্তা অরাবা ওইনরে। অফবা লৈরাংগে হায়রবদি ইমুং মচুংদা অঙাং মশিং য়ামদনবা অমদি কককথনবা হোৎনবা তাই।

৩। বালবাড়ি অমসুং নর্সরী স্কুল:— চহি ৩ দগী ৬ ফাওবগী মচুংদা লৈরিবা, অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বীনবা বালবাড়ি অমসুং নর্সরী থমগনি। স্কুলশিং অসিদা (১) মশা ফনবা, (২) মহৈ মশিং নৈননবা, (৩) শান্নবা পোৎচৈ মরাংকাইনা থম্বীগনী। কর্মিগুম্বা নাওশুম দরকার ওইরবদি মতুংদা থম্বীগদবনী অমসুং থমনবা হোৎনগদবনী।

৪। মীয়োনবী অমসুং চাজেনবী:— অফবা অঙাং অমা ওইহনগে হায়রবদি মমাগী গর্ভদগী হৌনা শেম্বা তাই। মমা অদু মশাফনবা অফবা চিঞ্জাক চাগনী। মরক মরক্তা মাগী ঈ অদু ডাক্তরদা টেষ্ট তৌহনগনী।

অমসুং মমাতুগী অরুবা লৌগনী। চাবা থকপা য়াম্না চেকশিনগনী অঙোংদু মতমচানা মমাগী খোমলাংপক্কনি মশা তেনা তনা ঙমগনী মতমচানা তুমহনগনী। অসিগী মথক্তা মমা ওইরিবীশিংনা মচাগী য়েংদুনা চাবা থকপদা চেকশিন্নবা তাই। হেলথ সেন্টরদা মশা য়েংহন্নবগী দমক মরক মরক্তা চৎকদবনী।

৫। রিক্রেসন সেণ্টর :— মতমগী মতুংইন্না ইমুঙ মনুংগী অহন-লমন অয়াম্বা য়ুমদগী মপান থোক্তুনা থবক তৌনরক্লে ১সুং মপান্দা লৈনরক্লে। হায়রিবা কাংবুশিং অসিগী মচা মশুশিং পূম্নমক রিক্রে-সন য়াম্না দরকার ওইরবনী। অহাংবা মতমদা শান্নদুনা লৈরবদি অঙাংশিংদা যাম্না ফৈ। নত্রবদি অহাংবা মতম অম্ব ফজনা শিজি-ন্নত্রবদি অঙাংশিংনা ফত্তবা রাখল, থবক অমদি রারি শাদুনা লেপ্ল-বদি ঐখোয়গী অঙাংশিংসি জুগোৎ চাদবা অঙাং ওইরক্কনী মরম অসিনা অঙাংশিংনা শান্নহন্দুনা, লাই য়েকহন্দুনা ঈশৈনচিংবা শক-হনদুনা মখোয়গী পুন্সিদা ফহৌনবা হোৎগনী।

৬। চিলড্রেন্স কোর্ট :— মনিপুর অমদি ভারতকী মফম কয়া-দা অঙাং ঙাওসন্নবা, ওক্তবা অঙাং কয়া থেংনরী। জুগোৎ চাদ-বা অঙাংশিং অসিবু পুলিসনা ফাদুনা মখোয়গী শাজৎ লিচৎ হোং-দোক্নবা হোৎনরী। চহি ১৪ নত্রগা ১৫ থক্তা শুরিবা অঙাংনা মী হাংলুরে, ফুরিংখাও চপলুরে, পোৎ হুরান্লুরে হায়বনচৌংবা ঐখোয়-না উন্নি অমসুং তারি। কোর্টনা বিচার তৌবা অমশুং রায়েল দণ্ডি পিবা অসি অঙাংশিং অসিদা য়াম্না কত্তে। মখোয়গী তোপ তোপ্পা 'জুবেনাইলকোর্ট' (অঙাংগী কোর্ট) থম্বগী দরকারনী।

মোণ্টেসোরী পাথপকী শিক্ষা

অপাম্বা অমিংবা মতুংইন্না, মী মী অতুগী ফিভম, অবস্থা চা-নজবা, মশানা তৌজনীংবা, পামজবা, মশানা খঙবা হিরম অতু মুন্না য়েংশিন থিজিনবীদুনা, জ্ঞানী ওইবা শিক্ষকনা মমা-মপা, মরি মতা, ময়ুমগী ফি-ভম, মশাগী বাখল পোক্লকপগী মরম পুমনমক মুন্না য়েংশিন-থিজিহনগা মশানা পামজবা হিরমদা চাওখৎপা জ্ঞান ফংজনবা, অতুগা মহাক্লা মাগী অকোয়বদা লৈরীবা সমাজদগী তেংবাঙবা নত্তনা য়ৈখাইবগী খবক থোক্ল-ক্তনবা মওংদা তেংবাঙবা শিক্ষা; "মোণ্টেসোরী মেথড অফ এজুকেসন" নি। ইটালীগী ইহান হানবী নুপী ডাক্তর মরিয়া মোণ্টেসোরী কৌবী অতুনা তৌদোক্লম্বনী। বৈজ্ঞানিক ওইবা মেথডনি। মেথড অসিগী প্রীন্সিপল মঙা লৈ। (১) Interest (২) Freedom (৩) Individuality (৪) Self-Correction (৫) Integration

নিয়ম মঙা অসিবু মপুঙ ফানা শিজিন্নদুনা কাক্লংঙাই লৈতবা ওমান পুথোক্তনা মশাগী পুন্সিগী মহুংদা মপুম ফানা ফজবা ফল পৃথিবী শিল-থুংনা উংখিবা, পৃথিবীদা লৈবা, মীওইবা পুম্বনা জাতি বীজাতি থাইদনা মেথড অসিগী থৌরাংবু লৌনখিবা শিক্ষাগী থাক্তি প্রীপ্রাইমারী শিক্ষাগী থাক্তি। থৌরাং অ'সদা বৈজ্ঞানিক রাতারন শেমদুনা পদার্থ সংসার (Material world) হায়দুনা মীওইবনা জীবগী মরক্তা নিংথৌরেলগী খুবম ফঙদুনা পাল্লিবা সংসার অসি ওইম্নকপদা, শেম্নকপদা, (creation) দা য়াওরম্বা মীওইবগী মিয়েং অমসুং পুক্লিংগী বাখন্দা অঙকপা পোকপা "মায়া মোহ" হায়বদু ওইরীবা মওং মতৌ, মচু, মখোল, মনম, মহাওন-চিংবা পুমনমক্তী বেসিক ওইবা পোৎশক্তা Scientifical Apparatus ওইনা শেমদুনা থম্নগা মুন্না trained তৌদুনা নিংথিনা খঙলবা, থবাই

য়াওবা, মুংশিবা হৈবা সেবা ভাব লৈবা মীওইনা, অপিকপা অঙাং মশাগী চহি অনিমথাই শুবদগী চহি ৬ ফাওবগী অঙাংশিংবু অকক্না মশিংদা, অককবা জাগা পিডুনা মনিংতম্না অপাম্বা পোৎ থলহন্দুনা, মনিংতমনা পোৎ অদুগা লোয়ননা শান্নবা য়াবা থবক ময়াম মথল মথেল নাইনা শান্নহনবা, মতুদা অঙাং অদুগী পুক্লিং হৃবচাংনা সাধারন বিকাশ ফংজনবা বিজ্ঞানগী নিয়ম ঙাক্না মুংশিনা মতেং পাংই। থৌরম অসি অধ্যাত্মিক শিক্ষানী। অদুগা বৈজ্ঞানিক শিক্ষাসু ওইবনী। গতি বিশ্লেষন অমসুং ধ্বনী বিশ্লেষননা মেথড অসিগী মরুনী। মুংশিবনা য়ুম্ফমনী।

মাহাত্মা গান্ধিজিগী "করকে দিখাও" থবক ওইনা উৎলু হায়বা অচুম্বা রাঙাং অদু ফরবা, কান্নরবা, ফজরবা থবকমক ওইনা পুথোকতুনা পাংথোক্লবা বিজ্ঞানগী ওইবা মওংগী শাইরিক মতম্বী অমনি। ওঝানা পুমনমক মশামক্না তৌডুনা উৎকদবনী। 'তৌরো' হায়না পাউতাক পিগদবা নত্তে। "তৌরশি উৎচগে য়াওবীনিদনা, য়েংবীনিদনা, অসিনচিংবা অঙাংনা তল্লে হায়বা ইকাইবা পোকদবা রাহৈনা শেহৌডুনা 'য়েংঙো' হায়বা রাহৈনা শৈরোইহনা অতোপ্পা রা অমত্তা ঙাংদনা থবক মপুম ফানা উৎকদবনী। থবক্কী Speed হেনগৎহন্দুনা অঙাংবু মীহৌহনগনী। মশানা লৌনিংনা থবক অদু লৌহল্লি। লৌগ্রবা মতুংদা হন্না হন্না অভ্যাস তৌজনবা তাঙ্গা পীবি। অসুম তৌনা মশানা অপাম্বা থলহল্লবা পোৎশকা লোয়ননা অচুম্বা থবক্কী থৌরম উৎতুনা জ্ঞান পোকহল্লগা ওঝা ১দি অতোপ্পা মমান্নবা অঙাংনা য়ৈথাইবা থোকহন্দনা মপুক্লিং চপ য়ুংনা থবক পাংথোকহনবা শিক্ষানী।

মাহাত্মা গান্ধিজিগী মতৌগুম ডাঃ মোণ্টেস্বরী আদর্শবাদী অ মনি। মশানা বৈজ্ঞানিক ডাক্তর অমা ওইবনা পদার্থবাদ মুমা থংবা বৈজ্ঞানিক আদর্শবাদি অমা ওই। মীওইবগী কান্নবগী দ-মক্তা মপুন্সি কংথোকখিবী মুপী অমনী। মরম অসিনা মানা হৌ-দোক্লম্বা শিক্ষা মেথডতা মীওইবগী কান্নবতনা পিক থল্লি। অদুনদি ডাক্তর মোণ্টেস্বরী অসি প্রয়োগবাদি অমসু ওই। খেন্নরবা তত্ব অদুম-পদার্থবাদ, প্রয়োগবাদ অমসুং আদর্শবাদ হায়দুনা তিন্নবা য়াদবগুম উৱবা ফিদম অদুমগী কোম অক্নম্বক্তা চুম্নবা তত্ব ডাক্তনা তোংলবা মোণ্টেসোরী মেথড অফ এজুকেসননি।

সরকার খুদিংনা মেথড অসিগী প্রীন্সিপল মঙাবু স্কুল, কলেজ, ইউনিভরসিটিনচিংবা শিক্ষাগী থাক খুদিংদা শিজিন্নদুনা শিক্ষা শেমদোক্লক্লি। ইউরোপকী মনুংদা ডেনমার্কতদি হায় স্কুলগী ... থাক ফাওবা Pure মোণ্টেসোরী মেথড ওনখ্রে। লণ্ডনদদি প্রাই-মারী থাক ফাওবা শেমখ্রে। অমেরিকাদা Pragmatist শিনা Individualism বু মপুংফানা শিজিন্নখ্রে। মী খুদিংদা (Free choice) মনিং তমনা থবক থবকনবগী থৌরাং নিংথিনা পাংথো-কখ্রে হায়রী।

(FREE CHOICE OF ACTIVITIES)

মনিং তম্না থবক থবকনবগী (Changes) তানজা ফংলবদা মথ-ময়োমদা (Concentration) মপুক্লিং চপ য়ুংবা পোক্তনা (Re-petition) হন্না হন্না তৌবা থবক অদুবু পাংথোকপা প্রী-প্রাইমারী এজুকেসনগী থৌরাংদা উবা ফংই অমসুং উগনী।

চৎনরম্বা অমসুং চৎনরীবা শিক্ষানা Education as guide হায়বা উদ্দেশ্যনী। মোন্টেসোরী মেথডতি "Education as help" ওইবা উদ্দেশ্যনি। হায়না লৈরম্লবা মীওইবগী লোনচৎ শাজৎ অমদি রাখলগী মিয়েং জ্ঞানগা লোয়নবা অচুম্বা মাইকৈদা ওনসিন্দুনা কোয়া লাকচবা মী-ওইববু মশাগী লোয়নজরক্কবা মীওইবগী মগুন (মানবিক বিশেষতা) দু মপূং ফানা শাংকাইজবা ওমজহনবা মওংদা তেংবাঙবা শিক্ষানি। মীওইবা হায়বা ঐখোয়দি সমাজিক ওইবা জীবনি। মীওইবা মশেল অমনা অমগী মতেং লৌনবা, পাংনবা পোকত্রিবগী মমাংদগী হৌদুনা শিরবা মতুং ফাওবা দরকার ওই। মরম অসিনা সমাজ অমনা মী অমগী পুন্সিবু তেংবাংবা হায়বা অসি পোকত্রিবগী গর্ভকালদগী হৌই অদুগা শিরবা ফাওবদা শ্রাদ্ধ কর্মশিং শিথিবগী আত্মা শান্তিগীদমক্তা তৌনরমলিবা অসিনী। অঙাংগী মতেং অহম্না পাংবা হায়বা অসি অতমনবা নাইদনা মহৌশাগী ওইবা বুদ্ধি-না মরম ওইদুবা অসুম পাংখোকই। মংদম্না অন্ধবিশ্বাসতা তেংখাংলম্বা অদু থওনা বিজ্ঞানগী নিয়ম মতুংইন্না তেংবাংবা মোন্তেসোরি মেথডনি। অচুম্বা অসিদগী পোকখিবা মেথড অসিগী ইমফোর্মেল এডুকেসন ওইরবা " Maternity clinic welfare " গী থৌরাংনা অঙাং অমসুং মমা শেমগৎপদা অশুক্কী মতিক মতেং পাংলে হায়বশি অপঙ্ক অশিং থাক্তনা হৌজিক মনিপুরদা উনরী।

ডঃ মোন্তেসোরীনা " Child Importance' পুথোকত্রিবগী মমাংদা ফ্রান্সকী ফাওরবা রুসোনা Nagative Education হৌদোকতুনা Education reformদা বৈজ্ঞানিক শিক্ষাগী ইথক পৃথিবীদা হৌহনখি। জর্মনগী ফাওরবা ফ্রোইবেম্না 'Nursury method হৌদোকখি চহি ৩ দগী ৭ ফাওবগী অঙাংগী Nursury method কী Hindergaten" স্কুল লিংখৎখি।

অসিগুম্বা শিক্ষাগী সিষ্টেমশিং অসিনা মীওইবদা materialism fancy অমসুং Imagination গী শুদ্ধা চাং হেন্না পুশিল্লকপা humanism গী শুন ৱংৎলকপা মতৌ উতুনা Humanism গী Science পুথোক্লবা research তৌদুনা পুথোকখিবা ডাঃ মোন্টেসোরীগী "শিশুমনোবিজ্ঞান" নি। অসিগুম্বা অঙাংগী পুক্নিংগী মথক চৎথবগী সাইন্স অদু খংলবা মতুংদা অঙাংগী মপুক্নিং অদুগা চাননবা থবক পিবা Montessori Method of Education নি। Abnormal children হায়দুনা মমিং তাংবা মনা পঙবা, মরোন থোক্তবা, হায়দুনা পোকপদগী মবুদ্ধি পংলবা অঙাংবু লাইরিক তম্বীনবা বৈজ্ঞানিক ওঝাশিংনা শিজিন্নরম্বা থুলাইশিংবু normal child হায়বা মওঃ কাইদবা অঙাংদা পীদুনা মতোমতা জ্ঞান তাক্নহন্নবা থৌরাং প্রী-প্রাইমারীগী দমক্তা হৌদোক্লমহ; করিগুম্বা সাইন্সকী ওইবা হিরম অমা, থবক নিংথিনা পাংথোক্কে হোৎনরবদি সাইন্টিফিকেল লেবোরেটরী ৈহতবদি ওইবা বাই হায়বা ৱাফম অসি ময়ামনা খংনরী। অসিগুমদুনা ডাঃ মোন্টেসোরীসু সাইন্টিফিকেল ইনভাইরনমেন্টকী মরুমদা লেবশিন্না মত পী। মরমসিনা মাবু মীনা environmentalist হায়না খংনৈ।

খঙজিনবা য়োদবা অমদি খংবা য়োদবনা মোন্টেশ্বরী মেথডতি ইনাক খুনবা অঙাংগীদমক্তা ওইবা থৌরাংনি। কাইরবা প্রজাগী অঙাংগা চুনদেন-ফিংবা ভাংনৈ। থাঙ্গৎশেংবদি মোন্টেসোরী মেথড করিমো হায়বা অমুক্তং খংগ্রবা মীওইনা মোন্টেসোরী মেথড ৎলনা অঙাং শেমগৎপা ওইশিনবা মপুমফাবা ইতম ভয়োই হায়বা শোয়দনা জ্ঞান তাক্নখ্রনা ময়ুম থুদিংবু humane science নৈনফম লেবোরেটরী শেম্নক্নি হায়বদা হায়জিনবা ওইরোইদবা ৱাফম্নি। জ্ঞান লৈরবা ডাক্টরনা পাউতাক্তনা মরম ওইদুনা ডাক্তর থানা লৈতবা থুঙ্গংগী অনাবা কয়া ফহনবগুম অমদি জ্ঞান লৈবা মমা-

মপানা মতম চানা পুক্রিং হকচাংগী মচিঙাক তুন্দুনা ডাক্তরগী মতেং য়াওদনা ংশাগী ময়ুমবু রাত-পাদবা পূক্কে ওংন্দুনা মচাবু পুক্রিং হক-চাং চাউথংহনগুম মোন্টেসোরীনা অমগী থৌদাংসু ওইবা উমই।

মোন্টেসোরী প্রী-প্রাইমারীগী থৌরাংদা (১) Practical activities (২) Sensorial activities অমসুং (৩) Intellectual activities হায়নুনা থবক মখল অহুম থোক্লা থাইদোকই। Intellectual activities হায়বা অসি থবক অনি লোইনা অমসুং অঙ্ক হায়না মখল অনি অমুক থোকই। অহৈবা লাইরিক পাদে, থবক মখল খুদিংগী মৌলিক গতি অভ্যাস তৌই। খুদম :—

শ্লেট মথক্তা থম্বা কাংগ্রু অমা ইননবা লৌথক্তুনা পায়বা তারবদি মৌলিক গতি মথাগী অসুম ওই। থৌরাং :- খোঙগ্রাই চনদুনা ফিদাদা ফমই। খুহুম তাশিল্লি, পাম্বোম তিংই, য়াংলেন তিংই, খুজেংনা খুউদা শৌদুনা লৈ, পাম্বোম হাইথরপ তৌই, মাংদা টেবল মথক্তা কাংগ্রুদু লৈ। থবক চৎথবা :- সেগা কাংখৎলি। য়েৎকী খুৎ থাঙৎলি। খুবী, খুদোনবী, খুৎশা তিংথোকই, খুনাওবীগা খুনিংথৌগাদ কোনশিন্দুনা লৈ। খুজেং লৈশিনলি। তিংথোক্লিবা খুৎশা অহুমদু নোম্বরকই। অুম লৌশিল্লক্তুনা খুবীগা য়েৎ থংবা খুৎচেক্লা কাংগ্রুগী য়েৎ থংবা চেকয়াদা অরাপ্পা মাংগী মচিন্দগী হাক্ত অমরোম মাংদা হশারোমদা চংশিনদুনা শোকই। অমুক হেন্না খুজেং লৈশিল্লক্তুনা খুদোম্বীগী ওইথংবা চেকয়ানা কাংগ্রুগী ওইগী চেকয়াদা শোকই। খুৎয়াইনা কোনাশিল্লক্তুনা খুবীগী মনাক্তা চংসিল্লক্তুনা খুবাগী মতেং পাংগনী। হান্না সেগা কাংদুনা আপথোকাখবা খুনিংদু হকচাংগী মনাক্তা নপাশিল্লকান। মাংলোমদা লৈশিল্লদা খুজেংদু তৈখৎলকনী। মতম আসদা খুবী খুদোম্বী অনিগী মতোন্না চপদুনা খুৎয়াইগী ওইগী চেকয়ানা মথাদা ডাকথক্তুনা লৈরম্বা থেংগনি।

মতৌ অসুন্না মথং মথং থম্বা, ইবনচিংবগী মৌলিক গতি উৎলি। অঙাংনা নিতিগী শিজিন্নবা পোৎ পুম্বা পায়বা, থম্বা শিজিন্নবা উৎলি। পীবা; লৌবনচিংবা সমাজিক ভাবনা ওইবা থবকশু মৌলিক গতিনা উৎকনি।

সমাজ কল্যানগীদমক্তা হৌজিক অঙাং শেমগৎপগী যুগনি হায়বশি মীপুম খুদিংনা য়ানরে। শিক্ষানা অঙাং যৎহল্লি। পিক্লিংউদা শিক্ষা পীহৌবা কান্নি হায়বা অসিসু মীপুম খুদিংনা য়ানরে অদুবু "মেথডতি চেকশিনগনী" মসিসু খঙগদবনী।

অঙাওবা লায়েংনবা পাগল খানা লিংখৎলি। পাগল খানাদা জ্ঞান লৈবা মনোবিজ্ঞানীক ডাক্তরশিংনা অঙাওববু লায়েংবীদুনা পুন্সি কয়া মৈহৈ য়ানহল্লি। পুক্নুংগী থাক্তা অমদি সংসার খোৎনারকপগী মিংকুপ্তা দোশ লৈখিদুনা অপঙবা ওইনা পোলক্লবা Idiot শিংবু অঙাঙবনী লৌদুনা পাগল খানাদা অঙাওবা মরক্তা থংনীরবদা অপঙবগা, অঙাঙবগা তিন্নবদা বাজবা, হিংনবা হোৎনজবা অদুগা। প্রাইমারী স্কুলদা চৎনরীবা প্রাইমারীগী অঙাং মরক্তা প্রী-প্রাইমারীগী অঙাংনা বাজবা অদুগা প্রমান তৌবা য়াই।

অঙাং শেমগৎপগী লাইব্রিক তম্বীবদা থাইদগী হেন্না ফজরবা, চুম্নবা মেথডতি মোণ্টেসোরী মেথডনী। মেথড অসি করিনো, করম হায়না থবক চৎথে ? বাফম অসি সমাজ শেমগৎপদা শরুক য়ারীবা মীওই খুদিংন খম্নবীবা, শন্দোকপিবা অসি তৌরবা মাত্রা বাফম অমনি।

সাধারন ওইনা চাহি ২ মথাই উরক্লবা অঙাং মরোল থোকই। মতেক মতেক ওইবা বাহৈনা বাৱি শাবা য়াই। বা য়াম্না ডাংদে, মখুৎ য়াম্না কেংই। মখোঙ য়াঙই, ইাঙনা মপুন্নিংগী ভাব য়ামনা ফোঙদোবই।

য়ুমগী মীশক খঙবা লোয়রে থরা চাওবা সমাজ পায়লে। মমাম্নবা তিন্নিনিংলে খা রাংগী য়ুমদা কোইনিংলে। মতাং অসিদা অকরুবা মশিংগী মমাম্নবা তিম্নহনবা দরকার ওইরে। অদুগা থোকারক্লিবা লোন তোইনা ভাংজবগী তাঞ্জা ফংজনবা হকচাংগী কয়াংশিং মমিং অখঙবা পোংকী মিং তোইনা হায়বীবা, হায়হনবা, হংবীবা অঙাং না য়াম্না হরাওজে।

Work is play ; Play is work. Learn with play: Play with learning.

বোয়-স্কাউট অমসুং গার্লস গাইড

(১) বোয়-স্কাউট হায়বা সংস্থান অসি নহারোলশিংবু মপুক্লিং হকচাং ফগৎহনবা অমসুং লমচৎ শেম্নবগীদমক্তা শেমগৎপা মরুপ অমনী। মসি ইংলোক ১৯০৮দা লোর্ড বেডেন পোয়েল (Boden Powel) কোবা নিপা অমনা ইহান হাননা হৌদোকখি। মহাক অসি অফাওবা লানগী স্কাউট অমা ওইরম্মী। মহাক্না অফ্রিকা অমসুং ভারতকী দেশশিংদগী মসিগী মম্নমদা য়াম্না খঙলমই, অদুগা মেফেকিং কোবা মফম অদু খুদুমচনবদা থৌনাফানা য়াওখিবা লুপা অমনি। স্কাউট অমনা লৈবাক অমগী অফবা প্রজা অমা ওইননবগীদমক্তা য়াম্না কান্নে হায়বা মহাক্না খঙলদুনা জাতি বীজাতি খাইদনা অঙাং ২০ খক্তা শোক ১৯০৭তা ব্রাউণ্ডসীদা লৈবা পুল হারবর কোবা ব্রাউণ্ডমাউটকী মনাক্তা কেম্প অমা তৌখি। হায়রিবা কেম্প অদুদা মহাক্না বোয়-স্কাউটকী থৌরমশিং অদু পাংথোকখি অমসুং নিংখিজনা মাইহু পাকখি।

মথংগী চহিদা মহাক্ন 'স্কাউটিং ফোর বোয়জ' কৌবা লাইরিক অদুগী অহানবা শরুক ফোঙদোকখি। অদুগা অতোপ্পা শরুক মঙানা মথং মথং থাখাইগী চেফোঙ অমদা ফোঙদোকখি। বেদেন পোয়েলনা মতম অদুগী অঙাংশিংগী অনৌবা কাংবু অমা লিংথংকে হায়না খল্লমদে। অদুগা অংগো-মদা মহাক্কী লাইরিকশিং অদুনা হাম্নগী লৈরমলিবা বোয়জ ব্রিগেদ অমসুং য়ংমেন খৃষ্টান এসোসিয়েসনদা থব্রা কান্নবা খল্লমই। তোইঙুংঙং মহাক্কী লাইরিক অদু ফোঙলকপদগীদি ইংলণ্ডগী নহারোলশিংনা লাইরিক অদুদা হায়রীবা হিরমশিং অদু ঙাক্না চৎতুনা বোয় স্কাউট হায়না কৌবা সংস্থান শেম্লম্মী। শোক ১৯১০ দদি স্কাউটকী থবকশিং অসি পৃথিবীগী অয়াম্বা লৈবাক্তা শন্দোকখি। মতম অদুদা বেদেন পোয়েলসু লাল্মীগী থবক তৌরম্বদগী পেন্সন ফংহুনা মতম অয়াম্বদা মহাক্কী লৈজবা মপাঙ্গল অপুম্বা অখাকপা লৈতনা নহারোনশিংগী মতেং পাংহুনা লৈবাক্কী অফবা প্রজা ওইনবা তোৎনবদা মপুক্কিং পুরা চঙখি।

বেদেন পোয়েলনা অনৌবা সংস্থান অসি নিংথিজনা পাংথোক্নবা অরাইবা মওংদা অমসুং মচুদা ইউনিফোর্ম তুহনা মহাক্কী অরাংবা রাথল-শিং অদু পাংথোক্নবা হোৎনখি। স্কাউটকী থবক অসি নহারোনশিংদা অমুক্কা হেন্না পামশিন্নবগীদমক্তা শান্নবদা কেম্পনচিংবা হিরমশিংদা ফান্নবা অঙকপা থোদোককুমনা শিল্লমই। স্কাউটকী থাঙচৎ অসি পৃথি-বীগী মফম খুদিংদা নিংথিজনা মাইপাক্না চৎথরক্নি। মসিদা জাতি বী-জাতি, ধর্ম্ম অমসুং লোন থেন্নবগী বাথল লৈতনা নহারোলশিংনা য়াওবা য়াবনা য়ামনা পামনখি।

স্কাউটকী থবকশিং অসিগা লাল্মীগী অমদি লানগী থবকশিংগা মরি শুংলৈ লৈনদে। অঙাংশিংবু লাল্মী ওইহন্নবা হোৎনবা নত্তে। স্কাউটকী পাংথোক্নদবা থৌরমদি, নহারোনশিংনা অফবা প্রজা অমা ওইনবা

মখোয়গী লমচৎ শেন্বা, খুদিংমক্তা নিংথিজনা হোৎনবা, হায়বা ইনবা অমসুং মশানা মশাবু থাজবা ঙজাশিংগী কান্নবা থবক্তা নিংথিজনা তানহুনা মসিশিং অসিগা লোয়ন-লোয়নবা মখোয়গী মশা মশাগী মপুক্কিংগী বাখল ফহন্নবা হোৎনগদবনী।

স্কাউট খুদিংনা মখাগী বাশকশিং অসি শক্কদবনী। :— মহুদি "ঐহাক্না ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা বাশকচরী"। মহুদি ঙনা হেক ঙম্নমখৈ ঈশ্বর অমসুং ঈরৈবাক্কী তৌফম খোকপা ঙৌগনী। (I promise to do my best to do my duty to god and my country)।

স্কাউটকী নিয়ম তরা (১০) লৈ। ১) থাজবা, ২) ভক্তি লৈবা, ৩) মীগী কান্নবা তৌবা ৪) পুমনমকপু মরুপনি খনবা, ৫) হৌনা খঙবা ৬) শা যণগী মরুপ ওইবা ৭) হায়বা ইনবা, ৮) হর্‌উহুনা লৈবা ৯) শেল শিজিন্নবা হৈবা অমসুং ১০, পুকচেল শেংবা অসিনী। স্কাউটর খুদিংনা নিয়মশিং অসি ঙাক্না চৎকনী। স্কাউটর খুদিংমক ইউনিফোর্ম শেৎলি। স্কাউট মাষ্টর, কব মাষ্টর, পেট্রোল লিডরশিং নেশনেলগী থাক/ষ্টেটকী থাক/ডিষ্ট্রিক্কী থাক অহুম্মক্তা লৈ। থাক অহুম্মক্তা ঙৌঙান তৌঙানবা কমিটি থাক নাইনা লৈ। ষ্টেটকী থাক্তা কমিস্নারনা খুাইদগী চাউই।

শোক ১৯০৮ দা লোর্ড বোদনা পোয়েলনা ইহান হানবা বোয় স্কাউট অসি ইংলণ্ডদা লিংখৎপদা হুপিমচাশিংগীসু হুপামচাগুমনা য়াওননবা থনখি। লণ্ডনগী ক্রাইষ্টেল পেলেস কৌবা মফম অহুদা স্কাউটকী অহানবা রেল্লে অমা মথংগী চহিদা তৌবা কানদা হুপিমচা থরনা চিফ স্কাউট উন্নখি। মখোয়না স্কাউট ওইবা পামজৈ অমসুং স্কাউটকুম্না নিয়ম নাইনা থবক তৌজনীংই অমসুং শান্নজনিংই হায়জখি।

নুপী মচাশিংনা হায়জবদগী শোক ১৯১০ দা ব্রিটেন্দা গারল গাইডস এসোসিয়েসন ওফ গারল গাইদস লিংখৎখি। অতুগা পৃথিবীগী ওইনা শোক ১৯২৮ দা 'World association of girls guide' লিংখৎখি। মসি স্কউটকা মান্নবা কাংলুপ অমনী। কাংলুপ আসি পৃথিবীগী মফম খু দংদা শিনবা থুনা শন্দোক্লি। গাইদকী বেজদি য়েনাশিল মাক্নী। মাসিগী মনাশিং অদুনা গাইদ অমনা মমিং চনবদা রাশকপা মখল অহুম শকই মদু থওহল্লি। মখোয়গী রাশকশিংদি অসিনী "ঈশ্বর অমসুং ইরৈবাক্কী মফমদা তৌফম থোকপা ইথৌ তৌবা অতোপ্পা মীশিংবু মতমলৈবা খিবক্তা মতেং পাংবা অমসুং গাইদকী নিয়ম ঙাক্না চৎপা।" হায়রীবা রাশকশিং অসি শক্লবা অমসুং ঙাক্না চৎকনী হায়না য়াব্রবা নুপিমচা খুদিংমকপু য়াওহনবা য়াই। মসিদা জাতি, বীজাতি, ধর্ম্ম অমসুং অচৌ মচা খাইবা লৈতে কনাগুম্বা নুপীমচাশিংনা অরাপ্পা লৈব্রবশু 'লোন ইউনিট' অমা ওইনা ডাক্তা চিঠি থানরগা য়াওবা য়াই।

গাইদশিং অসি চহিগী মতুংইন্না অহুমথোক্না থাইদোকই। অহানবা চহি ৯ দগী ১১ ফাওবগী নুপীমচাশিংবু ব্রাউনিস কৌই মখোয অসি ১৮ দগী ২৪ ফাওবনা পেক অমম্মম শাই। অদুগা মখোয়গী লুপবা অদুনা ব্রাউন ওল অমসুং 'টাউনি ওল' কৌই। ব্রাউনিগী থৌরম পরেংশিংগী মনুংদা বেন্দেজ পুনবগী, মোজা লোনবগী, থৌরা চোংবগী অসিনচাংবা থৌরম কয়া য়াওই। রারীলিবী শান্নবনচাংবসু চয়োলগী পেক মিখিংদা য়াওই।

চহি ১১ দগী ১৬ ফাওবগী গাইদশিং অসি ৬ তগী ৮ ফাওবনা পেত্রোন শাই। তেন্দর ফুটকী পরিক্ষা পাস তৌরগা গাইদসশিংদা মমিং অদুগী অনিশুবা অমসুং অহানবা ক্লাসকী বেদজগীদমক্তা থবক তৌই। অহানবা ক্লাসকী পরিক্ষা পাস তৌরগ মখোয়না হৈশিংবগী মখল মথেনগী বেদজ ফঙনবা হোৎনৈ।

রেঞ্জরনা চহি ১৫ দগী ২১ ফাওবগী নুপীমচাশিংনা য়াৎবা হাই। অনিগুম্বা চহিগী নুপী মচাশিংদা ইমূং মনুংগী থবক ইনথাং তৌবা পাম্বা থবকশিং অমসুং অঙাং নুবীশিংগী য়াইফনবা মরম পুন্নমক তম্বীনবা খুদোংচাবশিং শিনবী। অয়াম্বা থবক থৌরমদি স্ক উটবী কাংবুগা পুন্না তৌই। গাইদসকী থৌরমশিং অসি মরুওইনা য়ুমগী, মপানগী থবক্তা হেন্না মরুওইনা তৌই। মখোয়গী খাইদগী মরু-ওইবা থৌরমদি অফবা লমচৎ শেমজুনা অফবা প্রজা অমা ওইহন্ন-বা শেম্বনী। স্কাউতকী নতৌগুমনা গাইদসকীগুম্বা বেদজ পী মখোয়গী থবকশিংদি চাক-থোং থাকপা, ফিগু-ফিজাম্বা, ফুরিৎ-তুবা, অমসুং ফাষ্ট এইদ, অঙাং নাওকোনবগী থবক অসিনাচংবা অসিনী।

ব্রাওনিয়স, গাইদ অমসুং রেঞ্জরশিং অসি মতম লৈবা খিবীক্তা মীওইবগী সেবা তৌননবা শেম শাজুনা লৈ। শেম শারে হায়বনা মখোয়গী মোংনী। অনিগুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওগী মনুংদা গাইদ-শিংনা মখোয়না মীয়ামগী সেবা তৌজখি অমসুং নশগী থবক্তা য়াওজুনা মতেং পাংই। মখোয়না পাও পুথোক পুসিন অমগুং ফাষ্ট এইদকী থবকশিং নিংথিজনা তৌই। য়েক্রবনা খুজুম চনগ্রবা লমদা গাইদশিং শেমগৎজুনা খুদোং চাবা য়ামনা লৌই। গাইদকি দেশ, ষ্টেড অমগুং জিলাগী কমিশনার অমমম লৈ অমগুং কাউন্সিল শেমজুনা থবক নিংথিজনা চৎথনৈ।

হৌজিক ওইরক্লিবা শিক্ষাগী তাঙ্কক "বিধান সভাগী লানলক্তা ওবা"

মনিপুরদা এজুকেসন অসি মতম শাংনগী মমাংদগী তমথিরবা কায়না অমনা নাত্তুনা লৈরক্লিবসে ওবা থক্লগী মরাল নত্তে। ওবা শিং, গাদিয়ানশিং মরুওইনা সরকারগী লানথৈদ্রবা মরানশিং অসিনা মচেৎ মচেৎ পুনহুনা অচৌবা লৈবাক্কী ওইবা লায়না অমা ওইহল্লে হায়না ফেক্তা (ফেদেরেসন ওফ ইলিমেন্টরী স্কুল টু কলেজ তিচর্স এসোসিএসন) মনিপুরনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জুলাই তাং ৫ শোক ২০০২ ইংগী মনিপুর বীধান সভা শিক্ষমদা এম, এল, এ শ্রীও, জয় সিংহনা মনিপুর বিধান সভাদা কোল্লিং এটেনসন মোসন অমা পুখৎলদুনা "ওবাশিংবু জাতি হাংপা কাওবুনী অমস্তুং সোসাইতি অসিগী যেক্রবনী" হায়না চৈথিবা অদুদা লুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা ফেক্তাগী সেক্রেটরী জেনেরেল টি,ইচ ইবোপীশক সিংহগী চেরোল অমনা হায়রী, সরকারনা স্কুল ১০৭ লৌশিন্দ্রিঙৈ ওাসদগী চহি ২৪ রোমগী মমাঙদা মমিং চৎপা স্কুল কয়া লৈরম্মী। স্কুলশিং অদুগা যেংনবদা হৌজিক্কী ফরে হায়নরীবা ইংলিস মেডিয়ম স্কুলশিং অসিদি করিস্থু নত্তে।

চেরোল অসিনা নৈনক্পী, মনিপুরগী রাজনিতিরালাশিংনা মখোয়গী রাজনিতিগী মীৎয়েংদা থুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা পোলিসি কয়াগী মথাদা ইং ১৯৭৮ দা স্কুল ১০৭ পুল্লপ ওইনা সরকারনা লৌশিনখি। মতমদুগী স্কুল কয়াগী গভর্নীং বোডিশিংনা সরকারগী থৌশিন্দা অয়েৎপা কয়া পীখি। অদুবু স্কুলশিংদু সরকারনা নমদুনা অদুমক লৌশিনখি। সরকারনা লৌশিনখ্রবা মতুংদগীদি স্কুলশিং আসগী কন্ট্রোল্লিং ওথোরিটি সরকারনা অদুম ওইখ্রে। লাইবক য়ান্না থিরিবাদি সরকারনা লৌশিনখ্রবা

মতুং শংলবা চহি কয়া অসিদা স্কুলশিং অসিগী ইনফ্রাস্ত্রক্চর অমত্তা মওং তানা মশিং শূনা লৈহল্লক্তবা অদুগা ওঝাশিংগী স্তাফতসু স্কুলশিংগী মরক্তা চউনা খেন্নবা লৈহল্লকপা অসিনী। মসিনা অচৌবা মরম অমা ওইদুনা মমিং লৈরবা স্কুল কয়া অমগী ষ্টেন্দার্দ ডসিদি অদুক্কী মতিক হুন্থ-হনখ্রে।

Educational Institution শিংদদা নত্তনা ছৈরম খুদিংমক্তা পব্লিক সেক্তরনা ফেল ওইরগা প্রাইবেট সেক্তরনা চাউনা মায় পাক্লিবশি সরকারগী করি অশোইবা লৈবদগীনো হায়বা মুন্না খিদোকপা দরকার ওইরিবনী। অদুবু সরকারগী অশোইবশিংদি পুরানা নাথৈদুনা থম্লগা ওঝাশিংদা ওনশিন্দুনা ওঝাশিংবু ভিক্তিম ওইনবা হোৎনরকপা হায়বা হায়বা অসিথক ক্রিমিনেল মেন্টালিটিনী হায়না লৌই। মরম অদুনা এম,এল,এ শ্রীও, অদুনা মহাক্কী রাফম অদু শেঙদোকফম থোকই।

ভারতকী ওইনা লৈরিবা নেসনেল এজুকেসন পোলিসি অসিগী মখ'দা থম্লিবা পান্দমদি ভারত্তা লৈরিবা অঙাং পুম্নমকপু "মিনিমম লেবেল ওফ লার্নিং"গী নোলেজ ফঙহনবা হায়বশিনী। মরম অসিনা সরকারগী স্কুলশিংদা লায়রবা গার্জিয়ানশিংগী মচা মগুশিং অদুবু লাইরিক তমহন্নবগীদমক্তা "মিদ-দে-মিল"গী স্কিম মখাদা অঙাংশিংদা চেঙনচিংবা পীদুনা সরকারনা কন্না হোৎনরীবনি।

Government School শিংদা মহৌশা লৈরবা ক্লাসেস টু/ফাইব অমসুং মাইত-তা কালিটি এজুকেসনশীংসু লোইনা সরকার অসিনা ককখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা তাঙ্কক কয়াদা ছাত্রশিংবু স্ক্রিনিং তৌনবগী তাঙ্গা ফংহন্দ্রে। অদুবু লম্নাই স্কুলশিংদদি ক্লাস খুদিংগী ছাত্রশিংবু স্ক্রিনিং তৌরী। অসি গুম্বা খুদোংথিবা তাঙ্গাশিং অসি মীয়াম্না অমসুং সরকারনা খঙজিনবীবদা কান্নগনী।

শ্রীও. জয় সিংহগী কোল্লিং এতেন্সন মোসন অতুগী পাউখুম পীবদা এজুকেসন (এস) কী র.জ্য মন্ত্রি, ডাঃ মনিরুদ্দিন শৈখনা, ওঝাশিংবু রিফ্রেসর কোর্স থানবগী থৌরাং তৌবদা সরকারগী শেল নৈতব-না উপায় লৈত্রে ফোঙদোকখিবতু লৈবাক মীয়ামগী লাইবক থিব-নী। লোয়নননা সরকারনা ছাত্রশিংবু মাংহল্লবনী। মন্ত্রি অমসুং এম. এল. এ. শিংনা মথোয় মথোয়গী অশোয়বশিং কয়াবু নাথৈথুনা থম্লগ, সরকারগী মখাদা থবক তৌরীবা শক্তি য়াওদ্রবা ওঝাশিং-দা, লৈবাকী ওইবা অচৌবা মরাল থংজিনবনা বৈদোইংদসু অফবা ওইগনী নীংদে।

পোলিশিদা শোইথরকপা :

এজুকেসনবু শেন্দান লম্বী ওস্নোকখিবগা লোয়নননা সরকারগী স্কুল অমসুং এডেদ স্কুলশিং অসিদি মীয়ামগী চৈনকম ওইরে অতুবু হৌজিকসু লাইরবা ইমুঙ কয়া অমগী অঙাংশিংগী লাইরিক তম্ফমদি ফরবশু ফৎত্রবসু সরকারগী স্কুল ১সুং এডেদ স্কুলশিংনা ওইরীবনি। অফবা ছাত্রা পুথোকপগী মমিং য়ামনা চৎলিবা প্রাইভেট স্কুলশিং অসিদা নোংমগী চয়া অনীদং শোয়দনবা হোৎবদা অবাবা কয়া মায়োক্নরীবা ইমুঙগী অঙাংশিং থাজিল্লবা য়াবা নত্তে। স্কুলশিং অসি থাগী ফী চাওনা হুনবা ভঙ্গা, গাড়িনচিংবদা অঙাংশিংবু চৎ-হনবা ভঙ্গা. ওঝা কয়া নেক্স্নুনা প্রাইভেট-না য়োমহনবা ভঙ্গা ইমুং শিংগীনী। লাইরবা ইমুঙশিংগীদমক নত্তে। লাইরবা ইমুঙশিংগীদি ফী হুন্দবা, হুল্লবসু মমিংতগী ওইনা হুনবা, স্কুল চাং নাইনা কা-রবসু কাত্রবসু য়াবা সরকারগী স্কুল অমগুং এডেদ স্কুলশিংনী। স্কুলশিং অসিদা তম্নীবা অঙাংশিং অয়াম্বা লাইরবা ইমুঙগী অঙাং ঙাক্তনী।

MANIPUR অসি লাইহবগা ইনাকখুন্নগা ৱেংনবদা লাইরবনা মশীং য়াম্না হেন্না লৈবা স্টেট ওইবনা ফী তুন্দবা, তুল্লবসু মমিংতগী ওইনা তুনবা স্কুলশিংগী তঙাই ফদবা য়ামনা লৈরী। নত্রগদি মী-পুম থুদিংমক লাইরিক ময়েক চৎহন্নবা অমসুং ড্রোপ আউট লৈহন্দ বা হায়বা ভারত সরকারগী পান্দম অচুদা তাকায়বা শোয়দনা লাক্ক-নী। মসিগীসু মথক্তা এজুকেসনবু ফন্দমেন্টেল রাইট অমা ওইহন্দুনা অঙাংশিংবু O — ১৪ চহিগী মহৈ লেন্না তমহল্লগদবনী হায়বগী রাকন অমসু চাউনা লৈরী। পান্দম অসিবু ফংনবা হোৎনবদা মপূং ওইবা থৌদাং লৌগদৌরীবশিশু সরকারগী স্কুল অমশুং এডেদ স্কুলশিং অসিনী। প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌগদবা নত্তে। প্রাইভেট স্কুল-গীদি ফী চাওনা চাওনা লৌরগা অঙাংশিং তাকপী তম্বী। ক্লাস রান. টুগী অঙাংশিংদগী ফাওবা থা থাগী ফী লুপা ১০০/১০০ গী মথক্তা লৌবা প্রাইভেট স্কুল ময়াম অমা লৈরীবনা। অসগুম্বা স্কুলশিং অসিদা লাইররবা কনাগী ইমুংনা অঙাংশিংবু মহৈ তমহনবা ঙমগদৌরিবনো ? চরা হেনগদবগী শরুক লাইরীক তম্বা তোকপনা হেন্না ফুরে হায়দুনা তোকহল্লগা তমুঙ মনুংগী খবঙা শীজিন্নরকপা তাবনী।

মোট্রিক পরিক্ষাদা সরকারগী স্কুল অমশুং এডেদ স্কুলশিংনা পোজিসন হোলডর অমসুং ফাষ্ট ডিভিজনর পুথোকপা ঙমদ্রবসু স্কুলশিং অসিদা তম্বা ছাত্র-ছাত্রী কয়া অমসু পারিক্ষা অসিদা শরুক য়ারী। মখোয়গী মনুংদা পাস তৌবা ময়াম অমসু য়াওরী। পোজি-সন পুথোক্তে, ফাষ্ট ডিভিজনর য়াওদে হায়দুনা স্কুলশিং অসি হেক্তা মুথৎপা য়াথিরোই। মুথৎপা তারগাদি মশীং য়ামথ্রবা মহৈরোইশিং অসি কদায়দা মহৈ তমগনী, নত্রগা ফী চাওনা তুনবা স্কুল-শিংদশু তমহনবা ঙমদবনীনা লাইরীক তম্বা তোকহনবা ভাবরা,

হায়বগী বাক্‌ম লাকই। অতুবু সরকারনদি শেল থুমগী ফিভম ফত্তু-বদা নমা থোংলগা সরকারগী স্কুল অমসুং এডেদ স্কুলশিং মুথৎন-বগী মাইকৈদা থোঙ থাংজিল্লক্লি। সরকারগী স্কুলগীবু ওইরবসু এডেদ স্কুলগীবু ওইরবশু রিটয়র তৌখিবা ওঝাশিংগী মহুৎ হাপ-চিন্দবা হায়না লৌরীবা ফীরেপ অসিমক সরকারগী স্কুল অমশুং এডেদ স্কুলশিং মুথৎনবগী থৌরাংনি। সরকারগী থৌরাং অসিনা অমুক্কা হেন্না শোকহল্লিবশিনা এডেদ স্কুলদনী। থৌরাং অসিনা চীং অমশুং তমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরীবা এডেদ স্কুলশিং অসি চহি খরগী তুংদা মথস্তা মুৎচাখিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্রবনী। খুদম ওইনা হায়রবদা ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা লৈবা স্কুল অমদা পীরিবা এল, ডি, সি-গী পোষ্ট অমা য়াওরগা পোষ্ট মঙা অতু রিটয়র তৌখিবশিং মথং মথং মুথৎখিবা থোক্রবদি চহী খরগী তুংদা এক্ষ্ভ পোষ্ট অমত্তা লৈরক্তবা ভাবনী। এডেদ স্কুলশীং অসি সরকারনা মতেং পীবা স্কুলনি হায়তুনা ছাত্রদগীশু ফী চাওনা লৌবা য়াহন্দে। ফী চাওনা লৌরুরগশু তস্বীনবা মহে রোই লৈরোই।

সরকারনা থবক হাপ্পগী অথিংবা থম্বদা মনিপুর পুলিস ডিপার্ট-মেন্ট অমসুং জেলগী য়াওদবগুম এজুকেসনগী ওঝাশিং হাপ্পদসু অথিংবা লৈহন্দবা ফগনী। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা পুলিসনা অ-চৌবা থৌদাং লৌবগুম অফবা সমাজ অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা এজুকেসন্না অচৌবা থৌদাং লৌই। এজুকেসন্না য়াম্না হেন্না সমাজগী য়াংলেন শরুনী। সমাজদি শেমগৎতনা পুলিস ঙাক্তা থমলগা তুংকোইনা ঈংনা চীক্লা লৈঙাক সাসন তৌবা ঙমফম থোক্তে। ওঝা মশীং শুনা লৈতবদগী নীংথিনা লাইরিক তম্বা ফঙদবা অঙাং ময়াম

অমা লৈরবসিনা তুংদা সমাজদা অকায়বা কয়া পীরকনী। মহৈ হৈহৌদ্রবশিং অসি সমাজগী য়েক্নবা শোইদনা ওইরকনী। মতম অহুদা পুলিসকী নোংমৈনা, লীচৈনা করিস্থ তৌক্নবা য়াগ্লোই। অভাং শেন্বা হায়বশি পীক্লিউৈদগী হৌগদবনী। শেন্দা মপুংওইবা থৌদাং লৌগদৌরীবনা ওঝাশিংনী। মরম অতুনা সরকারনা ওঝাশিংগী মহুৎ হাপ্তনবা লৌরীবা ফিরেপ অসি অমুক হন্না য়েংশিনফম থোকই। শোইথরক্লিবা এক্সুকেসনগী অহোবা পোলিসি কয়ামক্কম লৈরীবনী। অহৈ-অশিং তাঙ্গহৌবগী তাঙ্গা নাম্বোকহল্লিংদে।

অইবগী পুথোকখ্রবা লাইরিকশিং :

১।	ওলাংথাগী লৈরাং	-	শৈরেং
২।	ভারত সরকারনা মনিপুর লৌশিনবা	-	দোকুমেন্টেসন
৩।	সাংগেগী পুব্রারী	-	সাংগেগী ব্রারি
৪।	সূরঞ্জয়	-	ব্রারীমচা
			(প্রেস্তা লৈরবা)

Printed at : Yaibee Printing Works, Wangjing Keithel